"ঐহাক মিসেজ ডেকেনি উরবা পাম্বনী অদুবু মিষ্টর শেলদনগী য়াকমগী মতুংইন্না মহাক ঙবাং মুংদাংদগী হনজিন্নক্তি হাইবা তাম্মরে।" মসি হাইরগা মেজরনা মিষ্টর শেলদন্দা ওনশিন্নগা "অদোমগী মুপি কার পুরগা কদাইদা চংখিবগে? মহাক হন্নক্তুবাদি অদোমনা চৌজিক কাওবা মহাক থিজিনক্সিরবসি করিগীনো? অ গা অদোম ঙবাংসি কদাইদা চংশিনক্লবগে?"

"ডোফিনা ঐহাক্কী মত য়াওনা ঙবাংসি চংখিবনি। ঐহাক মিষ্টর ডুদলেগী ময়ুমদা মহাক্কা পাত্তি চৌরম্মী। ডে-ফেনিদী মকোক চিকই হাইহ্নুনা লৈহৌরে। মহাকম্ন য়াওব্রব ডুদা ঐহাক কা হম্না হৌদাক থকচিন্নমই। ডুদলেনা ঐহাকপু

বুম্ব কাওবা থিনবীরকথি। মতমম্ভু অহিংগী পু ১ তারম্লনি। খোংবগী হেক মথক্তা ঐখোম্বগী খোংগী ডুপ্লিকেট চাবি অমা অমা হেক হেক থমই। মরমদি ঐনা অহিং খেংনা হম-ফিল্লকপদা ডেকিনীগী ভুম্বা কাংহল্লীংদবদগী মহাকনা মপান লোমদগী থোক্ত শো লোনশিল্লমলগা মনিং থংবা খোক্তদা চংল্লনা ভুমজবা অহুগা ঐনা শো হাংদোকলগা ইদোম চংজবা য়াবা। অদুম্না ঐহাক ত্তরাং শো হাংদোকলগা মচুং চংলকপদা ডেকেনী ইমুংদা লৈরমদে। ঐহাকনা থনবদি মহাক মপান খোকথিবারে, থুনমক লাকচরনি হসিনি। ভুমনিংবনী তাওরবা ঐহাক মহাকী মরমদা খোইনা হেন্না থল্বা তৌদনা কমুংদ চংলে। কমুংদা হেক চংবগা ঐহাক ভুমখিবা থংহৌজে।"

"অদোমগী হুপীসি মতৌ অদুম্না অহিংদা হেক হেক মাংবা খোংপা তৌরা? "মেজরনা হংই।

"নত্তে। হদকী অাসনা অহানবান মচুদি মহাক্না য়ুমদা লৈরমদবসি।"

"করিগুম্বদা মহাক অদোমবু থিনবগীদমক মিষ্টর চুদ-লেগী মনাকপদি চৎলমলোইরা?

"মহাক ঐগীদমক্তা অহ য়ৌনা বানা চুদলেগী মনাক্তা কৈদৌউৈদসু চৎলোই। য়েংবিয়ু ইন্সপেক্টর সাহেব, ঐহাক য়ায়া চৎজবা নীনি। য়াম্না কবা কাম অমদা থবক তৌ-জবনি। ঐহাক কদাইদসু চেনখিদবা নত্তে। ঐনা চাওখোক্না

হাইজুবা ছমই মহুদি ডেস্কনি হেক লাকপগা ঐহাক মাখু পুরগা হেড কার্টরদা ইখোং খোংনা লাকচগনি।"

"করে। ঐখোয় অদোমগী বাসি থাজরে, অদোম পোথাবিকরো" সব-ইন্সপেক্টরনা হাইরক্কই।

শেলদম্না খোঙ হেক থিঙজিনখিবগা মেজরনা সব-ইন্সপেক্টর য়েংলগা হাইরকই।—

"অদোমনা ঐখোয়বু মিষ্টর শেলদনগী কার লৈতৌবা মকম অদু তাকপিবা ঙমগদ্রা ?"

"ঙমি লেংলসি।" সব ইন্সপেক্টরনা মেজর, সোনিয়া অমদি ক্রোকোদাইলবু মাপী জিবতা কমহনলে। অহুগা শরকী মতুংইন।

× × ×

---

# খুদোং থিবদা শিরম্বা নুপীমচাদো

মিষ্টর শেলদনগী কারন্ত শোরোক্তগী গজ চনিমুক লাপনা লৌবুক্তা থোংবরগা লৈরম্মী। লোবুক্তুদা মী য়াথৈ হুমফুমুকত্থু য়োমশিনহনা লৈরী অদুগা হবিলদার অমনা অশিবা মশা অদুগা কার ঙাক শেনবা হোংনরি। কারন্তুগী চাকা মথাদা চহি তরা-নিথোই হুরাহুমদোইমুক্কী নিপামচা অমা কমজিন্নবা ঈগী মরক্তা তাহনা লৈরি: মকোক্তু মচেৎ মচেৎ কাইরে লেংজুনবদু থরা শোকাদ্রে অদুবু মহু য়াম্বা থিনা শোকপদি নত্তে।

মেজরনা কারগী থোঙত্থ পুমহাং হাংদোক্লগা মথুংদা চেপথদুনা নিংথিনা য়েংলমই। কারদ্বি মনিং থংবা সিটতা মিষ্টর শেলদনগী লাইসেন্স তারি। কার মথুংদদি থোংহই-দোকপা থংলাইগী নক্লগা ঈগী থুদম অমত্তা লৈতে। কার য়েংবা লোইরগা মেজরনা অশিবা অঙাং অদু চেক্শিনা অমুক য়েংবা হৌরক্লে।

ইথং থংহৌদনা মেজরগী চিনবানদা মোমোন নোকপগা লোইননা মহাক হুইটল হৌনা হৌনা খোংলক্লে। অদুগী

মথংদা ইঁফ্ল ডেপ পুখোক্তনা নাপ ত্তৌরক্লে। মহাকনা উবদা মচু চাউরাক্ত গজ ২৪ নী। শোরোক্তগীনা কার লৈ-রিবা মকমচু কাবকগী মমুংদা উকুল রাইফুল অমদি নাপি শিংবী মথক্তা অচৎপুবা লৈত্তেম মাগব! খুদমচু তারি মচদি রামানাথ কোশালগী য়ুমদা অমদি নীরাগী বেদ'কমদা, তা-হে'বা খুদমদো। কৌজিক মেজর ওকপনা থম থেংলে। মহাক কারগী শোরোককাপ্রবা লুকথত্তদা লৈমাইচু মুমা মেংলী' থংগোদনা মেজর মোমোন নোকলকলে। অচুগা কারগী মনাক্তা চংশিনথরগা ক্রোকোদাইলগী মবৈ পাইত্তুনা মচু কার মমুংদা চংহনথরে অচুগা হুইচু করি ত্তৌরকপরা হাইবসি য়েং-ত্তুনা লৈ.র। হুইচু অহানবদা কারগী ড্রাইবিং সিত্তা মনম খুং খুং মমগা কল ত্তোংত্তুনা মনিং থংবা শিত্তা অমুক মনম নমথরে। মচদা ফনা কুইনা মনম নমগা হুইহু শরক্তী মাইপৈদা কমা চেনখরে লোইননা মেজরস্থ মাগী মতুং ইনথরে। ক্রোকোদাইল শোরোক্তা চেমা চেমা মকম অমদা চপ লেপথরে। মচদি মোবিলগা পেট্টোল থাউগা চাইথাইত্তুনা নত্রেগা হৈদোক-খিবগী চুত্তুনা লোরবা মকম অংদা হুইচু মচুদগী হেমা মাংদা চৎপা ত্তমত্রে। অমুক মেজরনা মাগী মনমগম্মা পোপ পোপ থারমই অচুগা কারগী মাইকৈদা থোং থাংলক্লে।

মেজরনা সব-ইন্সপেক্তরদা হাইরকই—নীপামচা অমি কার অসিগী চাকা মথা অসিদা লাকপগা শিরবা নত্তে।

মশিংগী তুংশিন্দুনা লৈখিবা ঈশিবা তাকপদি অচাংসি হায়না করিগুম্বা মতম অমদা হাংতোক্লগা অতোং করীগুম্বা কার অমদা পুত্থক্লগা গারীশিংগী চাকা মথাদা থম্লম্বনি। মরমদি গারীশিংগী চাকানা তুক্লগা অশিবা মশাংসি সবক্লগী কল্লবা খোংথোংগী শাক্তিনা চেক্লুনা করিগুম্বা পুত্থক্লম্বদগী ওইরবা শোরোক্লগী-না মকমসি কাওবদা ঈগী অশিক খরদা ওইরম্বা তারমগ-দবনি। অদুবু মকমসিদদি ঈগী থুংম অকন্নবা লৈতে। মরম-সিদগী ঠাগৈপোবনা গাপংসি কপ কৈনা খংবা ওয়াকলে। মতুদি শিরিবা অচাংসি কর অসিনা ভক্লুনা শিবা নত্তে অকুগা মসি কমাগুম্বা খরনা অতোপপা মতম অমদা হায়না হাংতোক্লগা গারীশিংগী চাকা মথাদা থমজিল্লরবনি।

রাকমসি তাবদ ইন্সপেক্টর ক্ককপন পুংপক্ত পাংশিন-শিনশুম তোবরে। মেজরনা মাগী কাইখবরগী মথা চংথরকখি

"মাসেজ রেডকনি মথক্ত নচ্চে কাবসিবা মহাক। লেম-মনা কনাগুম্বা অমত্ত গারীসিবা মাওরকই। মাগী বকারদা মহাক লোয়নবা মনিং থংবা শিত্তা কয়র্কখিবা মীত নিপা নত্তে মুপীনি। মরমদি ক্রোকোদাইলনা মনিং থংব শিত্তা কনা কুইনা মনম নমত্তুনা লৈবক্তদা ঐগী ব খলদা "মসি পোক-পনি। সরকী শক্ক অমদা থউ রাম্বা চইখ ইজনা লৈ-রিবসিগী অর্থদি কনাগুম্বা খরনা কারব মিসেজ ডেকেনি অর্মদি মাগা লাকখিররিবা মুপীদু ডাইনা থক্তদ লৈরবনি

ঐনা মসি'গ্র শেংনা খ.ই মতুদি কারদা তোংলক্লিবী লুপীচ্ছ য়ু য়েরবা কা বুগী খুং নি। অদুগা মহাক্লা কনাগুংগী থৌইন-শিন মখাদা মিসেজ ডেকেনিবু মমুমদগী মী ইতা তাদবা লমহাংসোমদা পুথরকখিবনি। মেক্লবনা য়াম্না হৈ-শিংনা থবক পাইখৎখি। মিসেজ ডেকেনিগী কারনা অতাং অমা তকথাইরে অদুগা কারগী মপু নানথোকখরে লোৎখরে হাইনা। অদুবু অসেংবা রাকমদি মচু নত্তে। মখোয়না মশাবু কনজনবা মাইথুম অমা উপনবা তোংনরি। হৌজিক মখোইনা মিসেজ ডেকেনিবু কাজিনদুনা থনখররবনি ''

''করি হাইবা ? মিসেজ ডেকেনিবু মখোইনা কাখরে হাইব। ? খাংবা ঙমদনা মোনিয়ানা মরক্তা হংলকই। অদুবু মেজর মথা চংথরকই।

''মখোইনা মিসেজ ডেকিনী কাখিবগী মরমদি অপুম্বক্স ওইবা য়াই মতুদি নখোয়ময়াম্না মিসেজ ডেকেনিগী মমুমদা চেকশিন্না যেংজুনা মহাকপু শেমজুনা লৈবত্থ য়েকনবনা পাউ কংলম্লনি। য়েক্লবনা মিসেজ ডেকেনিবু নখোয়গা উমংনবা পামদে। মরমদি রাকমাসগী অসেংবা শক্তক থরসি মাগী মচিন্দগী ময়াম খংনরক্তগা হাইবসি কিদুনা মখোইনা মিসেজ ডেফেনিবু কাজিনখিবান।

''য়েক্লবনা মিসেজ ডেকেনি কাজিনখিবসি মসি নত্তবা মরম অতৈম্ব লৈরম্বা য়ারি। অদুগা ঐনা মসিমক্স হাইবা

ঙমই মঙ্গুদি সিদা শিঙ্গনা লৈরিবা অঙাং অসি কনাগুম্বা থাম্নি। ঐনাক কৈরাক কা হেন্না খুনবা ইমুং অমগী অঙাংনি।" মসি হাইরগা মেজরনা ইন্সপেক্টর থেংগনা অমুক হাইরকই "অদোম্না পুলিস কর্ম্মচারীশিংবু মকমসিদা কৌবিথরবা নত্রা?"

"অকোয় ইন্সপেক্টর থন্দন্না কোন তৌজখররবনি। অদুবু কৈদৌরবগে কৈমিক কাওবা থুংলক্লিসিবো?"

'ইন্সপেক্টর থন্দন লাক্লবদি অদুম্না হাইবিয়ু মঙ্গুদি মহাক কার অসিগী অঙ্গা শিন্নিবা অঙাং অসি কোটো নম থাক্লগা হয়েং অযুক্কী থবক্না হাপতোকপিখো।' মসি হাইরগা মেজরনা মিষ্টর শেলদনগী কারদ চেকশিন্না অমুক য়েংবা হৌরক্লে। মদু থাইনগী অরিবা মওংগী বুকনি। ইঙক ঙক্লা মেজরগী মিংথোং কারগী শিলিংদা তাক্লবদা মহাক ঙকখিবসা রাজ্যবা থেংন্নমদে। মরমদি মহুদা হায়মক হেক ঙকনিংঙাই ওইবা খুদম অমা নপতুনা লৈরি। কনাগুম্বন লমশাংগী শক্লাং উগী ক্রেমদা লংখুং মচা মচাসা কিশিন্দুনা মগী মমাইদা জপান মুপাগী মঙ যেক্শা শঙ্খা অমগী প্লাষ্টরনা নপশিন্দুনা থেংনি।

মেজরনা পোকেঙগী চুরি শৌখোকপগা পোংশক অমা লিংথিজনা কক্লোক্লগা লোখোকলে। থম্ জনবদস্ু কাংবা পোংশক অমনি। মহাক্না পোং অদু মৌনিয়াদা শিন্নগা অবঙ-ইন্সপেক্টরদা হাইবকই —

"হৱিলদারদা হাইবিয়ু মহাক্দি ঐখোয়বু অদোমগী গারদা চাইহাক্কঃ মিষ্টর শেলদনগী য়ুম কাওবদং থিনবিয়ু হায়না "

হৱিলদারনা মখোয়বু মিষ্টর শেলদনগী ময়ুম কাওবা থিনবিরম্লে। য়ুমগী খোংক্ৰ থিংলমলি। মেজরনা চংশিনক্লনা মখোল খোকনা তক তক থিল্লমই। শেলদনা তংদে মাংদে খোঙ কাংদোল্লকই অমসুং মমাংদা মেজর সোনিয়া অক্ষুগা ক্রোকোদাইল শেলডুনা লৈরম্লু উবদা হংলকই। "ডেফেনিদি পুরক্লুবরা ?" "মোমোপ নোক্লহনা মেজরনা হাইরকই।

" ঐখোবগী থাজবদি ডেফোন হৌজিক লাক্লমগনি হাইবসিনী। "

"মহাক্কী সীদদা লাক্লৌনা।" শেলদনা হাইরকই " লেং শীনবীরকউ, মসুংদা লেংশিনবীরকউ।"

"ঐখোইনা খোইদোক্লা পংকুৎ কুইনদা লৈরম্লোই। মেজরনা সোনীয়া অমদা ক্রোকোদাইলগা লোইননা মসুংদা চংলক্লে। মহু তরু তরুবঃ কা অমনী। মেজরনা কমথবগা লোয়ননা হংলকই।—"

" মীষ্টর শেলদন : করী[illegible]হদা অদোমগী মুপা উরবা কম্না-গুম্বগদা লাক লাক্কেকো "

"মীসেজ চুদলে নত্তনা কমাগুম্বী মুপা অমতা মহাক্কা উনখী হায়্নব ঐহাক থাজবা লৈতে।"

" অদোম লৈত্রীতৈঙদগদা উরব্রমলোইদবা ? হায়বদা

অদোম্বা চংথোকপ্রিঙৈদা। করাউম্বী থুপী মকোক। উম থোংবদী তৌরমলে হৈত্রে ?

'কারণুম্বদা মরুমক তৌদ্রম্ব। তারবদি ঐগী মীনাইশিংপী না। ঐনোংদা লোইদনা হাংতম্বনি'

মেজরনা সোনিয়াগী মথুংগী জাপানী পঙ্কা লৌরগা নিংথৌ শেংদনা উংলগা হায়রকই।

"করিগুম্বদা অদোমনা মসিগী পঙ্কাসি অদোমগী কাগী শিংলংদগা নপাশনখিবা নৈবরা ?"

শেংদম্বা কিথি কিরুম তোনা পোংতু পাইরগা য়াম্বা মুখা তাইকাক য়েংদুনা লৈরগা হাইবকই —

"ঐহাক থুদম অসি অহাংবা ওইনা তসি উম্বীবসিনী।"

"য়াম্বা নুংঙাইজরে,।' হোংগৎ কোংদনা মেজরনা হাইরকই।

মেজর অমসুং সোনিয়ানা বিনেংদকী বঙ্গলাদা থুংলবা মতমদা মখোই পুম্নমক অমুক্কী চরাগীদমক মবানিদু তাইদুনা লৈরমই। হৌজিক্তদা মেজরগী অগাম খোরাংবা পোক্লবনি। মখোই পুম্নমক তেবলদা পুংকোয় কোয়শিন্না ফমথনরে।

মেজরনা চাব লোয়শিল্লকপদা জাপানি পঙ্কাগী মালতিদা পিবগা হাইরকই"

"মালতি, ঐগী উংদা, মীহাংপাসিনা মখোয়গী থবকতা শিজিন্নবা থুদমগী লাংরিক নৈপনি। লাইরিক

অদুদা খুনম অমদি জাপানগী পঙ্গ.গ. মান্নবনি। সিগী জাপানী পঙখাসি লাইবিক্লগী মমাংদা থম্লগা চান্নবরা য়েংউ। করিগুম্বদা খুদম অনিজু মান্নরম্লবদি য়েংউ, ম গী করি অর্থনো হাইবা ?"

মালন্তি হৌগংতুনা মেজরগী কায়োমদা চংখয়ে। মেজরস্ত অয়ুক্কী খবর কাও পাখিবদনি। হৌজিক্তদা খবর লৌখংতুনা পাবা হৌরকই। খবরগী অহানবা লমাইমক্তদা অকিবগী মশক ওইরবা পাউ অমা য়াওরমই মতুদি বরানসিগী অকে.ইবনা অমদি বয়ানসিদা কারবার য়ালশিংনা কঙ্গাম মরুগী থাউদা অতৈ অতৈ ফত্তবা মক্ক মরাংগী থাউ যানশিল্লে মসিনা মরম ওইদুনা সহরসিদা মী কয়া কয়াগী মপুক কংথনেক্ষনা কোলেরা হৌদোক্লে, শরু, তাও তওগ চিকপগী কেশতা মী ৯১৮ হোসং পিতালদা লাইকমরি ভড়ুগা মীওই ৭৩২ গুসি কাওবদা লাই-কমবা গুমদঙ্গনা শিল্লে।"

মেজরনা খবরহু পারম্বদগী থংহৌদনা খুংচুম তাশিন্নগা তেবলদা দাং লাউনা থারকই অদুগা করিগীনো থংহৌদনা মহাক শাংনবা ভাযন পীবা হৌরক্লে।

"ভারতবাসিশিংগী টচিল ইনাওগুম থম্নবা অমদি মী-ওইবগী ধর্ম্ম প্রেমদা সংসার শিনবা থুংনা ফাওরিবনি। অদুবু শতাব্দি অসিদা ভারতবাসিশিংগী কিবম পুম্নমক হোংখরে অতোপপবু হিংনা হিংনা শেংতুনা চাবা গুমবা অমদি চানবনা

থ্বাইদগী চাউব, ধর্মগী থাইধরে। ভারতবাসিশিং লীলকাওবদা থৌজালগী মিৎয়েংনা য়েংনরিবনি। খোঙনা করিগুম্বদা কক-চেং কাওবা নেংখিগদবা হাইরুনা কিন্নবগুনি। ঙসিদি খিক্তংবু কায়পনি হাইরবদি পোংশিংদা মথল মথলগী পোং য়ান-শিন্দুনা মশাগী দেশকী মীওইশিংবু শিংহনবদম্বু নাচুংবা পোক্ন-খিত্রে। অসিগুম্বা পোংয়ান শেমলিবা মীওইশিংসিনা বাক্কম অসিগী মরমদা করিবু পম্ম্বক্রু। তোদে মতদি মখোয়গী কণ্ডবা পোং চাক্তবব মীওইশিংসি হিংলিবরা অক্তুগা শিরত্রা হাই-বাস। মখোয়শীং অসিগী মথক্তা অকনব, মীংয়েং চংশিনবা মতম ওইরে। ভরতবাসি অয়াম্বা লান্দা শীবদা নক্রে। য়ানশিন্নরবা কণ্ডবা পোং চাক্কবদগী ফীবম শোয়নবা কয়ামস্তু য়াওরে। অসেংবদি মখোয়সি হিংনা হিংনা শীরবাস। থুদোংথীবা থোদোক বাথোক কয়াদা, অমদী লান্না শীবা মীগী মশীংদগী, য়ানশীন্নবা পোং চাক্কবগা শীবা মীগী মশীংনা শকন্দ অনি হেল্লবনী। সমাজগী য়েক্নবা ওইরবা নকলী পোং পুথোকলীবা কাংবুশীং অসিনা সমাজসীবু মপাঙ্গল শোন্থহনবনি। লায়না পুমনমক্কী হোয়ককম অমদা থোকহনবসী মখোয়নননী। খুজু খুংলাই পাইরুনা মীহাংপা কাংবুদগী মখোয় সীনা হেন্না তমথীবা মীহাংপনী। মখোয়শীংসী মচেং মচেং শেংলগা হুইদা পীক্তখোক্কববনী। মশীং লাকচমদবা মখোয়গী মথবায় করা লাম্নথ্রবনী অহবু মশাগী থক্সীক্তু, কায়বগগী

রাথজদ, ঈশ্বর ফাওবা কিবা নৈথিদে। এখোয়গী কজবা সঙ্কাতগী মরমদা নৈবাক শিন পুংনা কতরিবনি অদুবু ডাস দ হৈকাইবনা ঈাশংবা চো থহনা শিংনদে। এখোয়গী সংকারনা অংসজুম্না মীওইশিংসিবু অচংবা দাম্ম পিগনি হাইদুনা লাউ-থোকপদি হয়া হয়া লাওথোকখরে। অদুবু ডাস ফাওবদা কমাগুম্না অমতবু অঙুজুম্না দন্দ্রি অৎ কংখবা লোত্র মচুদি মখোয়না লাকথোকখিবদো। অদুম্না লোংম খোংমগা ফাওবা পোৎযান কয়া খোক্লকপনা ভারতবর্ষগী গাম গাম খুদিংমক্তা ফাওবা মনম্না শিন থুরে"

মালাতনা থুগা লাইরিক অদুগা জাপানী পম্বা পই বরুনা লাক্লে। মহাক্কা উবদা মেমরগী মামতা মেরি অমম্ভু মৈরিক পাইথোরক-দারে। মেজরগী মিংমেংহু মালাতনা হেক তাকবগা হংলকই। "কমদোরে মালাতি? লাইরিক অদুদা জাপানী পম্বগী থুম য়াওরে?"

"অহোয়" মালাতনা লাইরিক অদু হাংদোক্লগা ফোংদোকলি থুনকই।

"থুদম অদুগী অর্থদ কারি হাংবা ঙাইরবনো?"

"মামদা হাঁর মতুদি অমুবা লংহাশং অহুপা অমুবা অত্মাশিংদগী থরায় কনজো। কারগুম্বদা মখোয়স থেংনরবাদ খোয় উতো, মেংলাইদুনা হাংদো। মসী ব্যাখ্যা তাম্বুনা হাইরাবদী মসানী মতুদী থুদম অসী য়ামনা অর্থ চেনবা অদুগ পাকচাওবা মীহাং মাপুনগা থুদম ওইনা লৌজরে।

খুদম অসি কল্পবদা থম থো'দবা, কম্যাণ্ডরবু চৈরাক পীরবা শিজিন্নবা খুদম অমনি। খুদম অসিনা তমথিবগী মতিক; মসিবু শিজিন্নবী মীওয়পীদা মরাল নৈবা নত্তে। হায়বদি মখোয় মশান মশাবু মরাল নৈবা মীনি হাইবসিগী প্রধান নৈতে। মখোয়না দাবি তৌরিবদি খুদম অসি থাখিবগা লোইননা মখোইনা হাংদ্রবা কম্যাণ্ডয়া নএগা কম্যাণ্ডয়গী অহ মশাগী মরালনা মপোৎ কাবরবনি অমদি হাংকম খোকপমকনি হাইরসিনি। অমুকন্দু ফখোয়গী অর্দি পাউজেল ফংদ্রবা মীওনা সংসারসিদা অমুক হিংকম নৈরে হাইবসিনি।"

"য়াম্না নু ঙাইরে!" মেজরনা হাইরকই। চানু: থরা পক্লবা মচুংদা ডোয়া, সুধির অমসুং মালতিগা অনৌবা থবক্তা মপুৎদা রাতামরমই। মেজরনা ডোয়া অমসুং সুধিরবু মীষ্টর শেলদনগা য়ুমদা চেকশিন্ন লোৎতুনা লৈরগা মিসেজ ডেকেনি হল্লক্লবরা যে উ অহুম্বা করিগুম্বা হল্লক্লবদি মহাকপু মফমসিদা প্লুরকউ হাইনা য়াথং পিরমই। সোনিয়া অমসুং মালতিদনা মাস হাইরকই মতুদি মখোয়নিসু ডোয়া অমসুং সুধিরগা লোয়নননা অহানবদদি চৎলগা মিষ্টর শেলদনা হংদুনা মিস্টর চন্দশেগী নৈকম থংদোকউ। মফমদুদা প্লুংলগা মসিমদি থংদোক্লবা হোৎনে। মতুদি মহাক ঙরাং অহিং মিসেজ ডেকোনগা লোয়ননা চংমিন্নত্রা? করিগুম্বা মিসেজ হুলেদনা ঙরাংদি মহাক মিসেজ ডেকেনিগা চংনিন্নদে হাইরব-

বদি, ভরাং অহিংসি মহাক মকম কদাইদ৷ কয়া কনাগা লোই-নবা করি তৌদুনা লৈরমই হাইবসি সুগাইনা৷ খংদোকউ

মেজরগী মরুপশিংনা মখোয় মখোয়গী মখো পাংখোক নবা চংখ্রে অতুগা মুখিংদাংবাইরম হল্লকুনা মেজরদা মশা মশাগী রিপোর্ট তাহল্লরে।

ডোরা অমম্লুং সুধিরগী রিপোর্টতু অগুম্না হাইবা তাই মহুদি; শেলদনগী মুপীদু ময়ুমদা হল্লক্রে মিস্টর শেলদন মাগী ওফিসতা চংলই অতুবু থু মক হল্লক্লগা মিস্টর চুদসেগী ময়ুমদা য়ু থকপা চংখ্রে। "সোনিয়া অমম্লু' মালতিগনা

মহাকপু মকমহুদা খেংনরমই। সোনিয়া অমম্লুং মাল-তিগী রিপোর্টনা অম্লুম্না হাইং মহুদি মিস্টর চুদলে খজিক থরাক্লী হিদাক থকখিবা নত্তে অতুগা মিসেজ চুদলেশু মপু-রোইবদগী তাবা নত্তে। অমুক, য়াম্না হিদাক থক্রকাওবদা মতৈ মনাও ইথক থকত্রিবগুম তৌরমই। ঐখোইনা কনা কয়া খংনবা হোৎনখি অতুবু মিস্টর চুদলেগী মীওই মতৌ অমদি মাগী মসুংগী ওইবা অরোন অথুপকী লমাইশাংচু অমত্তা খংবা ঙমখিদে। মাগী মনাইনুবী অমদি মীনাইশিংনশু রাফম অসিগী মরমদা কৰিগুম্বা পাউথুম অমা ফাওবা পীননবগী থৌরাং লৈতে। মিসেজ চুদলেসি কা লেপ্পোক্লা কৈচে। ফজবী মুপী মরক্তী মহাকস্তু শিংথানবা য়ারিবনি। চহি ২৭,২৮ মুক্তী মশা মউ পুয়মক ফজবনা থম লোংশিনবিনী।

মিসেজ হুদলেনা হাইবদা মহাক্কি ঙরাং অহিং মিসেজ ডেকেনিবু উনবা কাউবা উনখিদ্রে। ঙরাংদি মখোয় ময়ুমদা পাটি অমা তৌই। অহিং মথৈ য়ৌরবতদা পার্টিদু কাইনখি বনি। মতৈ মনাও অনিমক ঙরাংসি থ্বাইদগী কা হেম্না থকখি। মরুপ মপাং ময়াম হেক চংখিবগা অত্তুম তুমথদ্রে।

মথং নুমিৎকী অয়ুক্তা ইন্সপেক্তর থঙ্গন মেজর উরবা লাকই। নুমিৎতু ইন্স.পেক্তর মমা হরাও তরাম্না উই। মহাক হেক ফমথবগা হাইরকই "অঙাং অত্তুগী মরমদা লোই-নমক থংলে মতুদি মিস্টর শেমদনগী কারগী চাকা মথাদা শিনা কংবদো। অঙাংতুগী মমিং স্বরজভান কৌই অত্তুগা মহাক ইনাক কৈরাক থুনবদা মমিং নৈবা শেনজাও পাইবা চন্দ্রভান গুপ্তগী অমত্তা পোকচবা মচানি। মহাজন চন্দ্রভান গুপ্ত। জিলা অত্তুগী থ্বাইদগী চাওবা যুগী এজেনতনি। চহি মরিগী মনাংদা অফ্রিকাদগী লন থুম য়াম্না তান্দুনা মফম সিদা লাকপদা ত্রাইরিরৈদা মমল নাইদবা লন থুমগী মপুন্ত ওইখিবনি। মপা মপু হান্তক্তুগী মখোয়সী মপাল নাইরবা লন থুমগী মপু ওইহনা লাক্রবনি। চহি মরিগী মমাংদা মহাক্কু নেরেবীদগী জহাজ তোংহনা ভারত তম্বা লাকপগি লম্বীদা তেলিগ্রাম কংথ, মতুদি মহাক্কী অমত্তা ত্রাইরবা মরামবা মতুম্ব অদুক মপান নাইরবা লন থুমগী মপু ওইরিবতু (নিযো নিয়া) নাহনা শিথরে" মতৌ অস্রমনা জহাজদা কমনা

ঙমীনা মশাঙ্গ মাইক্সবা লৈম থুমগী মপু ওইখ্রবনি। মকম অজিদা লাকলগা য়ু হৈরোনবগী লাইহৈজন্স হংলমই।"

মৈজরদি স্বপনদগী বাকং অমিদা পোইপোকন, মক্ত ওই না থাজিল্লমই। মতুংদি মিষ্টর শৈলনদগী শান্নী মথাদা শারুম বা অতাংভ কমাকৈ হাইবজিদনা। শীথরবা অতাংঙগী মশা চন্দ্রভান গুপ্তগী মপুন্সীগী বাস্নীষ্ঠ মচৌন্দা কৈশু খোইনা কা পে অঙুমজ্জদা ইকলেক্তম থম্লগা মহাজন চন্দ্রভান গুপ্তগী বাস্নীষ্ঠ মথা চংথরকথি। শেথ চন্দ্রভান গুপ্ত মশাগী চহী ২৪ শুবদা আফ্রিকাদা চংথিবনী অদুগা পূরণনা চহী ২৮ গী মতুংদা ভরত তা হনকপদি। মকথ অসোদা মহাকা পুডাই যাইফনবগী থাবান মিচাক লংমা ভানতুনা লৈরম্বমী অহ্বু বাথাগী তোঙানবা খোঙং অমগী মতুনা মাপী লংলবা পুন্সীদা শুপ পরে। মতমী কনাঙুমবনা অয়োন অপুপ থরগী মঙ্কমদা ভানবা লম থুম মহ গী প্রায়শ্চিত্তা মশামকী মথতাম কাঙবা পাখোকশীবা তংরবই। অদোমনা শোঙ্গুদনা পাবীরম্লবনী মতুংদা মকনঙ্গদা ঙানশিন্নব কঙবা য়ু থকস্নুবদগী মী চাম্মাগা নিক্ত তরেং শাথর্রথনি। পুন্নীসশীংগু কোক্তা থুংহাপলে। মখোয়গা হাথবু য়ু হৈরেনবা চুকানশীংদা চেক তৌবনি। লৈবাকমাগী খেবীস কমা কয়াগ লোয়ননা য়ু চুকান থুদী'মক্ত চেকশীন্না চেক তৌরবনী। মহাজন চন্দ্রভান গুপ্তগী চুকান নক্তনা অতৈবা কয়ীশুথব অপা নত্রগা অমদগী কক্তবা পোং খেংনঙুনা কাপীব চাক্কনী অহু

শেঙ্গাও পাইবা চন্দ্রাভানগী চকান্দগী খোইদোকপ। তিনবা যাবা পোৎ অমত্তা ফংবা লৈখিদে। মহাজন চন্দ্রভান গুপ্ত অসিমক পুক চেল শেংবা তুকানদারনি হাইনা য়ানখিবনি। অদুম্মা মহাক্কী তুকান মোংমা নোংমগী লংবা কেনগংলকখি।

"য়ানশিন্নবা যানশিননবা, পাং পুমনমক্কা পোংবান, মতম লাক্লগনি মতদি ইাশ পাখব! য়ানশিন্নরক্লগনি।, গ্রৈখোয ভারতবাসি অমনা অমবু পেং শেংভুনা চানরি। ঐখোয় পুমনমক মরাশ লৈরবা ভাক্কনি খুদংগশু অমনা অমবু মরাশ লৈরবনি হাইজুনা দাবী তৌ ই। পাক চাওখবা লৈবাকসিনবা চাওরবাস ক্লক্তিগী লৈশ ফ ধনা লৈবাকসিগী ক্রি ওইগদগে?

সরক াগী মত্তজ্বা মীয়ামনা অইনবু মখুৎমক্কা পাইশিন জনা ফজ্ববা মীশিংগী মথক্তা লমন খুম্নকদোরিব্রা। মসিবু ওইখোকএনে?" মেজর বলবত্ত থংহৌদনা হাইথরকই।

ইন্সপেক্টর থন্দনশু মাগী য়ায়ীঢ়দা মথা চংথরকই— মহাক্কী অমত্তা পোকচরবা মচাতুপানা শিগদবা ১০ নি মুক রাং লইঞ্জেদা মহাজন চন্দ্রভান গুপ্তগী মুক্তাইবগী থৱানমিচাক মুংথরে। মাগী রূপীনা ফমুংগী মথাদা খুদম অমা নপত্তুনা লৈরম্বা থেংনখি।"

"করম্বা খুদম"?

"কৈপাল নত্রগা ফামংগী শরুদা উগী মশিং করামুক কিশিনজুনা শেন্না জাপানগী পাখ মানবা খুদম অমা।"

শেক্সাও পাইবা চন্দ্রভান গুপ্তগী বারোদা মেজর পুক্সিং থিংজিনবা হৌরক্লে হৌজিনক্লদা। মগী মচিন্নগী খোল্লকখি "জাপানগী পঙথাঙবা থুদম হাইবা।"

"হোয় মাগী মুপীনা কম্নু' মথাদগী থুনব থহ থেংনবা ক্লিমংতগী হৌনা মাগী মপুরোইবদা অম্নুবনা হাইবা হৌরকখি মহুদি "নঙনা কৰিঙম্বা থরা তৌরিবদো, মহগী কল নংগী নচাশিংগী মথক্তা তারগনি অদুগা ঐখোয়ম্মু মহুগী শরুক থরদি শোইদনা কংকম খোকই।"

হৌজিক্তি মেজরস্থ ঙকপনা চম্মনরক্লে। মাগী মকমদদি ৭কম্ন নইদনা খোক্লবা শেক্সাও পাইবা চন্দ্রভান গুপ্তগী বারোয় য়াম্বনমক খোইজংলকপা অমদি মফাক্লা থিরিবা লুমলিবা কথা ডুগী মমু' চনবা খোদোক ওইনা উরকলমই। মহাজন চন্দ্রভান গুপ্তগী মুপা কোসগরানা রাইহ পরেং থরা মাগা মপুরোইবদা হাইখিবদো, মহুমক সাথপতি সংশানবা রামানাথ কোশাসগী মথোস্থপী নিরানা মাগী মপুরোইবদা হাইখি। রাইহসিদা থজিক্ক ক'ওবা থেমবা নৈতে। মসিবু করমবা জাঙনো ? করমবা অঙকপনো ? মুপা অনিনা মশা মশাগী মপুরোইবদা চপ মান্নবা রাইহ পরেং থরসি ইকাই কাইদনা হাইখি। রাইহ শিংসি হাইখিবা নিরা শিথরে। মাগী মপুরোইবস্থ শিথরে অদুগা রাইহসিমক হারখিবা কোসগ্যাগীনা অমতা পোকচবা মচাথুপা শীথরে। অদুগা শেক্সাও পাইবা মহাজন চন্দ্রভান

গুপ্তগী ইমুংদা জাপানী পল্টনগী খুদম কংলে ।

"ইন্সপেক্টর সাহেব। অদোম চন্দ্রভান গুপ্তগী বারীগী মখা চংথরকউ।" মেজরনা হাইরকই ।

"জাপানী পল্টনগী খুদম কংলবা মতুংদগী চন্দ্রভান গুপ্তগী খুদোংথিবা পোইবা লৈরি। ঙসিদগী থুমিং নিনিগী মমাংদা নিপা অমা, কদাইদগীবু লাক্লিবনো ? মহাক্না হাই-বদা মহাক কমপনা লাকপনি। মহাক মশামক চন্দ্রভান গুপ্তনি, অমস্তুং মপাগ নাইত্রবা লন থুমগী অশেংবা কংকম খোকপন্তুমকনি। মকথসিদা ঙসিদগী চহি মথিগী মমাংদগী হৌনা চন্দ্রভান গুপ্তা শাহুনা কারবারদা থুংখাদিবা অদুগা চাওরবা লন থুম পুম্নমক্কী মপূনি হাইদিবা নীপাসি মীনম। শেল করামবা মীনি হাইবসিনী। কমপনাদগী লাক্লিবা চন্দ্র ভানগুপ্তনা মসিমস্তু দাবি তৌরি মতৌদি মহাকী মমাক্কা অহুত্তুমবা প্রমান য়াওরি মতুদি মহাকপু অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তনি হাইবগী শাক্ষি পিবা ঙমবা। মহাক্না এলাহবাদ কী অকাওবা উকিল বিহারীলাল বাজপায়েই অমদি মাগী অঙাং ওইরিঙৈগী ক্লপ মাসতর রতন পান্দেহস্তু লোইনরকখি মতুদি ঙসিদগী চহি ৩২ কী মমাংদা মহাক্না লোয়নবা ডাক্ত-সমলামদা চংমিন্নখিবদো। "

মহাক মশাবু অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তনী হাইনা দাবী তৌরিবা নীপাসি চহি ২৬কী মতুংদা ভারতা হল্লকপাবনী

হায়রবা ?"

"অহোয়, মকম অসিদা চনদ্রভান গুপতনা হাইনা দৈন রিবা নিপাসিনা চহি ২৮গী ভুংদা ভারতা হল্লকপা অমগা অনৌবা দাবিদার অসিদা চহি ৩২কা মতুংদা ভারতা হল্লক লিবনি।

ওসিদি মহাক্কী উকিল বাহাদুরগী বাক্সাদা অমাদ মহাক্কী অহাং ওইরিবগী স্কুল মাষ্টর নতন পান্দ্রোগাগা মাইয়োক্না মকমসিগী চনদ্রভান গুপতা অমগা মাগী উকিল শৈলেনদ্র পুরোহিতকা লেপনখনো র। কেস অসিদা অনৌবা চনদ্রভান গুপতা কন্নানো হাইবসি খংদগনি।

"ভুংদাইরেদনা বাদিগী 'বর'দিগী মাইয়োক না কেস লেপনবসি হল্লক্কীসিনা অদানবা ওইরগনি" মেজরনা হাইরক্কই চনদ্রভানগী বারীদা মহাক্কী পুক্রং চিংনিনবদু কেল্লকখি।"

"কেস অসি কৈদৌঙৈ লেপনগদবনো ?"

"ওসি ভুংথিল পুং অহুম মখাইদগী অহকপা কেস অসি হৌগদৌরিবনি।"

"ঐহাকসু গুরুবা মাইয়োকনবা কেস অসিদা য়াওজনিংই মেজরনা হাইরকই।, ইন্সপেক্টরনা '—

"ঐসু মাসমক পাম্লিবনি। পুং অহুমকেক তাবদা ঐ-হাক ইশামক লাক্কনা অদোমগা পোৎনবা মকমতুদা চৎকনি।'

ইন্সপেক্টর চৎখ্রবা মতুংদা মেজর বনবন্ত চনদ্রভান

গুপ্তগী মথমদা অচুক অচুকপা য়াকম কয়া ভাবনা পাগংলম্বই।
মহাক্কা উবদা পেনজাও পাইবা চন্দ্রভান গুপ্তদিমক ময়াম
অমা নত্রগা অমদি লংজেম্ববগুম উরক্লম্বই। অাকুপমি অমগী
মিংথেমা উমিবা য়াথম'স কদাই কাওবা চুমলকপে হাইবদি
ঙাংদুসনা থংগনি ।

※※※

## “কৌশল্যা ক্লেশ”

মুখিংগী পু অহুম তাদবে অগা চন্দ্রভান গুপতা
অদি মাগী সুপাগি মংক্তা মহাপ্রলয় হোরবে। কৌসল্যা
গী থবাক মমিংকী পিতন। ম্ল্যুপ লপথ্রু। —“তোম পোকচবা
মচা লৈপিনবুনা মহাক্কী লাইথুং ওইক্লে। মকম চুদা মাগী
মরী মতানি হাইবদা কনামক্তা লৈতে। সুমলোন কৈরোম্বদগু
মচানিপা লৈপিদবগী পাউস তাকখিদ্রে। কোশল্যানা 'পিরাং
শিঙ্করভুনা হাইরকই

'অমতা পোকচবা ইচানুপাস্থু থুম্ভগী চংথরে ঐ মুমিং
কয়ানিগী মনাংদগী হৌনা নংজোম্দা হাইজরক্লিবনি মভুদি
য়ুগী ছুকান অসি তোক্লো। মসি অকবা নত্তে। নংহাক্লা
সুদা য়ানশিনদে হাইরবুদি ফরে অম্ভুম ওইনমক মীওই লাথ

লাখকী ইমুং মমুং হুপনা মাংবা য়াওনরে মু থরুবদগী।
ঐনা হয়া হয়া হাইরিবসিনি মচুদি মংনা করিগুম্বা থরা তৌ-
রিবদো মচুগী কল নংগী নচাশিংগী নথক্তা তাগনি অহুপ।
ঐখোয়গী মসিগী শরুক থবদি শোইদনা ফংকম থোকই।
য়েংউদো ঐগী বাহু চুয়া থোকলরেদো। টচাদি হাইনা হাই
না চৎথরে, হৌজিক্তি ঐখোয়সু মশিগী শরুক থবদি শোয়
দনা ফংলগনি। কমপলাদাগী কয়াগুম্বনা চন্দ্রভান গুপ্ত
শারগা লাক্লে। ঐনা হাইরিবসিনি। নংহাক্তী বুদ্ধিচবু কৈ
দোথবগে? মাঙোন্দা পুম্নমক কথোকখিনবগী থৌরাং লৈরব্র?
মহাক্তুনা মীনম্বা অহুগা শেল কয়াম্বা মীওই ওইরবদি নং
না মাবু করিগীদমক্তা চয়াং যুমসিদা থোং থাংজিনহল্লিবনো?
নংহাক্তী থম্মোইদা মীনম নমথাক অমদী অয়োন অথুপ অমত্তা
লৈত্রবোইদি মথোমনা গুসি লাকপদা মচকশম লাক্তুনা যুম
সিদগী মপান্দা ইনথোকখো"

শেক্লাও পাইবা চন্দ্রভান গুপতা তুমিম্না লৈরে। মতম
সেদা থোংদা তক তক থিল্লকই। কৌশল্যানা হাইরকই।

"করিগুম্বা থোংসিদা মীনমবা, শেল মিপোবা নিপাক্তু
ওইরমবা থোকশবদি মহাক অমত্তুং মী পুমনমক থোংজিন
কানশিলহল্লক্তনা হলহনথোকো মমুংদা চৎহল্লু ঞ্চমুকো।" চন্দ্রভান
গুপ্তা য়ায়া নিংবা কাইনা হৌগংলে অহুগা চংথিহনা থোও
হাংদোকলুরে।

খোংদা মহাককী উকিল শৈলেনক্র পুরোহিত লেপ্লমই। মহাকপু উবদা চন্দ্রভান খোমোন নোক্লমই অহুগা "লেংশিন-বিরকসি"। মহাকনা মাবু ত্রাইংকুমদা পুশিনখরে। কৌ-শল্যানা খংলৈ লৈখোক্লগা হাইরকই।

"অদোমস্ত মাগী মতৌগুমনা কত্তবা থবকসিদা হৈনররবরা

"নত্তে ইতৈমা! মসি আইনগী খোঙদা শোক্লগদবা কেশ ওইশিল্লক্লে। অদুবু অকবদি কমগলাদগী লাক্লিবা নিগা সিনা কোর্টতা কেশ অসি থাক্লংক্লে অমস্তুং এখোয় উকিল শিংদা পুমশিন শিনরে। লোয়ননা য়ুমসিদা এখোয় মখোয় গা হকখেংননা কেশ খেংনবা য়ারগনি। মসিদা বদনামগী করিমতা চিংননিংঙাই লৈতেএ। "উকিলগী মরা তাবদা কৌ-শল্যা ভুমিন লৈখরে। খোংদা অমুক হন্না তক তক খিল্লকই। হন্দুমুক্ত উকিল পুরোহিতনা খোং হাংদোকপা চংখরে। চংন চংনা হাইরকই।

"মখোইহু থুংলরবা ওটরমগনি।"

উকিল পুরোহিতনা খোং হেক হাংদোকলুবদা মহাকী মমাংদা ইন্সপেক্তর খম্মন অমস্তুং মেজর বলবন্ত লেপ্তুনা লৈরমই। মহাক্কি মেজর বলবন্তবু মশক খংদে। ইন্সপেক্তর না মেজরগী পরিচয় তাকপদা উকিল পুরোহিত হরাওবগা লোয়ননা মেজরগী খুংচু কয়া পাইশিল্লগা নোমচুনা হাইরকই।

"মুংঙাইরেদা। মসিদি উকিলগী মাংদা মরু ওই ডি.তকতিব শিংথীজু হকথেংনবা কেশ অমনি।"

"কমদোনা" ইন্সপেক্টরনা হংলকই।

কম্পলাদগী ল্যাক্স মশামক অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তনি হাইনা লাবা তোরবীবা নাপা অসিগা লোয়নবা, মাগী অঙাং ওইরিবগী স্কুল মাষ্টর হতেন পাণ্ডেয় অসিসু কাইনথবদা মতেং পাংজবা থবক তোরমই হাইরি।"

"অঃহো! ৱাকমসিদি মুংঙাইরবা ফাংবগনি।"

পেংশিনবীরকউ" উকিলনা হাইরই অদুগা মখোযনি মক প্রাপ্ত ক্রমদা যুশিল্লক্লে। উকিলনা শেথ চন্দ্রভান অদুগা মাগী মুপীদা যেঙরগা পরিচয় তাক্লমই। উকিল পুরোহিতনা হাইরকই —

"নৈনা ডকলিবদি পাংথদবা দাবিগাগী মনাক্ত করি প্রমানবু লৈবনো? মনা মহাকপু অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তনি হাইনা শাক্ষি পীবা ঙম্বা? চহি ২৮ অমসুং ৩২ গী মতম হাইবসি ওখাক্লা শাথববনি। মীওইবগী মাইথোঙ, মশাগী দাগ মখোয়গা চূংই, অদুদসু নত্তনা মখোয়গী নিংশিংবা ঙম্বগী শক্তি কাওবা যাবনা ওইমগদোরিবনা। মসিমক্তদা অসেংবা চন্দ্রভান কমানো হাইবসি থিদোকপা অরাইবা নত্তে।

"অদোমনা হাইবিরিবসু অশেংবনি। মতমসিদা থোংদা অমুক হন্না তক তক থিল্লকলে। উকিল পুরোহিতনা হোৎনং-

হৌগংনা হাইরক্কই —"শকথংদবা দাবিদার, অদুগা মাগী মতেং পাংবা শিংথংলরে।" হন্দকমুক্তি উকীলগী ভাবনা শাবরু লাক্লমত্রে মতুদী থোক্ত হেক হাংদোকপদা থোংজিন মপান্দা মী অহুম লেপলমই মখুগী মপান্দা শকথংদবা দাবীদার অহু য়াওরি। শকওং শাদাদা চন্দ্রভান গুপ্তগা মান্নবগী থূদম য়াওদে। চাউশাংলবা শাবান অহু মমল য়াম্লবা কিনা কুপশিল্লি। এশাকবাক্কী অকাওবা উকিল বাজপায়ি অস্তক্কী মতিক নোই-রমক্ত। অদুগা স্কুলগী মাষ্টর রতন পান্দেয়গী পুকনোইবা থেম্বলবা মীনি। মখোয় অতুনবা ড্রাইংরুমদা হেক চংলকপগা মকমদনা হৈরম্নশিবা মীওইশিংদা মুন্না অমুক্তং নৈতংনা য়েংশকই ইন্সপেক্টর থন্দম্না মকম অরুদা মশা মহাক অমত্তং মেজর হৈবক্তগী মরা শমশংনা মথাগদা তাক্রকই। সাক্ষিরা ভদ্র লোকশিংগী ক্ষমকম খোংকম পিরে।

উকিল বাজপাযিনা থুনমক থবকতু চংথনবা হৌরকই — "এহাক্না লেপশিনবা নিপা হাইবদি এগী মুয়াক্কিল চন্দ্রভান গুপ্তনা দাবী তৌরি মহাদি লন থুম অথদি পূর্বমাসিগী মমু ওইবগী মওং হাইবদি হৌশিক অদোমগী খুত্তা লৈবা শক্তি শিং অসি, মসি পুমেকশিংসি মহাক্কানি হাইবাদ মহাক অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্ত নত্তে হাইবাসিনি। মসিগী চয়েংনবদু সেত-নবা এহাকনা এগী মুয়াক্কিলবু মহাদ কৌজিক মশামক অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তনি হাইনা দাবি তৌরিবা নিশাসি মকমদসিদা

'রষ্টোগী' হাইবা মিংসি শিজিন্নরগে "সান্তদাস রষ্টোগী" মহাক্না হাইবদি অদোমগী অসেংবা মিংসি সান্তদাস রষ্টোগী হাইব নিনি । অদুম ওইনমক মতমদু কাওবা হাইবদি হকথেংনবা কেশ অসি লোয়শিন্দুনা অসেংবা চন্দ্রভান কমানো অমদি লম থুম মরাম অসিগী অসেংবা মপুসি থংজিনকাওব. ঐহাক্না ঐগী মুবকিলবু সান্তদাস রষ্টোগী হাইনা কৌরগে "।

"অহোয়, অদুম্না চংথবনা য়াম্না অকবা ওইগনি ।"

ইনাকখুনবা চন্দ্রভান গুপ্তগী উকিল পুরোহিতনা হাইরকই ।

"মসিগী মমাংদা মহাকদি ঐগী মুবকিলনা কন্নিঙুবা প্রধান অমতা পুথোরক্লকৈগী মমাংদা ঐনা ঐগী মুবকিল সান্তদাস কী মাইকৈদগী মসিমদি হাইজনৌ মহাদা কন্নিঙুবা ইনাকখুনবা সেথ চনন্দ্রভান গুপ্তনা বাকমসি য়ারবদি হাইবদি মহাক অ সংব চন্দ্রভান গুপ্ত নত্তে হাইবা মশাগী অয়াবা পীজরবদা ঐ· খোয়না কোত্তা চংথবগী মথৌ ওইত্রে । কেশ অসি মথক সীদা অদুমক লোইশিনবা য়াই । অদু ওইরবদা শেথ চন্দ্র ভান গুপ্ত নত্রবসীনা মপুন্সি চুপপা চহীদা লপা লৌশীং ২৪ (কুনমরি) পেন্সন পীনবগী থৌরাং লৈ । অদুম তৌরবদা সেথ সাহেব অদোমগী কন্নিঙু অয়াবা অরুবা লৈরবোই ।"

মতম অসী কাওবা অনৌবা দাবীদার রসতোগী অদুগা মাগী উকীল অমসুং মাগী ডিক্টেকতীব স্কুল মাস্তরদা সেথ চনন্দ্রভান গুপ্তগী অমতা পোচবা মচানীপা লেখীদবগী পাউ

কংগ্রি।

"অচৌবা নমথাক, মীনমবা, অসুক য়াম্না অনমকনবা দিনাদিলেরি। "সেথ চন্দ্রভান্না হাইরকই।

"খা অমদা লুপা লিশিং অমি! লুপা লিশিং অমি সিমক থা থুদিংগী ঐখোয়দগী লৌরে। অদুগা নশাগী নশত্তু ঐখোয়দা অমুক উৎলরম্ম" মিসেস কৌসল্যানা থাংবা ঙমদনা হাইরকই,

"য়েংবিয়ু। শাগৎননবা অমদি অমনা অনবু মগ্লাল শি জিন্নহনা মতম থাংহনবগী মাথৌ ওইদে। ঐখোয় মকমসিগী হকথেনবা, চুমথোক্কবা অসিদা য়ানবা পুরকপা ঙমজবদি আইনগী থোংদা চৎথনবগী থৌরাং লোইরে। মাকম অনিমক্কা মশা মশাগী কেশসি কে টিতা থাগৎপগী অধিকার লৈনবা ঙাক্কনি। মরম অসিনা ঐখোয় হৌজিক হকথেংনবা কেশ অসি মথা চৎথমা করগনি। লোইনন্না ঐগী মুবকিলদা হাইজরি মদুদি মহাক্কা মাগী কেশকী থাকমশিংদু থাজবশিবা য়ারগনি।

মশাগী কংকমদগী কৌগৎলগা মিষ্টর রসতোগী চৌকিগী মনিংদা লেপ্লগা মপুং অনিমক চৌকিদা থম্নহনা হাইরকই—

"ঐ চন্দ্রভান গুপ্তনি। ঐনা মসি হাইবা ঙমই মহুদি ঐহাক্কী চহি ১৫ শুরকপদা মতমদু য়াম্না ঙাওশিন্নবা অমদি তকিং তাকিংবা অঙাং ওইরমই। ঐগী ইরমগীদমক য়ুমগী মীনাই কয়া অরাবা তাথিবা য়াওদবা নত্তে। ঐবু পোকপা

নবলকিশোরগী মুপী অতোনবাগী মচানি ঐহাক। ইবা লৈখিত্রে। অদুম্না খোঁদোক রাখোক কয়াদা ইচেম্না চেম-রবদা ঐবু পোকপা ইপানা ঐহাকপু আফ্রিকাদা লৈবা খুবা অমগী মনাক্তা থানবা থৌরাং তৌখরে। মতমরুদা খুবাঙ দারুসলামদা লৈরম্মী। খোংচৎতুগা তান চান্না ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী স্কুল মাষ্টর রতন পান্দেয়স্তু দারুসলাম চংলমই। মহাক্না খোংবু ওইনবা থৌরাং লৌখংখি ইপানা। মরম অসিনা ঐহাক্না মাগা চংনিরে।

"জহাজদা নৈনিতালদগী লাকপা সন্তদাস রসতোগী কৌবা নিপা অমগা ঐগা থেংনখি। মহাক্কী মথক্তা দারু-সলামদা চংলমই। মকমতুদা মাগী মশা মসা সার্কস তৌ-দুনা লৈরিবদুগী মনাক্ত।

রস্তোগীগী মামাস্তু গ্রান্দ সার্কসকী অকবা এংক্রেস অমানি। অহল ওইশিল্লকুনা মশা লুমথরকপদা যাম্না লায়বা মখলগী সার্কস কাওবা উৎপদা অরাবা ওইরক্তে। অদুম্না সার্কস তৌদুনা মাগী চাকশংগী থবক চংশিনবা হুম্নকুদা কনা কনা দগীনো; শেল থুম থরা খোমজিল্লগা রসতোগীবু মহাক্কী মাম্মাগী মনাক্তা থরমই। দারুসলাম চংগা নহাক্না সার্কসকী জগৎতা খোংদারকই। মোংকী বারদ মোতোর সাইকল খোবনচিংবা অতক অতকপা সার্কসকী থৌওং কয়াগী মহৈ তমললমই। রসতোগীগী অতুগুম্বা পুকনিং চিংশিন্নৌনাই ওইবা

বাকমশিংদু তাবদা ঐহাক খোইয়াংলমই। ঐখোয় অনিনা মতাংসিদা নুংঙাইরবা ফাগী অমা তৌনরমই। পুমনো নোবা মওংগী ফাগী অমা। মদুগী ফাগীদু ঐখোয় অনি ইশা ইশাগী মীৎসী ওন্থোক্লবনি। ঐনা সান্তাদাস রসতোগী অদুগা নংনা চন্দ্রভান গুপ্ত সান্তাদাস রসতোগীনা চন্দ্রভান গুপ্ত অহুগা চন্দ্রভান গুপ্তনা সন্তদাস রসতোগী। রসতোগী সাহেব। ঐগী বাসি হাইবদি অনৌবা ফাগীসি নহাক্না য়াম্না পাম্জখিবদাই নংনা। অহানবদা 'মং ওন্থোক্লবগী বাকমসি করিমত্তা কানবা লৈরোই' হাইনা হাইখিবদাই। অদুবু বাকমসি অসেংবা ওইনা চংথনরক্লবদি নংনা মনুং মমু দা কন্না হোংনখিবদাই। বাহে থুদাংগী ফিং ওন্থোক্লবগী বাকমসী পল্লদুনা নহাক্না কন্না শাওখীবদাই। অদুবু অরোইবদদী মদুগী ফল থবা নহাক্না উরম্বা তাইদনা।"

"নহাক করিগুম্বা মওগী বারী অম তাহল্লীব্রা ?" সেথ চনদ্রভাননা হাইরকই। মহাক্কী বাহু তাকবা তৌদনা অনৌবা চনদ্রভান গুপ্তগী হান্না দাবী তৌরবীবা নিপাসিংনা হাইরকই ঐখোয় অনিনা মীৎ ওন্থোকনবগী বারেপতু লৌনরে। ঐনা মচৌন্দা ঐখোয় খুমগী মরমদা সুগায়না তাকলমই মওদি কনানা ঐগী কার ওইবা খুমদা করম করম্বা মিনাই লৈবা পুম্নমক্কা মওংনা করম করম তৌবা। করম্বা পোঙ্গা ঐগী করম মরী লৈনবা ঐখোয় ইরাম্বা অহন অনদি ইনাওনা

করম তৌবা; অসিনি। অসিদম্ভ নত্তন। ঐগী দায়রি অমা লৈরমই মত্তম্ভ ঐনা মগোন্দা উংলমই। ঐখোয়না ইশা ইশাগী পোৎচ লোইনমকম্ভ ওন্থোকনরই মতুদি শেংলিবা কি রোগ কাওবা। অত্তুগী হেক মতুংদা নোংমা ঐখোয়গী জহাজ মঙ্গ অমদা থেংজিন্দ্রনা লুপথরকলবদা, নহাক নিংশিংলিনি জহাজ পূল্লগনি হাইনা এলাংম শিরক্লকাওবদা ঐখোয়না করিমতা নুংশা থিথিদবহ। নত্রনে ?"

"নহাক তসেংনমক ঙাওথংশক্লেদনা অরোইবদদি"

সেখ চন্দ্রভান গুপ্তনা হাইরকই। অনৌবা দাবীদারনা মশাগী রাকমত্থ মথা চংথরকখি—জহাজগী ইঞ্জিন লেপখ্রে। যাত্রি-শিং হা হা কার লাওনরে। মুপী ওইবীশিং পাখংতুনা কপ-থংনরক্লে। মাইকৈ মরিমক্তা "থরায় কনবীয়ু" থরায় কন-বীয়ু হাইবা খোম্থাংনা পুমনিল নীনখরে। মপাঙ্গল কনবা হাংবুনা হান্না হি মচা থাদোক্তুনা মথরায় হিংনখরবত্থগী মরক্ত য়াওহৌনবা অত্তক য়াম্বা মীযামত্থ মথুম মরাং হৌনরক্লে। নহাক না ঐঙোন্দা য়াকমসি হাইখি, মাষ্টর রত্তন পান্দেয় সমুদ্রদা চোংথখরে অহুগা অহুম লুপথরে হাইনা। তাক্লক্তুদা নহাক্লা রাকমসি ঐঙোন্দা হাইরক্লিবত্থগী অর্থ ঐহাক্লা খংবগী য়াংমদনি। মরমদি মতমত্থ ঐহাক চহি পংয়াম য়ামদ্রি, অত্থম অক ফত্ত খোইদোকপা খনথবা ঙমথিদে। ঐনা ইশাগী খুদোপ অমদি মক্ত ওইবা চে চাং পুম্নমকম্ভ ওন্থোকনখি। ঙাইহাকী হেক

মতুং ঐখোয়না য়াম্না য়ান হোৎনবুনা হি মচা অমমমদা তোংন ববা মতম অহুমদি ঐনা সান্তাদাস রসতোপী অমগা নহাক্কা চন্দ্রভান গুপ্ত ওইনরে অমসুং ঐখোয়গী হি মচাশিংথু তোর্ব্বান হেক য়োবা নহাক্কা ঐবু হাৎননবা হোৎনখিবনি। অদুবু ঐহাক মকমসিদা নহাকপু মহুগী দান্দ পিগে অমদি মরাল শিবা লাকপা নত্তে। লোইননা চহি ২৮, অমদি ৩২ গী মতমসি শংদবা নত্তে। লাইবক ফত্তুনা ঐহাকনা য়াকমসি হৌজিক ফাওবা নিংশংবা ঙমজবনি।"

"ফরে নংগী য়ারীসী মগু ওইনা থোকলবত্ত ফন সুংঙাইরি। অদুদা নহাক ঐহাকপু অসে বা চনদ্রভান গুপ্ত নত্তে হাই-বদি অসেংবা প্রমানছু পুথোকপিবক্লো। অহানবদা নংহাক ঐগী য়ারীসি মপুং ফান অমুক্তা তাবিথো। ঐনা অদোনগী ম.য়াগী মনাক য়োরগা সাকসকী সাগরদা লেপ পৌ থুম্বা ইরোইবা তমজরে। মদুগী শাকলবা সাগর অত্তু ঐঙোন্দা ফন বু চূনজখি। ইরোইজবদুদা খুদোংথিবা লৈবগী মতিক মুং-ঙাইবগী চাংস্থু লৈতবা নত্তে। মদুগী থয়া লৈরগা ঐহাক কী পুন্সিগী ফিরেপ অমা হোৎদোকচখি। হৈনজখরবা শিন-ফমছু থাদোক্লবদা অনৌবা সংসার অত্তদা ঐহাক মপুং ফানা য়াথিদবা নত্তে। মতাংছু মকম ঐদা সুগাইনা পনজররোই। মিষ্টর রষ্টোগী অদোমনা থুরাগী মনাক্তা লৈখরবা মতুং ইকুই কুইদনা দারুসলামদা তমথিরবা কোলেরা থোক

লকতুনা মী লিশিং লিশিং-গী থরায় মাংলখি। অহংগুম্না তন খিরবা লাইচং অচুম্বা ঐগী খুরা ইম্ফাল অমদি অঙাং মুপীশিং য়াওনা নোঙ্গাখি। মতুংদগী নংহাকনা খুরাগী চাও-রবা কারবারগী অমত্তা ওাইরবা মপু ওইখিবা নত্রা। মকম ওদা অদোমনা য়ম কৈ পানশিল্লে অকুপা ওসিদগী চহি মরিগী মেক মমাংদা দারুসলাম থাদোকক্লুলা নৎকনা চংখিবনি চংখিবগী মওংতু, মাগ্নি; নংহাকনা অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্ত শারগা চংখিবা ঐনা আফ্রিকাদা ইশাগী তোঙবা পুন্সিবু মতৌ অম্না খামজিনজবগা লোইননা পেনজখি মদুদি অঙা ওইরিবগী চেকশিনহৌদ্রব। মিকুপতুনা পুরকখি। মহাক ত রবা পুন্সিগী লৈকম লৈজ্রবা সমাক্সিনবা পিরাংগী ইশাক্ত ইরোইদনা

অহুম মমিথংদা মোংমা সন্ধ্যাগী মী চীক্লবা মতমদা নিংওমদবনা কাহংলবা থম্মৈ য়ুসিগী মচি অমদগী কাওগ-শকখি। মসেন মরাংবা মঙালগী মরিক অমত' মচুদী যুমদা হন্দুনা পারোন পুরোল্লগী লৈরকলবা লন থুমগী দাবী তৌক্কম থোকদ্রা? মঙা তরানিদৌ বাহং অসিনা তাইব পালসি নিন বমথৈ খোঙ্গাং রৈখি। মহুগী মতু ইম্না চ ামক ঐহ'কনা নমাংদা লেপ্লগা ইশামক অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তনা ওাইনা চাওখোকনা হাইজরিবসিনী। ঐগী পৈজারবা অমত ওাইরব প্রমানসিনা ঐহাকপু অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্ত নি হ ইব সি তাকপা ওমগদৌরীব। অহুগা হৌজিক মহ ঐগী স্কুল মাষ্টর রতন

পান্দেগী মনাক্তা লৈরি। মিষ্টর রসভোগী অদোমনা নিং-শিংবিরমগনি মহুদি অগাজদা শ্রীরতন পান্দেয়না ঐখোয় অনিগী খুংশাগী খুদম লৌখিদনা।?"

"হোয়, মহুমক্তি ঐহাক নিংশিংলি।,

"করে হৌজিক অদোমনা মসি হায়বিবা ঙমত্রা মহুদি শ্রীরতন পান্দেয়না অদোমগী খুংশাগী মমি করি লোংশক্তা লৌখিবগে?" "মিংশেলগী slide দা লৌখীবনী।" হায়রকই

"হোয় ঐনা মি সেলগী slide তা খুংশাশিংগী খুদম লৌখি।" স্কুল মাষ্টর রতন পান্দেয়না হায়রকই।

স্মান্তাদাস রসভোগী, মহুদি মশামক চন্দ্রভান গুপ্তনি হাইনা দাবী তৌররিবা নিপাচু খংপ্রেক খংবগা লোয়ননা পাখংনা লাউরকই "নহিং। নত্তে নত্তে; অদোমনা ঐখোয় অনিগী খুংশাগী মমি থম্বোগ্রাকতা লৌখিবনী। অদোম কাউবীরমাল্লে। মহু পিকতক তৌবা লাইরিক মচা অমনি। মতমঙুদদি লাইরিকতু মীনা যাম্না পাম্নবনি। অদোমগী থম্বো গ্রাফ লাইরিকতুদা মীওই কয়ামুক্তা খুংশাশিংগী মমি য়াওখরবনি। মহু ঐগী ইমা ইপাগী খুংকী মমিস্তু....।"

"হোয় হোয় পীক্তক তৌবা লাইরিকতু হৌজিক মু ঐগী ইনাক্তা লৈরি।, ঐহাক মতম পুম্নমক্তা মহুগা লোয়ননা লৈজে।

সেথ চন্দ্রভান য়াম্না খোয়াংবা মতৌ মমায়দা কাওরকই,

অদুগা লাংতকননা দ্রাবি্রুমদা লৈহুনা অনুক্রুং য়েংলমলগা অনৌবা দাবীদারগী ময়ায়দা লেংদবা মিৎয়েং থমলহুনা হায়রকই।—

"অদোম, নশাগী সা'কসকী পুন্সিগী মতু সিদা মিত্রঙগী পাদ'া অমুক চিংথরেদনা অয়োইবদাদি। হৌজিক নহাক সা'কসকী অফবা এক্তর অদুগা জ্যোতিষ্ট অমগুম উরম্বুদগী অকাওবা জাতুগর ওইনমূক চোংথোবক্লেনে।"

"ঐ ওইনিংবা অমা ওইজসনু অদুবু অসে বনী ঐহাক্না য়ায়া চাওথোক্লা হায়বা ভমই মতুদি ঐহাক অসেংবা চন্দ্র ভান গুপ্তমকনি।

ঐহাকনা খনবদদি ঐখোয় কায়দবা ছিরমদা নৈনববুদি অশেংবা রাকমসিদা পুক্নীং চঙশিনবমা ফগনি।" সেথ চন্দ্র ভান গুপ্তগী উকিলনা হাইরকই।,

"হোয় সান্তদাস রসতোগী অমসুং চন্দ্রভান গুপ্ত অনি গী খুংশা মমি লৌবা তাবনি। মতু লৌবিয়ো" শকথংদবা দাবিদারগী উকিল বাজপায়িনা হাইরকই।

মেজর বলবন্ত হৌবদগী হৌনা অনৌবা দাবীদারগী থাজনিংঙাই ওইব্রবা য়ায়ীশংসি তাকুনা লৈরি।

"মসিগী থমবোগ্রাফ অসদা, মখোয়নিগী খুংশশিংগী নিশান লৌবা তারে; মরমদি ঐহাক হৌজিক নিংশিংলক্লে। মতুদি ঐনা মখোয়গী ওইথংবা মথুং খুংশাশিংগী মমি লৌ-

খিবনি। মসি হায়রগা স্কুল মাষ্টর রতন পান্দেয়না "পোকেত্তগী রুমাল লৌথোক্লগা অনৌবা দাবীদারদা পিরক্লনা হায়রকই। রুমাল অসি বেঙ্গোলিন্দা লুপলুক্লবনি। মসিদা নংগী ওইথংবা নখুৎতু তৈথোক্লগা সেথ চন্দ্রভান্দা অমুক পিবিখো।" মসিগী হেক মথংদা রতন পান্দেয়না পোকেত্তগী থমবোগ্রাফ লাইবিক পুথোরকতুনা মনাক্তা থমলে অহুগা ইঙ্ক পেদস্থ পুথোরকলে। মথং মথং মখোয় অনিমক্ত মশাগী খুৎশাশিংদু ইঙ্ক পেদতা তক্লগা থমব্রোগ্রাফকী চিদাই অমমমদা খুদম; মখি লৈরে। অডুগা মশামক হৌগৎতুনা চুমথ্রিং ময়ামদা লৈত্তুনা অমুক্তং যেংলগা হায়রকই।

"মরুপ মপাংশিং! হৌজিক মিনিত কুনমরি মখাদি ঐখোন্দা মতম পিবিধু।"

"খুৎশাশিংগী মখি চানবরা য়েংবদা অদোম্না মিনিত ২৪।২৫ চংহনগদোরিবা?" ইন্সপেক্টরনা হংলকই।

"করম্নি মসিদগী তানা চংগদোরি" রতন পান্দেয়না হাইরকই।

সেথ চন্দ্রভান্না রতন পান্দেয়বু চিক্লবা কা অমদা চংহনখিরমই। অতে লৈহৌবা মীশিংত্তুনা হোলদা চংনখরে। কা মমুংদা হেক চংবগা রতন পান্দেয়না থোঙ মনুঙলোমদগী লোনশিল্লে। অহুগা চংশিনখিত্তুনা মেজগী হেক তুংদা লৈরিবা চৌকিদা ফমথখরগা থমবোগ্রাফ লাইরিকতু পুথোকতুনা মমাং

দা থমলে। মতুগী হেক মতুংদা পোকেন্তগী আইগ্লাস পু-থোকন্তুনা খুংশাশিংগী থুদমতু চেক তৌরমই।

হোলগী মীশিংন্থু মিনিত তরামুক ঙাইরবগী তুংদা হোন-দগী থোককম বক্সলাগী লেন্দা থুংলরে। কোরিদোরদগীদা চুমথ্রিং মাংদা লৈকোল লৈরি লৈকোন্দুগী মমুংদা ম্মুইমিং পোল লৈ। পুম্ব্রিন্থুগী অকোইবদা তনান তনাল্লবা কানশিং লৈরি। মেজর অদুগা ইন্সংগক্তুর থন্দন ফাল অমদা ফমন্থুনা মসি ঙাংনরি মদুদি খুংশাশিং অহুগী কার ফগ লাক-দগে য়েংবা তারেদনা।

সেথ চন্দ্রভান মহাক্তা উকিল পুরোহিতকা লোইননা পুম্প্রগী অতোপপা নাকল অমদা বারী শাতনা লৈ। শক থংদবা দাবীদার অদুগা মাগী উকিল পুম্ব্রিগী থাপ্লপপা কাচিন অমদা ফমদুনা বারী শারই। অতিয়াদা থার-বা লৈচিন অম পাইশিল্লক্লুনা থংহোদনা মমশিল্লক্লে। পুম্বিগী নাকল অমদদা য়াংলবা শিংনাংনা থম্না হোই।

লৈরিবা মীশিংন্থু পুম্মক অমত্তা ওইনা কনানম্থু ইন-শিল্লুবা য়াওদনা থোঙনাও অহুদা পুক্লাং থিংজিল্লমই; মন্থু-দি স্কুল মাসতর রতন পান্দেয়না খুংশাশিংগী মমি চেক তৌ-রীবন্থুদা। মেজর বলবন্ত কুপ্বা অস্তুক ম্রাম্বা চাউরবা নিপা সিগী থম্পোয়রদাফাওবা থোঙনাও অহুদা চেপথহনা অমুক্তুং য়েংবা পামলকখী। সেথ চন্দ্রাভান গুপ্তগী উকিল পুরোহিতনা

ফান্দা কম্না কয়া ওইখোকপা যাবা রাখলগী মচু কল্লামুক মংলমক্ত। মহাক হাইকেং চকলপ অমদি, মীপাইরপ তোরকই। মতমাসদা খংহৌদনা ঙাপা হেক মতুংমক্তদা শিংনাং মরক্তা শোং শোং লাউবা, পোং অমন, ঈ.শ.দা জব জব ৱৈবগী, অহ পা পোং অমন, ইশিংদা তাবগী হৌরপ তোগা মখোল অমা তারকখি। উাকল পুরোহিতনা মচিনবান্দা চুপলিবা চুকপ মত্তেকতু হুন্দোকপ্রগা খো উপ মরি কিশিল্লে। হৌগৎলগা নাপ শিনাংশিংহুগী মতুংলোংদা চংশিনখ্রে। য়াম্না থুনা মহাক শং হন্দোরকই অহগা রারী শাক্তুনা লৈরিবা মীয়ামগী মনাক্তা চেনশিনখরে। ইন্সপেক্টর থন্দন অমগং মেজরনা মহাকপু লমবীদা ফারগা হংলকই। —"অদোমনা অসুক পাখংনা চেনবারিবাস কৈদোরবগে ?"

"অদোম য়াম্না থুনা, থুনমক লাকপীযু। মহাকপু পুখ্রি দগী চীংশংপদা তে বাংবীযু মহাক পুখ্রিদা মমাক্ত উপশিন্ন তারি অহুগা ঐনা খনবদি হৌজিক ফাওবা মহাক শিনমখিরোই"

"কনা মিষ্টর রতন পান্দেযরা ?" ইন্সপেক্তরনা হংলকই।

"রতন পান্দেয।" অদোমনা হাইবারিবহু করিনো ? হৌ-পুখ্রিদদি সেথ চন্দ্রভান গুপ্ত উপ্না ভাজনা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা মহাক হিংলবা য়ারী।" "মহু হেক শাবদা মেজর পুখ্রি তম্না চেনশিনখরে। শিংনাংশিংহু নাকপ অমদা খরা ইন্তোক্লগা পুখ্রিগী মপাল য়োৎরে। তোর্ববান্দগী গজমুক

খাপনা ইশিংদা সেথ চন্দ্রভান গুপ্তা তাহনা লৈ। সেথ চন্দ্রভান কনানা হাংথিৎবনো ? মেজর হৌজিক থনবা হৌরকই। ইথং থংহৌদনা ঘতনাস কমদৌনা থোকপ্রিবনো ? করিগুদা বঙ্গলী কোরিদরদা কপ্পাগুম্বা লোং থোংতুনা লৈরম্বা ওইরমগদ্রা ? অরোইবদদি সেথ চন্দ্রভানবু ডাইহাক্কং গা ওইনা উবা ফংখিদে। অঙ্গা অহুগুম্বা তেনগ্রবা ডাইহাক্কী মিকুপতুদা মাগী মপুনসিগী থৌদাং লোইশিনখরেদনা মাগুম্ব৭। রাকম অমগী খুদোং চাবদি লৌখরেদনা মীঅয়াম্বগী পুক্কিং ফুপ মাষ্টর রতন পান্দেয়দা থম্নরমই মচুদি খুংশাশিংগী ফল করি লাকদগে হাইবসিনী। অসিগুম্বা মীশিংগী চঙরবা মওংসিগী খুদোংচাবহু গোরগা সেপ চনদ্রভান গুপ্তবু হাংথরে। হৌজিক্কি মশাবু নৈত্রবনিনা ককফম লৈবরোইদবা য়াম্বা ফজং থোক অমা পুশিল্লক্লুনা অপৌবা নিপাসিমক অসেংবা চনদ্রভান গুপ্তনি হাইনা হন্না হন্না প্রমান পিরক্লনি।

ইনসপেক্তর, উকিল পুরোহিত, অনৌবা দাবিদার অমদি উকিল বাজপায়িম্ব মফমদুদা থংলরে। ইনসপেক্তর না সেথ চনদ্রভান গুপ্তবু ঈাগংদগী চিংথাংপদা মেজর বল বস্তুকী মতেং পাংখী। চন্দ্রভানগী ডকশম ককথংলমলে।

ঐহাক্না থনবদদী ১নী আত্মঘাত তৌজখিবনা মাল্লি। মহাক চন্দ্রভান গুপ্ত ওইরমলরোই। মহাককী রাখন্দা অমুম্বা

খল্লম্বা য়ারি, মহৃদি মস্থুক কুইরবা সিফাওবদা মাষ্টর রতন পান্দেয়গী মনাক্তা থম্বোগ্রাক লাইব্রিচ পেকন খোক্রে, মহাক্দি মদংলমললনি হাইব'সন্নী। অহুবু থম্বোগ্রাক লাইব্রিকতু মাষ্টর রতন পান্দেযগী মনাক্তা চেকশিন্না পৈখি হাইবাস হেক থং বদা মহাক পাথংলমললনি। অতৌগী মথক্তা হৌজিক মপাগী খুংশাশিংগী মমি চান্নহন্দূনা করম্বনা অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্ত নো হাইবাস তাক্লদোরী। মতমসিদা মহাক্লা য়াম্না হেক কিং কিখিবদি, খুংশাশিংগী মমিহুনা করিঙুমবা অনৌবা দাবী-দারগী মাইকৈদা অফবা কনত্থ লাকপ। তারবনি, কনাম্তা গী মমাংদম্ম মাই উংপা ঙমগদবা লৈত্রে। মরম অসিদগী মহাক্লা suicide তৌজহনা শিজথরে। অরোইবদদি মসিনত্থম ফরে চাউনা ইকাইবা নংবদগীদী কল্লেদনা।" উকিল বাক্স পারিনা মশাগী মত ফোংদোকই।

মেজরনা উকিলগী রাক্ত তাকুবা তৌনবা পুখ্রি মপাল-গী লৈমাইথক অদুদা করিনোমদি য়ামনা নুম্না য়েংলি। লৈরাইগী লৈরাকতুদা সেথ চন্দ্রভানগী খোউপকী খোঙ্গুল গা লোয়ন লোয়নমা অহুঙুমবা লৈতম য়াম্নবা শিং নানবা খুদোমদো, মযেক শেংনা তারি, মহাক্দি মহাক্লা সেথ রামা-নাথ কোশ্যালগী বঙ্গলাদা বঙ্গলাদা মচানিপা উমাশঙ্কর কোশালগী ড্রাইংরুমদা অহুগা নিরাগী অশিবা হকচাং মনাক্তা অমুকত্থ লৌবুক্তা থৌথহনা লৈরবা মিসেস দিফেনিগী কারগী

অকোইবদো তাহৌবা থেংনরকপা মেজর হৌজিক চন্দ্ররক্লে। সিংনানবা খুদমদসিবু হৌজিক চন্দ্ররক্লে। মতুদি মসিগী সিংনানবা খুদমসিবু লাইরনে ? মসিবু করি পোংকি খুদম-নো লৈমাইদগী অপুক লুথনা নমথবসু ডংলিবা। মসিনা করিগুমবা পোংগুম ওইরমবা তারবদি য়ামদবা মশা অমু যোন মঙাদগী তাদনা লুপলমগনি। মরমদি মন মঙামুক্তা লুমবা পোংশক অমনা লৈমাইদা থমবদা অপুক য়ামনা নম-থরোই অমুবু অককনবা মরাক মথুং লাইরবা শিং নানবা খুদম অসিগী মথক্তা থমবদগী লৈমাইসিদা অঙকপা খুদম অমা ওইনা নমথরি।

হন্দক মহাক্না খেংনরকপা কেশ খুদিংমক্তা হাইবদি অশিবা মশাগিংগী মনাক্তা, অসিগুমবা শিংনানবা খুদমসি লৈরমবগী ডদেশ্যা মহাক থংবা ডংলমদে। মতম অসি ক্দা মহাকনা কম্নাগুমবগী খোংথাং মপোল তারক্লে। মিসেস কৌসল্যা তপনা তপনা মাইগে অসোমদা লাক্লি। মহাক হয়, কিথি কিরুম তৌনা তথক তথক উই। মহাকসু ময়ামগী ডাংনবদগী খাজক খাজক থংবগুম তৌরে।

ইক্লাপেক্টর থম্মন কং লৈথোরকতুনা মাগী মনাক্তা চং-ঙরে অমুগা হাইরকই " মিসেজ গুপ্তা। অদোম ডাইহাক্তুং ইমুংদা চংবিথো।"

" করিগীনো ?" অদোম ময়াম্না ঐডোন্দা করি লোৎপিরিবগে ?

"সেথজিদা মুংঙাইতবা খোঁদোক অমথক থোক্লে।"

"কয়স্বা কত্তবা খোঁদোক; .. ?" হাইবা লোইরম লোই-রক্ত্রিতৈঙদা মিসেজ কৌসল্যা তক্কিং তক্কিং শিংনাং হৌরিবা মাইহৈগে অদোমদা চেনশিনখ্রে। ময়াম পুমনমক্কা খামনা খামনা মহাক পুম্নি মপাল য়োংখবে অদুগা মপুরোইবগী অ-শিবা হকচাংঙু হেক উবদা অদুম রাম্থখ্রে। মেজর অমসুং ইন্সপেক্তরনা মহাকপু কোনখৎলগা মখুংদা পুশিনখিজুনা জান তাবরকবা হোংনরমই। থুনমক মিসেজ কৌসল্যা জান তারকই অদুগা সুৎ সুৎ কপতুনা লৈখ্রে। হৌজিক্কা মী পুমনমক হোলদা পুরপ পুম্নরে:

মতম অসিমক্তদা মাষ্টর রতন পান্দেয়স্নু কাদগী মপান থোরক্লে। মহাক থম্বোগ্রাফ বুকতুদা অমুক্কী মতিক পুক্লিংচ খ্রে। মচুদি বঙ্গালাদা চরাংনরিবত্তগী মরম মহাক্কী হৌ-জীক কাওবা থংদ্রাবনী।



# "পুরানা চাকু"

পুন্নমক্কী মিংয়েং মাষ্টর রতন পান্দেয়না ভারমই পুমন মকী হংলম্মীবা মিংয়েংছুগী অর্থনা স্বপ্নদগী রাহং অমা ক্তা ওইরমই। মত্তুদি থুংশাশীংছুগী করি ফল কংলবগে ?

মাষ্টর রতন পান্দেয়না পুমনমকপূ য়াম্না পাখংনা অমুক্তং লৈঙ্গনা য়েংলকই অদুগা হাইরকই।

"করিগীনো ? ; করি রাফমদগীনো ? মফম অসিদা করি থোকপ্রবগে ? নখোয় পুন্নমক ঐহাক তম্না মতৌ অম্নমনা য়েংলিবা করিগীনো ?" উকা পুরোহিত রাহংসিনা অদুগা রতন পান্দেয়গী থওইনবা মতৌ মানা তুনিন্না লৈংথোকপা ওমত্রবদা হাইরকই।—"সেখ চন্দ্রভান গুপ্তনা আত্মাঘাত তৌজহনা শিথরে। অদুগা ঐহাকনা খুঙ মিঙোন্না কত্তা। লমচংক্তা ঐহনবা মীওইন্না ? হাইবদি ঐহাক সেখ চন্দ্রভানা গুপ্তা নত্তবরা ?"

"ঐহাক হৌজিক থুংশাশিংগী ফল অমত ফংবা ওহৌদি য়ামত্রবদা মিনিত তরাদনি চংখিবা তাগ্রি।" পুন্নমক্কা গো-রাংবত্ত হেনগংহনদুনা হাইরকই রতন পান্দেয়ন।

মেজর হৌজিক কাওবা রাফমসি খম্নুনতা লৈতে। মত্তুদি ইখং খংহৌদনা ঘতনাসি কমদৌনা থোকপ্রিবনো ?

"করিগুম্বাদা সেথ চন্দ্রভান গুপ্তনা অসেংবা চনদ্রভান গুপ্তনা ওইরম্লবদি মহাক মশানা মশাগী মঙক ককথৎচহনা শিজ্ঞকম থোক্কে। অতগা করিগুম্বা মহাক্না অসেংবা চনদ্রভান গুপ্ত নত্রবদি কনাগুমববু মহাক হাৎপগী দরকার লৈখিবা ওই-থোক্কে। মরমদি আইম্না মখোযবু লাইনা বারকপা গুমবা মরমনা ! মসিগী মীশিসি তশেংবদি আত্মাঘাতকী অঙকপা মওং অমনি। অতগা মসিগী পান্দাসি থংবনদি মঙমদ্রে।"

"নখোয় পুম্মক ঐগাকপু অমুক ভাকপিবা তাবে। মরমদি ঐ অমুক হন্না হান্নগী থবক্তুদা চৎচবা তারে!" হাইরগা মাষ্টর রতন পান্দেয় অমুককা মযুংদা চংখরে।

মেজর বলবন্তনা ইন্সপেক্টর থন্দদা হাইরকই —' ইন্সপেক্টর সাহেব, লাকপিয়ু। অশিবা মশাসি খ মুক্তা চেকশিন্না যেং-থোকসি। "মখোয় অনি অশিবা মশা ত্যান্না লৈরিবা মকম অত্রদা চংখরে। মেজরনা ফনা কুইনা চেকশিন্না য়েংলগা ইন্সপেক্টরদা হাইরকই। — মসি আদম ঘাতকী কেশ নত্তে, হাই-বদি সেথ চনদ্রভান গুপ্তনঃ মপা নত্তে নত, হাৎচল্লন' শিথিবা নত্তে। য়েংবীয়ু, চনদ্রভান গুপ্তগী তকপমসিদা অদোমগী স্বয় হোম্নবা উ তাং হাইবদি ন্যাশং উঃতাং অসিনা অত্রন-লক হন্না কক্লম্লসে। কনাগুমবনা অহুম তৌনা মশাবু হাৎচবা ওইথোক্কে, মতৌ ন্যাশং উঃতাংবু হাজ্ঞন হুক্তিনা

অহুমলক ককপগী থোনা লৈবা। নুংশিং উতোংদা অহুমক শক্লমবগী অর্থদি, মীহাৎপনা মসি অমুক হিনগংলক্পা ঙমদনব হন্দবী থোংকম অসিদা মহাক্ল চনদ্রভান গুপত বু তশেং তশেংনা হাংলে হায়রবসি খংননবনি।"

"মহুগী থাঙ নত্রগা চুরিগী মচুদি কম্নাগুম্বনা চন্দ্রভান গুপ্ত হাংপদা শিজিম্নরম্ব সিরাইদদি লৈবা খোংপ দ উদেনা।" ইন্সপেক্টরনা হাইরকই।

"ইন্সপেক্টর সাহেব! অদোম কোন তৌদুনা অদোম গী পুলিস কর্মচারীশিংবু কৌবিয়ু, অদুগা দরকার লৈবা থবক সিদা শিজিম্নবীয়ু। শোইদনমক্ত মহুগী চুরি নত্রগা খুৎ-লাইচু কংবা য়াই।"

ইন্সপেক্টর অমসুং মেজর অমুক বক্সলাদা চংলকলে। ইন্সপেক্টর থন্দুম্না head quater দা police force তিম থাবিরকুবা কোন তৌখরে। মতমসিদা মেজর বলবন্ত মাষ্টর রতন পান্দেয়না থম্বোগ্রাফ লাইরিক চেক তৌরিবা কা অহুদা য়েংশিল্লমই। কা মনুংদু মীনা পীক থল্লি। অমেংবদি মেজর অমসুং ইন্সপেক্টরনা চন্দ্রভান গুপ্তগী অশিবা মশা চেক তৌবা চঙ্গিঙৈ মতমদুদা মাষ্টর রতন পান্দেয়না পুম্নমকপু কা মনুংদা কৌশল্লগা হাইরকখিবনী মথুদি মহাক্না মপান্দা য়াম্না লাংবা ভাদুনা ভাইহাক্তং হোলদা থোলকলিঙৈ চৈরক্তুদা লাংবা অমাদ মী লৈতবগী খুদোংচাবা লৌহুনা মহাকী থম্বো-

লাইরিক্‌ হুরানপ্রে।"

মেজর বলবন্ত অদুগা ইন্সপেক্টরনা মাষ্টর রতন পান্দেয়গী কাদা মীয়াম নৈথবগী অচ্ছকপগা লোয়ননা মরম খংবগা চংলকপদা উকিল পুরোহিতনা হাইরকই মতুদি কনাগুম্বনা রতন পান্দেয়গী থম্বোগ্রাফ লাইরিক হুরানখরে মহৃ। চহি ৩১ গী মমাংদা লৌখিবা থুংশাপিংগী মমি মাওবদো।" মতৌ অসুমনা গুরুবা প্রমান অমৎ খংহৌদনা মাংহনখরে

মসি হেক তাবদা মেজরগী মাইথোং মোমোন নোক-পনা লৈতেংলা, অদুবু মহাক্না হয়াওনা হুইষ্টল খোংবদি তৌ-খিদে। মহাক্না পুম্নমকপু খংহল্লতুনা হাইরকই "অদোম! ময়াম পুম্নমক ড্রাবিংরুমদা লাকপীয়ু।" মখোয় পুম্নমক ড্রাবিং-রুমদা চংলক্লুনা মপা মপাগী ফমফমদা ফমনখ্রবদা মেজরনা হাইবা হৌরকই —

" ঐ রাফমসি হায়দগী থল্লুবনি মতুদি সেথ চন্দ্রভান করিগুম্বদা অসেংবা চন্দ্রভান ওইরম্বা তারবদি আত্মাঘাত তৌবগা দরকার লৈতে। অদুগা মহাক অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্ত ওইরমগদবা তারবস্থু কম্নাগুম্বদা মহাক হাংপমক্লী দরকার লৈখিবা ওইথোক্কে। রাফংসিদগী মসিমদি শেংনা খংলে মতুদি মীহাংপসি মপানগী অতাপপা মীশক অমনি। মতুদি চন্দ্র ভান গুপ্ত অসেংবরা নত্রগা ওইদত্র হাইবসিগী মরমদা কবি অমতা ৰংদবা। মীহাংপসি হায়দগী শিংনাং মরকসিদা থুপ-

লৈরমগনি; মচুদি করম্বা মতমদা সেথ চন্দ্রভান গুপ্ত পুখ্রি মপাল সোমদা লাকুদগে হাইবসি ঙাইথুনা। মফমসিদা শেক থংনদবা অরুপীস্থ মথক্তা কিবগসিদা খুদোং চাবা লৌহুনা মী অমবু ইলায় লায়না হাংখরেবো। লৌস্কিক হংবা যারিবা বাহংদি মাষ্টর রতন পান্দেয়গী থম্বোগ্রাফ লাইব্রিক করিগী দমক্তা হুরানখিবনো? হুরানবা মীশক্তনা কনানো হাইব-সিদনো? অদুগা অনুক রাক্ষসিংদি ।খরা মুয়া খল্লনী'ঙাই ওই মচুদি থম্বোগ্রাফ লাইব্রিক হুরানখ্রিবসি সেথ চন্দ্রভান গুপ্ত হাংখরবদা নত্রগা শিখরবা মতুংদনী। থমবোগ্রাফ লাই-ব্রিক হুরানখিবসি মীওই অমা অনি ওইবা য়াই। মসিগী মনুংদা মীশক অমদি অনৌবা দাবিদার মিস্তর রসংতাগী ওইবা য়াই।

"ঐবো, ঐনাবু লাইব্রিকতু হুরানবা? ঐহাক ইশামকপু অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তনি হাইবগী অমতা ঙাইরবা প্রমান ওইরিবা লাইব্রিকতুবু ঐনা হুরানবা? মাষ্টর রতন পান্দেয় আফ্রিকাদগী কোইথি থিচুনা মফমসিদা চিংহুনা পুজরকলি বনি। মরমদি অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তমক্তি হাইবসিগী প্রমান পিবিনবা থম্বোগ্রাফ লাইব্রিক হুরাদুনা ঐ ইশানা ইশাবু মতিয়ামেস্ত তৌজবা ঙনলোই।" মেজর খল্লনই মচুদি করিগুমবা রস তাগীনা অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তা ওই-রমবা তারবদি, অঙম তমনা শক্তি লৈরবা দপিল উংপগা

উৎলগা মশামকন্থ অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তনি হাইনা দাবী তৌরিদৈ চৈরকসিদা অহুঙবা দলিলহ হুরানবা কৈদৌদৈদম্ব ওয়মলোই। মশিদগী করিঙমবা খরদি লাইনা খংবা ঙমলে। মহাক ঙাইহাক্তং তুমিন লৈরক্নগা মেঙ্গরনা অমুক হাইবা হৌরকই।

"অতোপপা হুরানবা অমনা খসগুমবা নিপা অমা ওইরমবা য়াই মহৃদি সেখ চনদ্রভান অসংবা চনদ্রভান নত্তে হাইবসি নৌংথিনা খংবা। অহৃগা অমকপু মহাকপু বদনামদপীম্নু কনবা পামবা। থমবোগ্রাফ লাইরিক হুবানখিবসি খংগে হায়রবদি হকথেংনবা কেশ অসি হৌরকপদপীনা সেখ চনদ্রভান শিখিবা ফাওবদা লৈরিবা মীশিংগী মথক্তা অকুপপা মি য়েং চংবা তারি। মাসতর রতন পান্দেয়না খুৎশাগী মমি চেক তৌননবা তোঙানবা কা অমদা চংখিবসি পুং মরি তাগদবা মিনিত মঙ রাংলিদৈদনি। মিনিত তরাদি ঐখোয় হোৎলগী কাদা লৈরমই হাইবদি পুং ৪ গা মিনিত ৫ ফাওবা মথংদা ঐখোয় বঙ্গশাগী লেন্দা থরক্লে। মিনিত ১০ ফাওবদি মকমক্তুদা অমুক লৈাথ। অস্তুয়া পুঙ মরিগা মিনিত ১৫ ফাওবদি ঐখোয় পুম্নমক অমনা অমবু ইউ উনবা ঙাক্তনি। পুং ৪ গা মিনিত ২২ ফাওবা হাইবদি মিনিত ৭ কী মতমসে মসিগী মযুংসিদা ময়মনা করি করি তৌখিবগে হাইবসিগী জোবান ইন্সপেক্তরনা লৌবা তরে। ইন্সপেক্তর

সাহেব ! অদোমনা মী পুন্নমককী জবান ইথংপিরো।"

ইন্সপেক্তর থুদিংমকী জবান ইথংপদা পুক্নীং চংখরে। অদুগা মেজরনা মিসেজ কৌসল্যাগী অনা শংদা চংখরে। মহাক হৌজিক কাওবা য়াম্না পাখংপগী মমি মমাইদা তারম্লে। মেজরনা মহাক্না হেক মনাক্তা কম্লগা হংলকই।

"মীসেজ কৌসল্যা। ঐহাক অদোমবু য়াম্নং অমা অনীদং হংজবা পামই। য়াম্নংসিগী অসেং অসেংবা পাউখুম পীবীগনী নীংঙ্গে। ঙসীদগী তরানীমুক্না মমাংদা কনাগী কমুং মথাদা "জাপানী পম্বাগী' থুদম লৈবমবা অদোমন থেংনবীখীবগে

"ঐগী কমুং হেক মথামক্তদা।" মীসেজনা পাউখুম পীরকই।

অযুক্তদা অদোমগী কাংখদা থুদমসী লৈখদি উবীখীদেকো হাইবদি হৌখীবা অহীংদগী থুদমত্ত কমুং মথাদা অহুম্মক লৈরক্লবা ?"

"নত্তে নত্তে ! তুমন্নীঙৈদা কাংখদা হান্না য়েংথোকপা হাইবসী ঐগী হৈনবীনি। "মসি" ইবোক অমনা ঐনা অঙাং ওইরীঙৈদা তমবীখীবনী।"

"অহিংন্তদা অদোমনা থোঙ হাংদোক্লগদী তুমবীখীদেদনা ?

"হোয়"

"কনাগুমবনা অদোমগী কাদা করীমত্তা কৌবা খোংপা তৌদনা চুমন্নীং চংবা ঙমত্রা ? হাইবদি মহুগী থোনাহু অদোম্না

মখোইদা পীবিত্র ?" মেজরনা হংলকই।,

"নত্তে! অদুগীস্থ মথক্তা কনাগুম্বনা ঐগী কাদা চং-লকপা তাররদি ঐগী ইপরোইবগী কা কাওরগা লাক্লদবনি।"

"অদোমনা জাপানী পঙখা খেংনবা অয়ুক্তা য়াহৌরক-পদা অদোমগী পুক শাওগংপগুম্বা, ইশিং খৌরাংবগুম্বগদি পোকখিবরা ?"

"নত্তে করিমত্তা পোকখিদে!"

"অদুগা মুমিদাংত্ত অদোম নহানথৈগা মান্নদবা খু:তুম অমদা য়াম্না কন্না ভুমথিবরা ?"

"হোয় মতুমক্তি অচুম্বা বানি।'

"করে অদোম য়াম্না মুন্না তাবিয়ু অদুগা নিংখিনা খল্লগা ঐগী বাকমসিগী পাউখুম পিবয়ু মতিদি হোগিবা নুমিং ১০ নিমুক্তা মমাংদা অদোমনা অদোমগী ইপুরোইবদা হাইখিবা বাহৈশিং "নংনা করিগুম্বা থবা তৌরিবহ্; মহগী কল নংগী নচাশিংগী মথক্তা তারগনি। অদুগা ঐখোয়গী মতুগী কল খরদি শোয়দনা কংকম থোকই ....।'

"হোয়; ঐনা মতোন্দা হন্না হন্না বাহৈশিংসি হাইবি রবনি। মরমদি যু য়োন্দুনা অত্তেগ্গা মী কয়াগী ইমুং মমুং কায়নবা, মাংনবা য়াওখ্রিবশিগী কপ অ.রম্বা ওই-রোই। মসিগী য়াম্না ফত্তবা মহৈ লাকনি হাইবা ঐহাক খংই। অরোইবদাদি মতুমক থোক্রগদে। ঐগী থাগুম্নবা

ইচা নিপাস্থ মাংখরে অহুগা ঙসিনা ... ।। "

"মিসেজ কৌসল্যা । অদোমগী নপুরোইবদা অদোমা হন্না হন্না হাইগ্রিবা রাহৈশিংঙ, মখে মশাং কনাগুম না অদোমগী চান্দা পুহনখিবরা নত্রগা নশামক্কা শেম শাত্নুনা হাইবিখীবরা?

মীসেজ কৌসল্যানা খংপ্রেক খংবগুম ঙকা মেজরদা মেং-খংলকই অহুগা হাইরকই "রাহৈশিংসি কনাগুমবনা হাইব-দগী ঐনা মচোন্দা হাইখীবদো নত্তে । '

" অদোমগ নচানীপা স্বরজাভান গুপ্তা য়ুমদগী কনা-গুমবাগা লোয়নন্না চংমীয়খীবরা? নত্রগা মথন্তা চংখীবরা? "নত্তে মহাক ঐঙোন্দা মাগী মরুপ মপাংশীংগা পুঙ ৬ কী শো য়েংমীয়গনি হাইরমলগা চংখীবনী । য়ুমদগীদী মথক্তা খোকখী ।

"করে অহুদা । অদোমগী নচানীপাগী মরুপ মপাং কনা কনাদো লৈবগে হাইবসী অদোম খরা হায়বীবা ঙমববা ? '
মিসেজ কৌসল্যানা নিপামচা মরি মঙাগী মমিং হাইরকই । মখোয়শিংতুগী ময়ুম লৈকয়চিংবা পুয়মক হংলগা মেজরনা মাগী নোটবুক্তা ময়েকশিংনা হাপল্লি । মমিগা মতু দা মে-জরনা ড্রাইংরুমদা চংলকপদ? ইন্সপেক্টর হৌজিক ফাওবা ময়ামগী জরান ইখৎপদা পুক্লাং চাংল। মাগী মতেং পাংবা শিকাইশিং লোক্রুমলে অহুগা মখোয় পুমনমক যতনা খোক-কমহুদা মখোয়গী থবক মথা চংথখিরমলে । মেজরদি পুমন--

মক্কী জোবান পারগা মকম,দগী খোঙ থাংদোকখিবা পামখি ।
অদুবু ইন্সপেক্টরনা ইরোই শোইবা নিশা অমগী জোবান
ইবা হোংনরিবৈদা হবিলদার অমা কা মপুদা চংলকই,
মহাক্কী মখুত্তা ছুরি অমা পাররি। হেক চংলকপগা ইন্স-
পেক্টরদা য়েংলদুনা হাইরকই। 'হজুর, ছুরিস ক'লে।"

মেজরনা মা'দা চংশিল্লগা হবিলদারদগী ছুরিহ লৌরমই।
মচু য়ামনা ফজব "পুরানা চ'কুনি" মহগী কজরবা মযাহ্ন
নত্তনা মখেক্কী নকপদস্থ তেনতক তৌবা থৌববা ময়াগী
থাং মচা অমি নপতুনা লৈরি। মচু হাইগ নবগী, হাদোক-
নবগীদমক স্ক্র অমস্থ লৈ। মেজরন উবদা ছুরিহ করি
শুম্বদস্থ শপোলগী লৈ'ওথুমদা চংপখিবা নুঙ মচা মচা
লৌথোকপগী থবকতা শিজিন্নখি। ছুরিগী কজরবা ময়াহ
ই'ঞ্চ মত্তামুক শাংই অদুগা মহুদা অমোং অকাই অমতা পক্তে।
য়াম্না তোয়না শিজিন্নবগী মওংনি। থাঙগী ময়াহ য়ামনা
থোই অদুগা মহুদা কমজিন্নব ঈনা ইতৈ তৈরি।"

'ছুরিসি নহাক্না কদাইদগী ফংলকপগে?'

"হাবুং অমদা লোৎশিন্দুনা লৈরমই সার।" মেজরনা
ছুরি অদু লৈলৈদুনা নিংথনা য়েংলী। মহুদা কমজিল্লিবা
ঈদুগী মন্নুংদা করিগুম্বা থরা উরহই। মহাক্না ইন্সপেক্টরদা
য়েংলগা —

"অদোমগী য়াথং ফংজরবদি ঐ থাংগী ময়ুসী চাম-

থোকলগা য়েংজনিংই।"

"য়েংবীয়ু কৈ কৈদোবগে।" ইন্সপেক্তরনা থুমকই। মেজর না হবিলদার অমদা ঈশিং গ্লাস অমা পুহল্লে। ঈশিংদা মশাগী রূমাল লৌথোক্লুনা লুপ্লগা থাঙগী ময়াদ শেংনা তৈথোকলে। ছুরিতুপি ময়াদনি। থাজনিংঙাই য়াওদ্রবা মওংনি। থাঙগী থোরবা ময়ামক্তদা মুপী মরিগী মমিং যামনা তক্ত তক্ত হক্তুমা ইরি।—'জুহী'। "রমোলা" 'মধু'; "মূমলা"।

মেজরনা মমিংসিংদু নিংথিনা অমুক্তং পারগা অনৌবা দাবিদার রসতোগীগী মমাহদা ঙাইহাক মুম্না লেংদুনা হাইরকখি — "অদোমনা অদোমগী পুন্সিগী বাম্বী তাহনবিবীর মতমদা মসিমক্তু হাইবীখি মহুদি চহি ১৫ রোম স্তরকপা মতম অদুবাইদা অদোম য়ামনা ঙাওশিন্নবা; হকচাং কব অদুগা মুপীশিংগা লোইচেন্নবা স্কেন্দল কয়াদা কাওরকখি হাইবদাই। থাঙগী ময়াসিদা মুপী মরিগী মমীং ইরী। মখোয়শীংসি অদোমনা অমুক্তদা মুংশিনরমবা ওইরমগনি। নত্রবে?"

"হোয় থাওসি ঐগীনী" অনৌবা দাবীদারনা ছুরাতু লৈ লৈদুনা ঙাইহাক য়েংলগ মেজরদা অমুক পীরক্লগা হাইবকখী —

"অদুবু ঐনা অদোমদা হায়না হাইজগ্রাতুনী ম দী ঐহাক অমক্তং মিষ্টর রসতোগীনা ইশা ইশাগী পোৎ চৈ পুমনমক

মিং ওম্নবগা লোয়ননা ওয়থোকপ্রবনী। ঐগী মঙ্গী থাংজুম্ব মতমঙুদগা হৌনা মহাকী মনাক্তা লৈপ্রবনি।

"চন্দ্রভান। মনাংদৈঙদা অঙ্গম্বা মমিংশিংঙ্গ ইবা থাং অমা নংগী নখুত্তা লৈবা ঐনা থেংনখি।

"চন্দ্রভান!" মাস্তর রতন পান্দেয়না অনোবা দাবিদারবু "চন্দ্রভান" হাইনা কৌবা হেক তাবদা মহাকী চিনবান মো-মোন নোকপনা লৈত্তেংলে, হাইবদি মহাক থৌদোকসিগী মরু ওইবা লাংজিন্দ্র মমাংদা উবক্লে। মহাক্তা মাস্তর রতন পান্দে-য়রোমদা মুম্বা থেংনগা থরা কন্তক্তা অরুম্বা খোংজেলদা হাইরকই "মাস্তরজি। ঙাইহাকো মমাংদা অদোম্বা হাইবিখি-বদাই মচুদি খুংগাংশিংগী মমি চানহল্লগা অমংবা চন্দ্রভান। কনানে কাইবসি থংবা ঙমগ্রে হাইনা। অঙবু হৌজিক অদোম্বা মখোম্বা "চন্দ্রভান" হাইনা কৌখি। অরোইবদা মহাকসিম্বু অনোংবা চন্দ্রভানী হাইনা হেক্তা লৌর-বগুম উইনবিয়ে।

"মেজরনা অনৌবা দাবীদারদা অমুক ওনশিল্লগা হাই-রকখি - রাকর্মাসিংগী মসিদদি লায়না থংবা ঙমলে মচুদি - অদোম্বা খুংগাগী মমি চানহল্লগা মঙ্গী কল কংলম্নি হাই-রম্নিনি॥

.মতম্নসিমক্তদা হবিলদার অমা ত্রাগিংক্রমদা চংলকই।

মহুৎশী মথুংতা শিকতক তৌবা লাইরিক অমা পাইংকলি।

হবিনদ্রনা হাইরকই "সরকার, থুংশাগী মমি কয়ামক য়াওবা লাইরিক মচাসি পুথি মপানগী লাপী মরক্তা লোংশিন্নুনা লৈরমই"

"পুরকউ, পুরকউ লাউ। লাইরিক্তু থংভন্না নিবকউ কদাই।" মেজরনা চংশিন্নুনা লাইরিকতু লৌরে।

মাস্তর রতন পান্দেয় মমিং লাউথোকতুনা লাইরিকুদা মুন্না য়েংলকই মেজরনা লাইরিকতু যক্তেক্তুনা যেংলমই। মিনিত অনি কাওবদি লাইরিকতুদা মুন্না য়েংদুনা লৈরমই থংহোদনা মহাক্না চিনবাক্না অমুক্তা থুংলবে মহুৎশী মাগী মোমোন নোকপদা অমত্তং হোনা হোনা হুইহেল থোংলক্লে। মহাক্না ময়াম পুন্নমকপু রপুং কানা অঙকপা পোকহন্নুনা মাস্তর রতন পান্দেয়দা য়েংলকই অহুগা হাইরকই

"মাস্তর সাহেব! মসিদি জালি থম্বোগ্রাফনা অসেংবা থম্বো-গ্রাফ লাইরিক্তং মসি নত্তে। চহি ২৮' (হুননিপান) অহুগা ৩২ মরাংদা রস্তোগী অমসুং চন্দ্রভান গুপ্তগী থুংশাগী মমি লৌথি-বা লাইরিকতু। অদোম্না অসেংবা লাইরিকতুদগী অদুগী জালি থম্বো-গ্রাফদা ওইনা ওন্থোকল্লিবসি করিগনো? অদোমগী অসেংবা থম্বো-গ্রাফ লাইরিকতু শোয়দনা হুরাহবানি হাইবা হায়না 'থংজিল্লা'

মাস্তর রতন পান্দেয় মমাংদা থংহোদনা লিল অমা উরবগুম অহু য়েনা কিবা ওবগ, ওইরমলোই। মেজর বলবন্তবু থাগৎপগী মিৎয়েংনা য়েংলগুনা মহাক্না থহকই সাসরদা অহুক য়াম্না থহবা ওম্বা হৈশিংবা ডিতেকটিভশু নৈরনে? হৌজিক মহাক থংলে মতু দি মেজরগী মমাংদা মহাক মিন্থা বা ওংবা ওমলয়োই।

অদোম পুলিসকী ফিংগার প্রিইন্ট এক্সপার্ট শিংবু কৌবিরো অহুগা

গা মখোয়না শেক তৌহন্লুগা লাইরিকসি য়েংহনবিরো।"

'য়াম্না ফবে। পুলিসকী একসপার্ত শিংবু কৌবা তারে। মখোইগী থাংগী মতুংইন্না ঐখোয় উকিলশিংগু থাকমসিদা অয়াবা পিবা তারে অদুগা য়ান্নবা মথাম্না সহি তৌরবা চে অদু কোথা থাগৎতুনা হনবা তাই মরমদি অসেংবা চন্দ্রভান গুপ্তগী থলানবগী লন থুম ময়ামদি মহাক্কী মমিংদা শরুক্লদবা। "উকিল পুরোহিত না হাই

লাহে পত্তর থলন্না পোলিসকী ফিংগর একসপার্ত শিংবু কৌরে। মখোয়না পুংথাই অমারোম থম্বোগ্রাফ লাইরিকতু য়াম্না চেক্ চেক তৌরবা মতুংদা অমুম্না থাম তারে মদুদি লৌরিরবা চনদ্রভান গুপ্ত অসেংবদি মাস্তদাসরনতোপীসী, অদুগা অনৌবা দাবিদার আসনা অসেংবা চনদ্রভান গুপ্তনী।" উকিল জান না মরু ওংবা চে চাং পুম্নমক থোরাং তৌবা হৌরে।

সোমদা মেজর বলবন্ত অরুগুম্বা থাকম অংমসু থন্দুনতা লৈরমই। মতোন্দা য়াম্নমক হেক গুরা থোরবা থাকমশিংগু দুগী অহুমগী মাচন্দগী থোকখিবা থাকমসিংগুনি। নিরা অমসুং মিসেজ কৌসল্যানা তুপ্পদগী চপ মাম্নবা থাহে থরা হাইথ-মতু নংনা কারগুম্বা থরা তৌরিবত্র মতুগী কল নংগী নচা-শিংগী মথক্তা য়ারগানি অদুগা ঐখোয়সু মতুগী মহে থরাদি কংদনা তোকলোই।

মিসেজ কৌসল্যাবা থাহেশিংসিগী মরু ওইবা মরমতু অমুম্না হাইথি মতুদিন মহাক্কী মপুরোইবা য়ু যোক্লি। যুদ্ধ থক্লবদগী

ইমুং লাখ লাখকী মীওই কয়া মাংনরবনি। হৌজিক হংবা য়ারিবদি নিয়ানা মাগী মপুরোইবশু য়াহৈশিংনি কয়িগী হাই-খিবনো? মহাকী মপুরোইবা হিদাক লাংথক য়োনবা মীনি। হিদাক হাইবমিনা অনাবা মীওই কয়া কয়া মশা কহনবা ঙমলিবনি। উমাসংকরগী মপৌনা য়াহৈশিং মসি হাইখিবগী মরম হৌজিক কাওবদা থবেদদি ঙমদ্রে।

নিয়া অমম্বুং কৌশল্যানা মশা মশাগী মপুরোইবদা হাইখিবা য়াহৈশিংসি চপথায়বাশিমক য়ায়া মঙ্গী লৈনবগা লোয়ননা খোৎদোকশিংগী অহানবা চয়েংনবা পাউখোং ওইনা তৌবে। খোৎদোকশিংসিগী অনিশুবা পাউ-থাংনা জাপানী পঞ্জাগী খুদমসিনী। নকলি সেখ চন্দ্রভান গুপ্তগী মীহাং সিনা অমুক খোৎদোকসিদা অহুমশুবা চয়েংনবা পাউখোংনি। মহাকপু হেক হাংথৎলসিনা খাইবগী হেক ঙাক্লিবনি।

মরমদি অসোংবা চন্দ্রভান গুপ্ত নত্তে শাইয়গী প্রধান কংপবা তুংদা আইনগী চৈরাক মশান। কু ক্লকলংবা নিপাসিমক হাং-খিবনী। নকলি চন্দ্রভানগী অশিবা মশাগী মনাক্তা লৈ-তেম মায়বা শিং ন্নানবা খুদম তারকলৌবসি করীগীনো? অদুগা হাইরিবা খুদমসিগী অর্থনা করিনো? খুদমসিনা ইঙ্গিত তৌদুনা তাকনিংলিবা বাকমসিবু করিনো?

উকিল অমনা মাগী মাপী-দে চাং পুস্তক খোরাং তৌবা লোইরবদা মথোয় পুস্তক মহুদা লৈহ তৌকদ্রে।

মেজর বলবন্ত অমসুং ইন্সপেক্টর খম্বনমু দলিলশিং সহি তৌরবদা মাসতর রতন পান্দেয় সহি তৌননবা লেপখৎ লকই। ইখং খংহৌদনা মহাকী মকলাবতু হাইকেং কয়া নিকলকই। মহুগী মহৈ ওইনা মীৎ কাওবা পাংবা ঙমশিল্লক্রে। অশেংবা চনদ্রভান গুপ্তনা মাসতরগী ফিবমতু উবদা খুদক্কা নোঙ্গুরগা মথুং অনীনা যায়া কয়া মাগী নিঙ্গলিব। মখোংশু পাইহনা কাউমই। মীনিত খরগী মতুংদা মাসতরগী অহৌবা নাইবা অনাবত্র ফরক্কনা নোমেলদা অমুক হঞ্জিল্লক্রে। মপুং কানা জ্ঞান তাররবদা মহাকপু মক্ত ওইবা দলিলশিংদা সহি তৌরে।

"অদোমগী হকচাং খংহৌদনা থংশোন শোঙ্গুরক্লিবসি কমদোনা তৌগ্রিবনো?" উকিল পুরোহিতনা হংলকই।

"ঐনা ভ রততা হেক লাকপদা মসিগী কত্রবা লাইনাসি পক্লকখিবনী। ঐহাক ঙাদগী মুংবা থ.উ চাবগী হৈনবী লৈ। অতুগা লৈবাকসিদা য়ানশিনবা থাউ য়োঙ্গি হাইবদি ভসেংনা খংলমদে। খংদবতুগী প্রায়চিত ওইনা হৌজিক্তী লাইনাসি ঐহোন্দা পকখিবনী। য়ানশিল্লবা কত্রবা থাউশু চানা চানা করিঙ্গবমদি কোক ঙাওবা মিং উরক্কবা, মথংদা কলাব চোক-থরকপা মমৈথংবা লেপপা ঙমক্তনা তুবা। খোদোকাসি ঐহোন্দদি অনৌবা মত্রবনি।"

"য়ানশিনবা" হাইবা বাকমসি হেক তাবদা মেজরগা শিংলি নাওরি পুমনমক অমুক্তদা খংহো হৌরকই। হৌজিকী

ভারত্তা খোরকলিবা হান্নশিনবসিগী মরমদা শাংলবা ভাবন অমা থূদক্ত পীথরক্লে। কনা কুইনা ভাংলুরবা ছুও, ত্তপনা ত্তপনা মাগী কনানশ্ব ইনাশঞ্জুবা যাওত্রবা ভাযন্দু লেপথরে। অমম্বুং মন্ন মদগী বিদাই লৌরগা বিনোদকী বক্সলাদা ভাইহাক পোথাক্কনবা চংথরে। মেজর বলবন্ট চংথরবদা উকিলনা ইন্স-পেক্টর থন্দনা হাইরকই—

"মেজর বলবন্ত'স কয়াদা চাওখরবা নিপানে:।

মাগী থম্মোইদা দেশকী প্রজাসিংগীদক কয়াদা খোইরাংলিবা। থাংগৎমীংভাইনি।"

"মেজর বলবন্তকী লৈবাক থুদিংগী চাওথোকচকমনী। ইন্সপেক্টরনা হাইরকখী।

মেজর হৌজিক বীনোদকী য়ুমদা চৎলিববী

চৎনা চৎনা মহাক্না থম্লীবদি—" ওস্তোকপা হাংবহুনি কয়াগুম্বা মী অমথক্তনা অস্ক চাওথরবা সযাজসিন্নু কনবা ওইথোক্তবনী। মসিংগীদমক্তা চাওরবা মপুং ফাবা থুংপু অম তঙাইফদনা লৈবদা ভারকপা।

ইথং থংহৌদনা মহাক্কী মিৎয়েংদা জাপানী পজ্ঞাগী মশেল মরাংবা থূদম মমি শামি ওইনা উরকলে। অদুদগী করী থল্লকখনো ক রহ্ ব্রোকমেকর হিরালালগী বক্সলারোমদা ঙমাই লৈথরে।



# জাপানী পঙ্খা

ব্লোকমেকর হিরালালগী দুকানদা পুলিস কোন্সতেবল অমা শক্তি তৌরি। থোংগী শো কে'ন্সতেবল অহুগী মথুন্তা লৈ। মহাকশু মেজরবু নিংথিনা শক খ'ব' ময়মনা মেজরগী য়াথং মতু'ইন্না মহাক্না থোক্তু শো হা'দোক্লে। ওসিল্লু অমুক হন্না মেজর করিগুম্বা পোংশক অমা থিবদা খোইজংথরে।

অদুবু পুং'খায়মুক হেন্না থিবা য়াবা থিরবদশু মহাক্না থিরকলিবা পোংশক অদু ফংবদি লৈত্রে। মমেথংদা নাংবা কাইবগা লোইননা মমাই লৈথোরক্লে। হৌজিক মেজরগী য়াথংদা মাগী হেক লৈজরিবা অরোনবা পোংশক অমা থিবগী বিন্য পুম্নমক শিজিন্নহনা খনথবা হোরক্লে। ইরোই লোই-বদা মহাক্কী মকোক্তা য়াথল অমা লাক্লে। চুরুট মচৈ অমা খক্তুনা ওাইহাক পোত্থারগা অমুক থিবা হোরকপদা কাগী ময়াইমক্তদা থাম্বিবা তেবলগুগী মনাক চংশিল্লক্লে। তেবল-ফুগী মথক্তা শংবান্নবা থাবা গ্লাস অমা থমলি। মেজরনা গ্লাসতু হেক থাক্ষ'লুবামক্তদা মোমোন মোকপনা মহাক্কী চিনবান

লেপ্তেংলরে। থওইনা মকম অদুদা পোংশক অদুদগীদমক্তবু অসুক য়ানা চেল্লকলিবা পোং অদু ফংলে। মহাক্না গলাস অদু তপ্না তেবলদগী থেদোক্লগা লাকন অংমরোমদা থমলে। মেজরবুগী মমাই চনকমক্তদা "জাপানী পন্থাগী" থুদম লপ-চুনা লৈরমলে। শরু—মদুগী মথাদা অমুক উগী পশিং পশিংবা নপশিল্লগা শেম্বা পোংশক, অদুবু মদুগী মমাইদুদা জাপানী পন্থাগী মমাইগা মান্নবা পোং অদো। মেজরনা জাপানী পওথাগী থুদম অদু হিরালালগী ব্লোক শাকম তে-বল মথক্তা অসুম্মক লৈহনলমলে। মতুদা শওলিবা কোক্তেবল দা থোওহ্ শো লোনশিল্লবা য়াথং পিরম্লগা শেখ রামানাথ কোশালগী বক্সদা গাম্নী মমাই লৈশিনখরে।

শেখ রামানাথ কোশালগী বক্সদা উমাসংকরগী অশিবা হকচাংহু হৌজিক কাওবা চেকশিন্না থম্লিবনি অমদি মদুগী পোষ্ট মোর্তেমসু তৌখরে।

মেজরনা রামানাথকী মনাক্তা চংশিনগা হংলকই—"ঐহাক অদোমগী লৈখিত্রবা ইচাম্বুপাগী কাম্নু অমুক্তগা হন্না য়েংজবা প্রামই। "

মেথনা মেজরবু মচাগী কা ওইরিবা বক্সলাগী শরক্তদা পুখরে। মকম অদুদা মেজর জাপানী পওথাগী থুদম খিনন-বগী লাকলিবনি। মহাক্না বাকমনি মমেক শেংনা থংবা ওমলে মদুদি নকলি চনদ্রভানগী মযুমদা মিসেজ কৌসল্যানা লৈরিবা

কাহুগী ফমুং মথাদা জাপানী পঙথাগী খদম কংখি। মহুনা মরম ওইহুনা রাকনসিমত্তু ওইথোকপা মাই মহুদি নিরাগী ফমুং মথাদ? জাপানী পঙথগা খুদম লৈরম্মা।

জাপানী পঙথাগী খুংনা। অতুম ওইনমক নিরাগী ফমুং মথাদা নত্রগা জাগা অমত্তদ? কংবা গুবদ্রে। অদুমকপু উমাশঙ্কর কোশালগী ফমুং মথাদা লেংলুবদদা মেজর গুকপশা খম থেলে। এরুংদি মকম খাদা খাইদগী মরেক শেংশবা ফজ ফজরবা জাপানী পঙথাগী খুদম অনি ফমুংগী খুদা লুথুমদা নপতুনা লৈরমই। মেজরগী মাইদা হৌজিক থুং-লরে মাগী মোখোন নোকপিদো অহুগা হোনা হোনা হুইস্কুল খোংলকলে। মহাক উমাগী মপাবু থাগংলমগা এভোন্দাই বি-দাই লৌরকলে অহুগা বিনোদগী বঙ্গলাগা মাইংকদা পাবি-মমাই লৈরে।

বিনোদ, অমিতা অমস্তুং মেজরগী মরুপ পুম্নমক মহাক লাকপা ভাইনরমই। মেজরন্তু গুসি সুমিংচুপপসিমা কোইচেন চেনবদা মশাক্ত তুপ তারবনি। মরম অসিনা মহাক্না অহান-বদা Wishky গী চাওরপ তোবা পেগ অমা নারমই। অনি-তানা মহাক্নাদমক হুইসকীগী পেগ শেমাগ্রংঙদা মেজরনা পুম্নমকপু সেথ চন্দ্রভান গুপ্তগী মযুমদা থোকখিবা ফত্তবা ঘতনা অদুগী মরমদা শন্দোক্লা তাহল্লকই।

হুইসকীগী মাউম অমা নিংথিনা চিংশিল্লগা মেজরনা

হাইবা হৌরকই "মসিগী মীহাং অসি থাজবগী বা মদা লেব। চাউরবা "কথোকপা" অমনি য়াম্না চাং লেম্না কংথোকপা মীহাং॥

"অদোমগী" কথোকপা মীহাংসিদা যাওরিবা মকুওইবা উদ্দেশ্য সি করিনো" ? বিনোদনা হংলকই।

"কথোকপা মীহাংসিগী মরু ওইবা উদ্দেশ্যদি অমম্না থাজবা য়াই মতুংদি কম্মাগুম্বা মপুং ফারবা খুংপু অমনা মমুং তানা শিন্দোক্লম্না থৌরাং অমাদি পাপ পুন্যগী মরমদস্তু ংগাইনা নৈনরবা মতুংদা চ-থরকপা থবর্নি। অদুগা অমক মরুওইনা হাইনিংলিবা বাকমনা মী হাংলিবা কাংলুসিনা প্রধান ওইবা পানলিবদি শিরবা মীগী মরাননা মপোং ফারদুনা শিজবনি হাইবদি মীগু হাপ্পী মবাল মপোকনা পুকম থোক্তে হাইবসিনি। অদুবু অরোইবদদি মীহাং মীপুকগী কেস পুম্নমক্কী মতুংদা মথোযনা থম্মলিবা খুদমদি ফাওব ফাওরবা জাসূসি কয়া অমদি পুলিস কর্মচারীশিংবু মকোক মমৈ থংহন্দবমখৈ অরানবা লম্বীদা লমাজিংবা ওম্বা খুদম তাক্লি। বাকম অসি হাইনা হাইন অসুম লুশিন্দু-কপগুম বাথন্দা ফাওরকলিবসি মেজর থোইদোকনা মহাক মশা ফাওবা থজবা ওমহৌদ্রে। খুদক্তা বাকম অমা থংনিংশিংলকুনা হৌগংলে অদুগা তেলিকোন পাইথকুনা নকলি চন্দ্রভান গুপ্তগী বঙ্গলাগী নম্বর থিরে।

"হলো ! ইন্সপেক্তর থন্দুল নৌজিক ফাওব, মকমহুদা লৈখিরিব্রা" অসোমদগী মাস্তর রতন পান্দোয়না ফোন পাইরকই।

"ইন্সপেক্তর থন্দনদি মাগী মথো পোই মহুনা খোং - লোইশিংগা পোইননা হনগ্রে।"

"অদুগা অদোম অমদি মিস্টর চন্দ্রভান অ.গ.বা যুম অ.দা হোংজিনবিরব্রা ?"

"নত্তে হো জিনদ্রে। ঐখোয় হয়েং ওইনা হাংজিংগনি। মিসেজ কৌশল্যানা চহি কয়ামুক অতুম্বা শেল মীহোবা নমথাক তৌবদা লৈরবা নিপা অমগী মতম্ভা ফেন্নুরে। মহুগীদমক মথাক হাইনি ঙাই লৈতন মুংঙাইতবা কোংদোকখ্রে। অতুম ঐখোয়না হোজক মঙোন্দা য়াম্মা সেন্না খংহনলে মহুদি মথাক যুম অসিগী যুমবুরেমবী ওইনা অতুম্মক লৈগনি। হাই-বদি লৈগদবনি।

"অদোমগী মযাম্বা মসিমক য়াম্মা নিংথিনা তৌবরেদনা অতু ওইরবদি! অদুগা মিস্টর চন্দ্রভান গুপ্তমক অ.চা অশাংগী মচা মঙানি। মঙোন্দদী অসিগুম্বা দথা মথাগী থোওসিমক কৈন্ন লৈতবনি।" মসি হায়রগা মহাক্না ফোন থাদোকপে অদুগা অমুক ইন্সপেক্তর থন্দনগী Police Quater দা Ring তৌরমই। অদোমদগী কম্পাউন্দ্ ফোনি পাইথংলকুবদা মহাক্না

"হলো ইন্সপেক্টর থন্দন"

"হো হো মেজর সাহেব, অদোম। করিগুম্বা অনৌবা থৌদোক্কী পাওগদি নাত্তেকো।

"অহোয় নত্তে। মেজরনা নোক্লুনা হাইরকই" অদোমদা ঐহাক য়াম্না থরদং হংজবা পামই মতুদি ব্রোকমেকর হি হিরালাল হাংলম্বা নিপা। পাথংহুগী Post Mortem তৌখ্রবা।

"অহোয় মহুগী পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট লৌরক্লে অদু হৌজিক ফাওবা ঐহাক পাদ্রি।"

ঐহাক অদোমবু ঙাইজখিগে। অদোম রিপোর্ট অদু পাবিরো দুগা হাইবীরকউ মহুদি পাথং করিগুম্বা মখলগী অনাবা যাগদি নাত্তকো? "মহুগী অনাবহুনা যাওইবু তপনা তপনা অসিবগী থয়াংতা চীংশিল্লকপা ঙমবা।"

মিনিত অমাগী মতুংদা অতোপ্পা মাইকৈদগী ইন্সপেক্টর থন্দন্না হাইরকই।

"মেজর সহেব। অদোমদা অশেংবা জ্যোতিষনি। পুলিস ডাক্তরনা রিপোর্টসিদা মযেক শেংনা ইরম্লি মহুদি লৈথিদ্রবা পাথংসি য়াক্লবা Strychnine গী চাংনা তখাই অমা পুম্নাং মাংলবনি। পুলিস ডেক্তরনা লৈথিদ্রব পাথংগী মশাদা Strychnine মহু লৈরগী মরমহু সুগাইনা হাইরকলি।"

"মদু পবীরকউ ঙসি।"

ডাক্তরনা হাই ত্রকাদশি মুমিংতা মীয়ামনা চরা হেৎনৈ অছুগা মছুদা হৈকক্কী যামনা শেমবা তল চাংনৈ। হৌখিবা একাদশিদা strychnine ※গী চাং য়ামনা তন্দু। যাম্নলে হাইবা বা বা লাওনখি। অঙুনবা মীশিংগু হাইবদি একা-দশিদা চরা হেন্লগা হৈকক্কী তন চানখিবশিংদো মখোয়গী মশাদা তম্মাই অমদি পুমশেক শোকহনখি। লৈখিদ্রবা পাখংসিস্থ ময়ামগুগী মনুংদা মীশক অমনি।

"ও: হো।" ঐ বাকমসি খংনিংলমবনি।"

লৈখিদ্রবা পাখংসনা অঙুনমবা মথলগী ঋষাব' অমা পল্লমবসি অদোমগী মিৎয়েংদা করিগুমবা থরা উবিরব্রা ?"

"ঐ হন্দক্কী মীহাং ফিশিসীগী ঙ্কদংগা পুন্নমক লৈনবগা শোয়নবা মখোযশীংছুগী অর্থস্থ খনুনবা তোংনরিবনী।" মসি হায়রগা মেজরনা রিসেভর ক্রেডিলদা থমগ্রে। অতুগা তেবলতুদা খুৎতুমনা কয়া থারগা হায়রকই —"করি নোনে ভারতাসবু পীকপদগী ফিকলবা কৈনু নেতব' পোং যাওবদা অসেংবা থাদোরক্রে। পোং খুদিংমক্তা য়ানশিন্নবা মিকচর। যামদা ফাওবা মিকচর। মিকচর নওবা পোংসিনু লৈরিবরনে? থা অনিমুক্কী মমাংদস্থ পুনাদগী পাউ ফংঙ মছুদী মন্দিরদা য়েনবা প্রশাদি ওইনা শিজিন্ননা মাথাইদ করি করীনো য়ানশিন্নলহনা ভগবানগী মনাই ভক্ত চামরা হুমজ্রানীথোই (৪৭২) অকনবা লৈনানা নাতুনা শীথী। ঐখায়

※ য়ামনা নয়াইকাবা চাংহেল্লগা মীশি য়াবা। হীদাক, মথল অমা

লৈবাক্তসীবু কমদৌরবনো ? হৌরমসীদা সরকারনা করিমত্তা য়েংশিনবিদ্রীরসিনা করিগীনো ? মতৌ অদুম্না মী কয়া কয়া শিবসিবু ঐখোয়গী সরকারগী অপাম্বা ওইরবরা ? হাইবদি মীশিং হেনগংলকপসি থিংননবা লাইরবা মরাল লৈজদবা নুপী অঙাং কয়াশিং অদুম্না শিহল্লিবরা ? মসিমক্তি হাই-নিংঙাই লৈতনা মীনুংশি পক্লবগী থৃদম নে। অদুগা তশেংনা মক মীহাৎপা স সননি হাইবদস্ত থোইনা লানদে।

মালতী, সুধির, ডোরা অমস্তুং সোনিয়া ফনা কুইরবনি মেজরগী থোওংসিং য়েংঙনা লৈরক্লিবা মতৃদি করিগুম্ব ভারত কী লৈমাইসিদা য়ানশিন্নবা, পোংয়ানগী কেশ অমা হেক থোকলকপগা মহাক তপথবা লৈতনা কেশ অদু থিগংনবা হোংনবা অমদি মদুবু নৈনবদা য়ুম থাদোক্তনা মোংমা নিনিস্ম মাংথি। মোংমদি সোনিয়ানা ফাগাওই করিগুইস্ম হংগ্রবদি মদুদি পোংযানগী করিগুম্বা কেশ অমতা মেজরদি নাম্ন্থকপা লৈতেদনা ? কৈস্ম নত্তবদা মেজরনা অৱাবা থাংবিবদো ঐখোয় কয়া মুংঙাংলদে। মদুদা মেজরনা করি পাউথুম পিখিবগে থংত্রা ! মহাক্না হাইখিদো মদুদি মহাকী মপুন্সি সীমক মরাল লৈররা মীওইশিংগী অঙকপা অকিবা থোওং কয়াসিংদুগা ইতোং তোংশিন্নখিবদা নত্তনা মখোয়শিংদু থিংন নবা হোংনবনা মহাকী পুন্সি অসিমকী তাইনফমনী। অদুবু অসিমুক কিনিংঙাই ওইবব, মহোশাগা মান্নম্রবা মরাল শৈরবা

কাংবুশিংসীগী অকিবা পোক্লবা যৌওংসিংসিবু কমানা খিংলুবা
ওমগদৌরিবগে ? মতুদি ঐখোয়গী সরকার অসিনা কাওবা
থওইবিদ্রবা হিরমসে ।

whisky থক্লা থক্লা চাক চারবদা মখোইগী কাংবুদো কনা থেংদোকপ্রে । অহিংগী পুং তরা মথাই তাখিরমই । মখোয় পয়মক লুম্লবা কৈজুশকী মাইকৈদা মপুক্লীং থম্লরবা ঙাক্লনি । মরম অসিনা থোইদোকপা হাইনরুবা নৈতনা ফুক ফুক হৌগৎনরকলে । অহুবু থংহৌদনা মুত্তি পানবা বিঘব মেজরগী মাংদা ফাওরক্লে, মতুদা তেলিফোনগী রিং খীংলক্লে য়াক্লা য়াক্লা । মেজরনা রেসীভর ক্রেদীলদগী থাংগৎতুনা হাইরকই "হলো, মেজর বলবন্ত দাস সাহব।" "মেজর সাহেব" অসোমদগী ইন্সপেক্তর থন্দম্লা হাইরকই—"অদোম তুমধীয়ম-দ্রীবা । য়াম্না নুংঙাইজরে । ঐহাক হৌজীক অদোমগী ইলা-কাদা লাকচরি ।"

'করিগীনো ? করিবু তৌবা য়াওরবগে ইনসপেক্তর সাহেব ? অদোম্না ঐখোয়গী ইলাকাদা লাকপিগনি হাইববু "মেজরনা হংই ।

"মিসেজ চুদলেনা ঐঙোন্দা ফোন তৌরকই মতুদি মিষ্টর শেলদন অহুগা মিষ্টর চুদলে পুক্লপ ফমমিন্নদুনা য়ু থক-মিন্নরমই অহুবু মখোয় অনিমক মশা মশাগী চৌকিদগী ওনথরকখি, অহুগা লোয়ননা থুদক্তুদা মখোয়গী দম লোইপ্রে ।

"ওহো, মসিদি অর্থিদি মখোয়গী যুহদা চু য়াওবেদনা অতোদি।" মেজরনা হাইখী।

শাংমকপু ওইনম্বা য়াই। অদুবু মিসেস চুদশেখনা হাই বান মহাককী থাজবা জমা লৈজে।

"মতু করিনো? মহাক্না করী হাইরকপগে?"

"মখোয় অনীগা যুদা যী শাব য়াবা হাইদাক হাংচিল্লকপনী হাইবদী মাস মারদর কেশনী হাইব।"

"মরদর কেশ" খঙদোকনা মেজরগী চৌদগা পোকাখ

'মিসেজ চুদশেখনা অহাংপা। অদুগা য়াম্না অপোনবা রকম অমগা হাইবা। মদী মীসেজ ডেকানীনা মিসেজ চুদশেখবু "হিপনোটাইজ" তৌশিন্দুনা থাদনমচ।'

"মীসেজ ডেকেনীনা অদোম্বা হাইবীরবনী করিগে? মিসেজ ডোকনিদি নহাকপগী কনাগুম্বা খংবনি। অদুগা মহাক্না মফম অদুদা করবনো।"

"মহাককী শেঙনবনি নিপা অমা গাড়ি হাকার। মতুদি মহাককী মশাগী ফিরাকরা চেনা লাকখি অদুগা মশা পুমনমক চোংশোক চোংবা কিনা কুপচিন্নি।"

"ওহো, করে অচৌ ওইরবদি হোটেলক অদোম শেং- বিংকনো, অদুগা এহাক অদোমবু ঙাইজবগে।" মসি হায়গা মিসিজুর গ্রামদগী থান্নই। অদুগা মহাক খনবা চে, কথা। নহাকপী মশাগী মিসেজ ডেকেনা ওইরম্লগে।

ফেংখিনৈ লেকসুনবা কনাকপু খুদী, অমা লোয়নবা, অই-
বঙ্গলিংঅঙ্গী মাগী ওকশুগী হিক অমা থাবা নিংঙ্গেই।
অঙ্গা অকনবা অমুক মিসেম অনৌবগা কীপনোতাইদ তৌ-
দবিকনা নাইবনি। ইংলেন। তোংখেনা, লীরবীরা ফোংলবীবা
ফেতনবা অতোইবা কেলোংঙ্গা, থৈরবগী মানী, অরুপ
মতাংগী অমদী মতোম অমসুং অনৌবাগী খুদীং ওয়াই।
মাংলেম চেংবা দা লেকপগ তৌবা খুদী অমগা মরী। হিক
অমা থাবা, শীগাঙ্গা মাংলেম, খুদোংদা কীপনোতাইদা তৌগনি-
দবই হাইবদী খেক তাবদা অনৌবা লাখলে হাইরকই
ইম : মখোয় হোৎনা কাওবা নৈগনীবোইদে। অদু
ওইরবদী ঐগী থুংগা থাবগ লোইখ্রে।"

"হোয়, থৎ অকুপ মানী" হায়রকদা হায়রকই। ওইংলাক
তংদী মকমগু অচৌবগী লাইনা থাবসই। অদুগা মখোয় হেক
মথংদা ইংলেংগী থবক অমদী মাগী মখল, সুখবা পুনীস
তোয় খুংলে। মেকী অমসুং সুখীয়, ইংলেংগনী অমগা
কাখংলে অকুপা মালতী তোয় অমসুং পোনাগন্দা অনৌবাদু
চেকশিন্না তাক লেংবা হাইরগা ক্রেকোই লপু পুংবা
চংলে।

মিসেম মসেং খোউগী লোয়নবগু মথং থৎ লোয়-
শিনখ্রবা খৌমিক কাওবা নৈরবই। অদু মত্তম হেকি
থুংবা থাগী মরাক হিকপা থাবা হিক্রে। মহাক থাবা

বারেবা মী অমা উথিরদো, মতুমক খাংবা অমদি চিরিংখাই ওইবা মাইথোং মগী কৎথজ্জরগদ্বু উথিখি। অদুগা চৌখিক মরক্তা থাম্বা কি'ববদি মিসেক্ত, চেক্তদি অদুগা অমাংবা নিপাদুনা থূদাকপু ইথাই লাইবা পোকহল্লবা ওবই।

ইন্সপেক্তর থম্বা খোংদা লোক তেমথই:—

“মিসেস তুমলে! ঐহাক ইন্সপেক্তর থম্বী। অদোম না চৌথিজকদা ঐহোবা কোন তোরকখিবদো।” পুলিসকী মীওইশিংগী মখোল, অমদি খাজাবতুনা মশক থংলক্ত মি-সেস তুমাল খোং হংদোরকই। মেজর, সুধীর, ইন্সপেক্তর অদুগা মক্তওইবা পুলিস কর্মচারী অতৈসু কা মনুংদা চং-লকলে। অদুক চাওবা যুমজাওসু খোইদোক হেন্নোকপা তুমকাগী থাক্কবা মনম অমনা নাতোক্পা হুওরে:—

“মখোয় কদাইদা লৈ?” হ “ইন্সপেক্তরনা হংলকই। মিসেস তুমলেনা থেংথরবা নাকনগী কাথোমদা খ হক্তকই। মহাক্ত খাংদ্রক-নি অমস্তু মহুদগীনি থাক্কবা তুইসকীগী মনম অমা তাই-দোরক্লবনি মেজর খাইংকমদা চংলক্লগা অনিবা মপানিংতু কুপন থেংনিনবা হোৎথে। পেনদন মপাগী চৌকিগী থেং-লোমদা অদুগা তুমলেনা মপামী চৌকিগী ওইথোকদা মপা লেকথজনা লৈরি। মখোইনীমককী মরাদগী ঈ ওথিরগী মচিন্দা পুমথেক তৈরী। পুলিস ডাক্তরনা অনিবা মপানিংতু উরগা “অজুমনা হাইবকাখ' এ: মসীদি হু থকখিবগী লৈংলবা কেপনী।”

মেজর 'হৌজিক থাইরোকপদগী থোক্কুম্না মিসেজ তুমলেগী যুমগী, কা খুম্নাংবক চেকশিনা 'খংশিন্নবই'। যুম অমগী কা অমদা টুকা চঙবা পোক্নবা কয়ামুক লুহাওবা লেংনখি। মৌত্তলিংগী পোৎ চৈ অমুগা মথম মথংগী মেসেনস, কোক শেমনবা, অমুক্কি মরু লৌনবা যরু। কোক অমসুং মাশিংঙকনা পারেং মচুদা থারুবা মনমগী মমল থারিখি কা অমুদা পুম যাম থাম্নরগা থারুবা মনম অমা লাক্লিরবদা মিসেজ তুমলেগী কোকতা অমা থাকি। কোকটোক চেক ঊবদ' মেজরগী চৌনবাদা থ্রুলরে মাগী মোমোন কোকপদো। ২লাক ফামবা থ্রুনা মিসেজ তুমলেনা চৌকিদা কয়াগ যুমগী শিলিংমা মিৎয়েং থম্লীবমুগী মনাক চংশিনখে। মতমতুদা মিসেজ তুমলে অরাবা অমদি অকিবগী হিতেনী। মেজর মহাককী মনাক নকনা কমলরে। ইনস্পেক্টর থম্মনা চংলকুনা মথোয়গী মনা ক্লা কম্লরে। 'অমুগা মরকশিদ মেজরনা মীসেজদা হংলকই

"মীসেজ তুমলে! অদোমগী নপুরোইবা করম্বদা দীসচেনলবা (মরাইকাবা মহৌ শুংলীবা মকম) অমদা থবক তৌরম্ব?"

"হোয় নরাবগনদা ডিসচেনলবীদা তৌরমই।"

"মকম অমুদা মহাক চেনখিরব? পেক তৌরগদবা হাইবদী শাল তৌরগদবা মুচু অসেংবা নত্রগা লেংদত্রা হৌরবা চেক তৌবা?"

অইহাক্কী অশিংবা অমুখই । মৌগিক ইংলেণ্ডকী ... মরমদা ... মেজরদি মিসেজ গুপ্তেনা অশিংবা মরমদা হাইবা মতোঙ্গী তোঙ্গা অমসু রাজুশিং অমা ... হায়রে অমগা অরকপা ... থাবা । মতোঙ্গ দৈথি । ... মহৌসদা মিসেজ গুপ্তেগী মিতম করম্বা ... অহিংবগী অসিরুক মেজরগী ঠৈ শিংনবা চমথোক্লে অমদি ।

"মিসেজ গুপ্তে ! অদোমনা রাজধানী হাইফংবা অমদা ? মথুকি অদোমগী নীপানা কামগী থবক থাজোক্তবনিদাস করিগীনো?" মিসেজ গুপ্তে মেজরগী মাহৈ মতম অমদা পুংশং শংনিংঙাবোহৈ নিংহৈ লৈকাইগী মৌশিংদা ইচম চমনা মখুম মখুমগী অমদি মপুরোইবগী শেল থোকপা থোক্তবা মাংনচিংবা হিকাই রারোশিথক, অসম মপুরোইবা শিংগনা অমা অনাগী ইমাক্তা তাবা মতমসিদা মেজরনা মরোমদা হংনকপা হৈদি, মহাক পাউখুম পীনা ঙম্মিদ্রে । অদুগা মেজরনা মখা চংখরকই

"মিসেজ গুপ্তে, অদোমগী মপুরোইবা থাবা খুদোং মিশিংঙাই ওইবা থবক তৌদ্রবা অমসুং মীরাং মতুংদা পাংথ-নরবা কার্যগী থবক থাজোকলে । করিনা হায়রিবসে লাংথ-রবে ?" ইথুং মঙুংগী অমদা অসিংঙ্গবা, থাকপ অসিগু ভাবক পুক্ষঙ্গা শংবংনবা চাওবা ওইনবা ... খল্লা থংনিংবনো হাইরমিদা মিসেজ গুপ্তে অকপা লোকনই

"জপানগী পঙথা মানবা খুদম।" ও ঃ হো খুদম অদুগী করি অর্থবু লৈবগে ? ওসি নির্পাল্লিমুক স্বরে মসলাগী মে-য়েল মথাদা অহুঙবা খুদমতু থেংনখি। মতুদা ঐনী মচু মসলাগী কোমপেনী না শেমবা মখোয়গী রেত মাকনী খল্লুই।"

মসি হেক তাবদা মেজর তপথদনা অহুঙবা কা অদুদা চংখরে মতুদি অঙকপা মথলগী পোং অমা থেংনৈ হাইরিবদো মসলাগী বেরেলগী মনিংদা তসে' তসেং নপ্‌তুনা লৈরি, অহুঙবা জাপানী পঙথা মানবা খুদম। অহুকমতু অমুক মী-হাৎপা কাংবুসিগী অশিবগী বাত্তোন অদো। মেজরগী চীন-বান্দা থুংলরে মাগী মোমোন নোকপদো লোয়ননা ইন্সপেক্তর অমদি মিসজ ডুডলে কমলিবা কা অদুদা অমুক চংলক্লে। মিসেজ ডুডলেগী মমাংমতুদা কয়গা মেজরনা হংলকই —

অদোমগী নপুরোইবনা অসেংবা লিক্লিদা নকলি য়ু হ য়গ। Sealতে রস্বর কনাগীদমক তৌরমগা থবক তোকখিবনো ? অদুগা মহাক্না থবক তৌবিরমলিবা নিপা। অদুদগীম্তু কৈনো-মাদ থংনিংঙাই লৈরি ! হায়বসু মহাক্না কনাগীদমক অসলি লিক্লিদা নকলিগী য়ু হানবিরম্বগে "?

ইন্সপেক্তরদী মখোংনা নেৎলবা লৈমায়দু অতিয়াদা কাপ্পবোই নিংলে। অঙকপা জাহুগরনি মেজরসিমক।

মহাক্না কয়াদা কিনিংঙাই ওইরবা অরোনবা রাকমসি লাইনা মকা কোংদোয়কপা ওমগ্রিবনো। মহাকী বুদ্ধীগী লানবা

ঐলেত্তে হাইবনি মহাক হায়রা ত্তাংঙ্গ্রে অদুবু খতমজুমদি থোইনা শুক্রুমখে । ঙসিদি মহাক মেজরগী মমাংদা কয়া কয়া ঐলে-কংদা লাই লৌরবগুম তোরে ।

"হৌজিক্তী মখোয়শু ঐত্তরবনিনা ঐহাক য়াহং অমিগী পাউখুম পিজররোই ।" মিসেজ ডুডলেনা হাইরকই ।

"অদোম তত্তাইকননা ঐগী পাওখুম পিবিগনবনী । করিগুম্বা মীহাং মীশিগী মথং মনাও নাইবা লংজিন্দা কনা-গুম্বনা করিগুম্বা খরা লোংলবদি মতু মরাল ঐলবনি । মরম অসিনা অদোমবু কাখিবশু ওইথোকপ. য়াই ।"

"হাইবিয়ু! অদোমগী নপুবোইবা কনাগীদমক্তা নকলি য়ুসি বোত্তালং তৌরম্বগে, অদোমগী য়ুমসিদদি মথল মথলগী খালি লিক্ল ঐরগী । অদুবু মখোয় শিংসিনা লেবেলদি য়ায়রা তক্ত তক্তনা উবি ।"

"মখোয় সেথ চন্দ্রভান গুপ্তগী দুকানগীদমক্তা নকলি য়ুসি অসেবা লিক্লীদ বোত্তালং তৌরমই ।" মিসেজ ডুডলে-গী য়াহু হেক তাবদা মেজর খিক্কা: চক্রুবগুম তৌখি । ত্তাই হাক ভুমিল ঐক্করগা ' সেথ চন্দ্রভান গুপ্তগী দুকানদি মসিগীদমক্তা মমিং চংলিবনি মহাদি মহা চী দুকানগী য়ু লিক্লিসিদা বেবা বেরি ক্লরিমত ঐলত্তে হাইনা । "

"মহু পুম্মকতু য়ায়রা চাউবা নমথাক ত্তাক্তানি । পুমমক্তগা ইছেন হেয়া নকলি লিকব মহাক্তী দুকান্দা থোক্লি ! মহাক্তা

ইন্সপেক্তরশিংবু অচৌ অচৌবা শেনকম পিতুনা থম্লীবনি। মাগী ছুকান্দগী চেকলাকপা মতমদা মকমশিদগী থাখিবা য়ু পিকথল্লা লৈরম্লীবনী। অদুবু মহাক্না চাওবা শেনকম লাংক্রিবা ইন্সপেক্তরশিংদুদা পিখ্রগা মখোয়গী মচিন মেল্লিবনি। ইন্সপেক্তরশিংনা হৌজিক্কী মাতি কেকেত পিরম্লনি মতুংদি সেথকী -কান্নদি লিক্লী ১ ফাওবা কত্তবা য়ু থেংনদ্রে। সেথনা মাগী মাম ইন্সুরেন্স অচৌ অচৌবা শেনকমনা কনবা তমজরমক্তি অমগা অমুক শেনকমশিং অদু কদাইদা কদাইদগীনো অমুক লাকনা তানবা ওম্লমই। "মিসেজনা হাইরকখি। মরকসিদা ইন্সপেক্তরনা "নকলি সেথ চন্দ্রভানগী অমোংপা রায়গী লেমহৌবা অমোংপা রাম্নীশিংসা মকমনিদা অদুক থেংনরেদনা হৌভীক্কী। নকলি চন্দ্রভানগী মীশিংঃ মিসটর ডুডলেগী মিসীসীগা য়াম্না মরী লৈনরম্পা মম্ভু উরকলী। অদুবু মসীগী জাপান পন্থাগী অঙকপসীবু করীনোনে?"

" য়াসিগী অঙাকপা খুদমসীমক কেশ অসিগী খুইদগী চাওবা অরোনবনী। মেজরন হাইরক্তি অদুগা মহাক মিসেজ ডুডলেদা ১ মুক :-

"মিসেজ ডুডলে! তমি পুং ৩ চপচানা তাবদা মীস্তর ডুডলে, কদাইদা লৈরমই? হাইবদো মহাক য়ুমদা লৈরম্বরা?"

"নঙ্গে পুং ৩ তাবদি মহাক কদাইদনো য়ুমগা থোকদি।

অহুগা পুং ৭ চপচানা তারকপগী অহুদা মিসটর শেগদনগা লোয়ননা লাকখিয়রী।"

"মিসটর শেলদন হুখিং খুদিংগী সন্ধ্যাগা মকমদিদা হিদাক থক্লত্রা?" মেজরনা হংই। "হোক্ব! ঐগী ইপুরো-ইবনা আসেংবা অকবা যু লিক্লাদগী শেগ হৈরহনা মহুদা অকবা মথলগী মসগা য়াশিল্লগা শেম্বা যুহু মাগী মক্লপ-শিদা হেক হেক পীথকই।

"ও: হো! মীসটর শেগদন অহুগা মীস্তর ডুডলে য়ামনা লুনা তীয়বা মক্বপনীদনা অহু ওইরবদী।" "হোয়! ঐনা খংবা ওমই, মহুদী ঐগী ইপুরোইবনা হাইবু হাইরবদী মিস্তর শেলদন মথয়াই কাওবা মাংজখিবা ওমগনী।"

"করে, মাস তাকপীরো মিসেজ ডুডলে। অদোমগী নপুরোইবনা লুংদাংবাইরমগী পুং ৭ তাবদা মিস্তর শেলদনগা লোয়ননা অমুক হন্নকপা মতমহুদা মখোয়নীগী মাইথেংদা অদোম্না করি উবীখীবগে হাইবদি মখোয় য়ামনা তথক তথক্লা নত্রগা পাখংপাওয়গী মওংদি উবিখিত্রা?

মিসেজ ডুডলে খংহোদনা মমাংদা লিগ নত্রগা লাইরেল অমা উররওমত্রে। কিনা কিনা মেজর তমনা অমুক্কং য়েং-লম্লগা য়ামনা তপ্না হাইরকই "হোয মখোয় অনিগী মমাইদা য়ামনা মিপাইবা, কিবগী মওং অমদি ঐনা উখি।

হেক লাকপগা অহুম যু থাকপা হৌরবনি।' মখোয়নিমক

কনাগুম্বা অনবু ঙাইহৌরিবগুম উই। মরমদি তুমিন তুমিন মখোয়না শানরীবা রারীচুদগী থংবা ঙমখি।"

"মিনেজ ডুডলে। অদোম থংবীরব্রা ? মচুদি ঙসোগী পুং মরীগা মিনিত তরামঙাদগী পুং ৪গা মিনিত কুনমঙা ফাওবগী মনুংদা সেথ চন্দ্রভান গুপ্তবু কম্নাগুম্বনা হাংল্লে। করি-গুম্বদা মরুপঅনিন্থ শেথপু হাংলম্নগা লাকপা ওইরমলোইদ্রা ?"

"শেথ গুপ্তবু হাংল্লে হায়বা ?"

"হোয়! কম্নাম্বুম্বনা মশামকী চুরীনা মঙক ককলগা মহাকপু হাংলমলে।

"অদুবু মখোয়শীনা "সেথ চন্দ্রভানগী মরমদ খোই-দোকপা রারীদী শাথীদেনা। মখোয় কনাগুম্বী গুপা অমবু ঙাইবনী। মিস্তর ডুডলেনা মিস্তর শেলদন্দা হাইখিববু ইনাক খুনবা কাংবুসিগী মীহৌচাওবসিদি পঙথৈ নৈতে।" মতম-চুদা লিক্লিদগী যুদ্ধ শরুক ৩গী অনিদী হাম্না থকল্লে। অদুদা ইপুরোইবনা মথা চংথরকখি। "মখোয়না অমুক য়াম্না লিকচরিবসি ঐহাক পেন্দে। অচুগা করিগুম্বা কমপনিগা তানরগা য়ুলিক্লী অমদা অকবা শরুক অনি অচুগা কত্তবা শরুক ১ অমুম্না শেম্নগনী। অচুগা কম্নাগুম্বা কেমিমচ অমনা হাইরিবা চাংসদা য়ানশিনগা শেম্নবা য়ু লিক্লী ১ ঙসি ঐখোন্দা থাবকনী। মরমদি মচু থক্লগা করি কমদৌ-বগে হাইবা ঐগী মত লৌবা মহাক্না পামই অচুগা।

অ.ঙুম্বা লিক্লাইরমক স্মজি কৌবীসুপী অমনা পুরগা লাক্লনি ।"

"স্মজি কৌবী সুপীদুনা পুরকপা য়ুম্ থক্লগা মথোয়-লিগী দশা অসি ওইরব্রা নত্রা ?

"অঃহায় তেবলদা লৈরিবা ভঙখাই হেক্না থক্কোগ্রবা বু লিক্লাসি সুপীদুনা পুরকপা য়ুম্নি ।"

"করে অদোম্না স্মজি হাংবীবী সুপীসিগী মমাইগী মঙ্গ মতো খরা হাইবীব্রা ঙমব্রা ?"

"মগাক্কী মমাইদু ভেক্কেনীগা হাইকেং মাইম ! পাঁখাং খাং-দবী" খাউথাংনবা মশম ভাংলৈনবা মমিৎ অহুম্বা অঙোবা ফি-জেং ফিরোল"। মেজর কোজক নিংশাংক্লে মগদি হাইরিবা সুপীসি অনিতানা অশিবা ফিভমদা উখবীগনি । অহুম্বা অমুকম্ধু ধাতকী সুংদা কমহোবীদো। অ.দাম্ব নঙনা গঙ্গাগী ভোরবান্দা মহাকী অঙোবা চাদরনা মঙ্গোন্দা ফিপনাভাইজ তোখিবা সুপীরমক্রী। মেজর ণিসেঙ ঢুড'পগী খায়দা হেক্না পুকী লুপাশক্লকই ।

"অহুমু অদোম্না ইন্সপেক্টর থংনদা পাউমী অম্সুম্না তাক্লাক্লবদি করীগানো? মঙাদ ভেক্কোলিনা য়ায়্না খা.বা লিগা অমগা লোয়নমা অদোমবু ফিপনোভাইজ তোশিন্নমগে অদুগা অদোমবু গান মাংহন্নমগে হাইনা ? অদোমনা স্মজিগী মমিৎ-দি করিগীদমক্তা পননিশ্রীবনো ? "

"অদোম্না ঐগী বাসি লোয়না তাবিত্রী অদুগা অঙক

অঙকপা য়াহং কয়ামুক হংবীরকলি । 'সুজীদি চুইসিকীগী অনৌবা নাম্বুনাগী থম্মগা ঐগা ইপু:রাইবদা অসুঘনা হাই-রম্মগা চংথরবনী । মহাকি "অদোমনা মসি থক্কুনা চাং য়েংবী-রগা পুংবাই অমগী মতুংদা তেলিফোন্দা কৈ ফঙে মরোল তাকপিরকউ ।"

"সুজিনা তেলিফোন নম্বরগদি তাক্লমদ্রা ?"

"নঙে ! থোইদোকপা তক্লমদে । অহুমু ঐনা থনবদা ইপু.রাবনা মহা থংলম্বা তাই মহাকদি ফোন্দু নম্বর কয়াদা তোগদবনো হাইবসি । ইপুরোইবনা অনৌবা যুম্ ঐহাকস্ মহাও তংনবা কয়া হাইখিব্রনি । অহুমু লোঙ গোঙনা ঐবু হিংনা লৈবা পামথরমাগে । অদুবাং অহিং ঐহাক কা হেন্না থকখি । মহুদা ঐগী চাওথংপসি য়ামনা নুংঙাইখিদে । মহুদা অনৌবা যুম্ থকউ হাইবদা ঐহাক থকখিদে । অদুগা ঐহাক Post । য়ানা থকনা হাইদুনা হাইখি মহুক অমুক চকখবা লোয়রগা ! মরমদি ঐহাক হায়দগী হিদাক থকপা ...রবাদ মপু ইকরবা মতুংদা থকই । মথোংরনিমক অনৌ-বা যুম্ থকুনী নৈহোরি । অদুগা ঐহাক বাদরুমদা চংলগা ইকজথোক্লে । ইকথবা লোইরগা বাদরুমদগী মপান থোক্ল-কপদা উবা ফংলে মহাকদি ফক্লাংদা থানবা বলবকী মথামক্কদা লিপ্পা অমা লেপতুনা লৈবদো । মহা অশুপকী মতিক য়াংই

মহাকদি মাগী মকোক্কু সিলিংদা মথোল থোক্না খেংলি ।

মহাক্নু ঙৌংয়াক ঙৌবা ফিরোল শেৎলি । মাগী হেক মমাংদনা অঙৌবা মেকাপ শেংডুনা মিসেজ ডেফেনি লেপলি । ঐ ইমাংদা অহুক ৱাংবা নিপাত্র উবদা পুং পুং পংশিনখয়ে মহুদি চিন্দা খোজেল কাওবা খোঁক্লকউ য়াখিত্রে । মহাক্না মখুত্তা পাইরিবা করিগুম্বা পোৎশক অদু ক্রিং ক্রিং লংলি অদুগা জ্রিং জ্রিং লাউবা গুম্বা মখোল অমম্ভ খোকলক্লি । মতুগা লোয়ননা ডেক্ৰেনিনা মাগী সারিগী কিনা অমা তপ্পা তপ্পা মতো অসুমনা হাই কুমলী মহুদি মহুদগী মঙালগা মরিক মরিক পাইখোরকপগুম । হৌজিক্তী ঐহাক খুর কাওবা হোনবা ঙমশিল্লক্তে । অমম্ভুং হাই হুমলিবা সারিগী মতুং ইন্দুনা ঐগী মীৎসু অদুগা কোকস্তু হুক কক্ক লৈরমই । অহুদগী ঐহাক গ্যান অদুম তাখিত্রে । ঐনা জ্যান তারকপা মতমদা ঐগী বেদরূমগী কমুংদা হাকচাংদা ফ অমতা য়াও-দনা হিল্লমই । ঐনা ইপুরোইবদা হয়া হয়া কৌই অদুবু কনামগুনা ঐগী পাওখুম পিরক্লুবদা ফিরোল শেৎচল্লগা তুমকম কাদগী চেস্তোরক্লে অমম্ভুং ড্রাইংরুমদা চৎলুবদদা ঐহাক অমুক্তা য়াম্লরে । ঐহাক জ্যান হেক তারকপগা ইন্সপেক্তর থন্দা তেলিফোন তৌজখিবনী ।"

"অদোম নিংথিনা হাইবা ঙমাবত্রা মহুদি য়ামনা ৱাংবা নিপাগী মমাংদা ডোকনা লেপাখত্রা ? নত্রগা খুজিন্না লেপ্রিবদো।

"ঐ হৌজিক কনা নিংথিনা খনজরে। অহুম্ভ নুপীদু

ভেকেনি হাইবা ঐহাক খঙ্গে। ভেফোমন্সী ঐহাক থল্লা য়ানদবনী। মতমপুম্বদা মশাক্কী ঐবু শাওহনদা লৈবনী

"করিগীনো"? মেজরনা মরক থংলকই।

"মহাক্না য়াম্না হেক শাওরিবগী মরমদি ঐগী ইপু-রোইবনা মাগী মপুরোইববু হিদাক পীথক পীথকতুনা সন্না মাংহল্লে হাইবসিদনী। অতুগা ওয়া'দগী ভোক্কনী মাংহল্লদো। মরম অসিনা ঐগী অশাউবা হাইগন্না মহৌদি মহাক্না ঐগী অমদি মাগী মপুরোইববুসু হাৎলুমলে।"

"করে! অদোম য়াম্না রাংবা নিপাহৌগী শকওং শাদা হাইবীবা ওম্বরা ?"

"অদোম ঐগী য়ুমগী কাশিংসি য়েংবীয়ু, মসাগী শিং-লিংসী ফিত ১২ রাংলবনী। নিপাহৌশু ফিত ১২ নগী তাদনা রা'ই। মহাক্কী মকোইদু "বর্জন-কত"নী। অতুগা মশম্না মরেংজুমদা ভ্রাই ভ্রাই তারি। মহাক্কু ভিক্তোরীয়া য়ুগকী কনাগুম্বা "মাকু'ইজ" নত্রগা "বৈরোন" মাল্লি। মহাক্না মাগী কবিতা মথক্কা নাম্নবা তাই অমত্ত কি।"

"জ্রাং জৌং লাউবা মথল অমগী মখোল খোল্লিবা পোংশক অমত্তু করিগনো ?"

"ঐহাক পোত্তু নিংথিজনা উবা ফংখিদে। অদুবু মতু শিক্লগী কবিগুম্বা বোলগুম্বা পোৎ অমা মাল্লি।"

"অরাংবা নিপা অদুনা লেপখিবা মকমহৌমক্কা করিগুম্বা

থন্না য়েংজনিংই । অদোম মকমচু অমুক্তা তাকপিয়ু ।"

"লাকপিরো" মিসেজ ডেকিনিনা হৌগৎ হৌগৎনা মশাগী Skirt তু শেমজিন্নগা হাইরকই । অদুগা বাথরুমগী মমাংদা লৈবা কল্লাংহুগী মাইকৈদা থুদম পীরদুনা - "মখোয় অনিমক পালিচাগী মতাই অসিদা লেপলম্মী ।" মেজরনা মকম অদুদা চংশিন্নগা লৈমাইদা য়ুম্না য়েংলমই । মদুদা য়েং-লুবমক্তদা মেজর গুকখিবনা মশাগী মমিৎতু কত কত থপ-লকই । মকমঅদুদা সাইজ নম্বর ১২ গী খোংউপকী খো-ঙ্নন লৈরী । খোংউপকী খোঙ্নলশিংদুম্মু অমুক্তা মাল্লি মদুদি লৈমাইদা কনাগুম্বনা থুংলাইনা হন্থুনা শেম্নমবা । ইকংশেক্তর থম্মনসু মকমদুদা লাকলে । মহাক্তসু অতকপা কোংদোরকই ।

"মসিবু করি খোংউপকি খোংঙ্নলনো ? সোমদম্মু লৈ-রিনে ।" হাইরগা মহাক মপানলোমদা থোকখ্রে । ডাই-হাক লৈরগা অমুক চংলক্লুনা হাইরকই । "মপান্দম্মু অচৌ অচৌবা য়াম্না কুংপা খোংঙ্নসী য়াম্না তারিনে । কনাগুম্বনা অতকপা খোংউপ অমা তোংলগা মকমসিদা লাকখিদনা অচু-ত্তইরবদি ।" "হোয়" মেজরনা থম্না থম্না হাইরকই । ম্মাধরম্মু খোংঙ্নলশিং উরগা অতকপা পোক্লে । মহাক্না হাইরকই "মসিউবদা অম্নম্না থল্লকই মদুদি কনাগুম্বনা মিসিগী খোংউপ তোংলগা লাকখিবরা হাইবা ।"

" নংনা য়াম্না চুম্না হাইরবনি শুথির। অরাংবা নিপাচু মকমাসদা য়োংকী খোংউপ তোংলগা লাকখিবনি নত্রবদি অতৈ অতৈ খোংউপনদি গলিচা কাওদংতুনা লৈখাইদা অম্বুম্না ককথংগা ভুম্নমলোই ।

"য়োংকী খোংউপ তোংবগী অর্থবু করিনো ?"

" মসিমকী ঐখোয়না থংনবা হোংনগদৌরিবসে ।"

মেজরনা হাইরকই। " ইন্সপেক্তর সাহেব মকমাসদা ঐ'ী খবক লোইজরে। হোজাতী অদোমগী তোকন খোকপা তৌবীরগা মকমসি থাদোকপিজ্রীতৈ কোন্সতেবল অনিথক মিসেজ ডুড-লেগী ভাকশেম্নবগীদমক ' থস্বীরমউ । অদুগা অদোমগী ড্রাই ভরদা ঐখোয়বু বিনোদকী যুম কাওব থিনবিনবা খরা হাইবিয়ু ।

# "অরাংবা মুত্তি"

মেজর অমদি স্বধির পুলিসকী গারীদগী কুমথরগা থি- নোদকী বঙ্গশাদা প্লুংলে। মখোইশা কেক মৌরকপহুদা ডেোরা, মংলতি, অমস্তু সোনিরা গ্রাইংক্রমদা কমক্তুনা কোকি থক্লমই। অহুগা শোয়ননা রমি (শেখ মখল অমা) শাম্র- ছুনা অকিংচুপ্লা তুমদবমখৈ অনিতাবু শেগঙুনা লৈরমই।
মখোয় পূমনমক্না কেক গুক্লা থোকলিবদি ঙসাই মেজরনা মি- সেজ ডুডংলেগী মযুমদা থোকশ্রিবা ঘতমাগী মরমদা ইন্সপে- ক্তরদগী পাউ কেক ফংবগা অনিতাবু চেকশিন্না শেন্নবা য়াথং পিরম্মলিবসিদনি। থংদে মেজরনা ঙসি করিবু থোক্কনি হাইনা মপুক্কিংদা থল্লিবমো নহানমখৈদি ইকোম কোম্না অহিংকম্না হোথিবা ঙাক্কনি। অহুবু ঙসিথক্কগা অম্মুক চেকশিনহনথিবা মেজরগী য়াথঙ্গু মখোয়না থংবা ঙম্বগী য়াংমদনি। অহুমকপু মখোয়, মেজরগী য়াথংদি হিংক্তোকপা তৌখিদে।

মেজরনা মিসেজ ডুডলেগী মযুমদা থোকশ্রবা, অমদি

মিসেজগী বাকম পুন্নমক্তু মখোয় ময়ামদা সুপাইনা তম্লমই বাকম পুন্নমক্তু তারগা লোমিন্নানা হাইরকই। "ঐনা খনবদি মিসেজ ডুডলেন। হাইরিবা বাকমসি শোয়হৌনা হাইবদি ওইরমলোইদ্রা হাইবা ? হাইবদি মহাক্না উখিবা সুপীড়মক মিসেজ ডেকেনী ওইরমগদ্রা হাংবসিনী। মরমদা মীসেজ ডেকেনিনা মপুক্সীদা তৌহনবিংদবা ওইহন্নীংদবা খবক কয়াগী মপু ওইরক্লবদা মপুরোইবদনী মতৌক্সা। পেন্নক্তবা বাখল পেক্ল কপদগী মপুরোইববু অমদি মাগী মরূপ অহুম্সু হাংলমবমক য়ারীবনী। মসিগী বাকমসিমক্তু অচুম্বা ওইনা লৌবা য়াংরিবনী মতুদি মিসেজ ডেকেনীনা অসিগুমব নাতক অমা শাগবা মতুদী কনাগুমবনা মহাকপু ফাঙ্গ্রে হাইবা ময়ামদা উহনবা অগা মাবু ফাঙ্গীবা মীশিং অগনা অমুক তাকলী সেথ চন্দ্রভান গুপ্তগী মচাবুসু ফাংপ্রে হাইনা।"

"মসি য়ামনা চাউবা কথোকপ নীহাং অমনি। অদুগা মসিগী প্রধান অরাম্বা হাইবদী মখোয়গী থৌওং খুদিংমকসি ফণা থাজদনা হেক্তা লোব চুংলোই তৌববুদি অমত্তু অমগ ইমান মানবা ওাক্তুনি হায়বসি ঐখোয় কাওম্নোইদবনি। মেক্ষুনা হৌক্তিক মসি হায়বা লোয়বদা ওায়রি। মথা অমুক চন্দ্র কে তৌবমক্তদা নোংমৈ কাপ্নগী অদুগা মথংদা মিংশেল কাইহনা কাস্তবকপগী লোয়ননা অনিতাগী শাখত্তুনা লাউবা মখোল তাবা কংলমই।

সোনিয়া, ডোরা, ডথিরে অমদি মেজর খুদক্কা মপা মপাগী পিস্টোল জেবতগী লৌথোকতুনা পায়নরে। মেজর অনিতাগী কা তম্না চেনশিল্লকখি। মতম্না অনিতা কাদগী পাথৎতুনা মপান্দা চেনথোরকখি। মহা। লৌই-না লৌইননা অনিস্বা গুলি অমুক কাপলক্রে! "মহ মহাকতু ইংরেজ জাতিগী হুন্বা ভদ্রলোক অমনি। মহাক্কা ঐ চান্দা নোংমৈ অনিরক কাপখি। অহানবা গুলি থোংনাওগী মিংশেলদা অদুগা অনিশুবা গুলিনা শিলিংগী বাবদা পানথরে।"

"ইংরেজগী ভদ্রলোক অমা হায়বা? মেজরনা হংলকই।

"হোয় লেংবান ফাওবা জম জম তাবা শম। ফজনা ককপা কোই মতম্ম অমুক অপাবা অদুগা অপাংবা। শিলিংদগী ঐনা মহাক্কী মমাইদমব উবা ফংখি। অনিতানা হায়রকই। মসি তাবদা মেজর বঙ্গলাগী মপান্দা চেন-থোরক্রে। হুরথিরম্ব মাগী হেক মতুংদা। বিনোদম্ব তুম্বা কায়রে অমদি থতনা অদু লাকশিন্দুনা মপুক্লিংদা হেক থংজবকপগা গা।পংপা পোল্লমই। মহাকম্ব মালতি, ডোরা, অমসুং সোনিয়াগা লোয়ননা মপানদা চেনথোরক্লে। বঙ্গলাগী হেক মপানদুদা তরামরিনি পানবা থাজনা ডালি।

মেজরনা উবদা ফিত তবামুক প্লাংবা নিপা অমা থাপলপনা থোং-কাপ লাওনা লাওনা থাংল্লগা চৎলি। মহাক্কা প্যোকেৎতগী ঋিবোলভর লৌথোক্লগা অচেৎপা নিশান্দা নিপাদুগী থবাক তম্না কাপলমই। অম্মাংবা নিপাদু অমুক্তং তৈদুনা য়েংলকই। ইথং থংহোদনা ফিত তম্না বাংবা নিপাদু ফিত কৃষ্ণরাতফুক বাংথোকথেরে। মসি পুম্নমক্কী মিনিত অমগী মরিথোকপগী শরুক অমগী মতমদনি। মেজরগী গুলি বাংলবা নিপাদুগী মক্কাংদা লিৎতুনা পাইথরে। ক্রোকোদাইল জুংশিংমুক য়াংনা নিপাদুগী

মনাক তম্না চেনশিনখরে। অদুবু মেজরনা মহু মখোলদু পোক্না কোয়গ থামদুনা মনাক্তা কৌশিল্লমই। মতমসিদা, রুধির নীপাদুগী মনাক ফনা ফনা চেনশিনখ্রে। অদুগা নিপাদুগী মথৱাক তম্না মাগী হিরোজভব কাপলমই। মতম অদুমক্তদা নিপাদু খান্না বাংবা মুক্তীদু ডাই খরে! অদুবু থংহৌদনা মদু থংনেম নেমথরকদুনা ফিত মদিমখা মুক্তা তাই থরে। মতুনা মরম গুইদুনাক রুধিরগী গুলি নিপাদুগী মকোকথক্তা পাইদুনা চৎখরে। পোঙননা নিপাদুনা কাপলকপা গুলিদগী কন্নবা রুধির লৈথাদ্রদা উপনা নপশিন্দুনা লৈখরে। মতমসিমক্তদা উপাল অমগী মকুমদগী মৈথিক পাইথোরকই অদুগা গুলিদু অমা পাইশিল্লকদুনা ক্রোকোদাইলগী মমাংমক্তদা লৈমাইদা পাল্লরে। গুলিদু লৈমাইদা পোকথাইদুনা উযুল পাইখৎলকই মতুনা ছুরুগী মমিৎতা চংলববা করিনো হৌনা হৌনা চৈনাখোল খাংনা খাংলকই। মেজর উ অংগী মনাক নকনা চোংশিল্লে রুনি অনি উ মকুমদগী অমুক্তদা কাপলকই। অদুবু মেজর গুলিশিং অদুদগী মশা কন্ন নবগী মতিকচাবা মীসাইল লৈজরিবনি। জিমনাসটিকী উপাইশিনক নোংমৈ গুলিদগী কন্নবা থৱাইদগী ফরবা উপাইনি। মেজর লোংথাংমুক যাংলা মশাদু পীকশিল্লগা চোংথোক চোংশিন তৌদুনা মশা ডাকথোক্নবা হোৎ রিবদু যেংবদা লন্নাই শম যুংখৎলকই। পোনিয়াদি তশেংনা পাখৎলে। মতুদি মেজর এসিসি বুলিএট প্রুফগ লিংথিদে অদুমক্তা নোংমৈ রুনি মরক-সিদা চোংথোক চোংশিন শামংলা য়েরবগী মাইকৈদা চেনশিনখিরে। মতমাসদা মরিতুবা, মঙাতুবা, অমসুং তরুকতুবা গুলি কাপলকই। মেজর থুনমক লৈমাইদা পাকথদুনা কৈরমই অদুগা অমুক উখোং তম্না কন্না চোশিল্লুনা মনাক পোগরে। মতমাসদা উ মকুমদগী নিপাদু থংহৌদনা তুং হন্না চেনথোকখরে। মেজরনা নিপাদুগী মখোং তম্না গুলি কাপলমই। নিপাদু

মথাইনা থৈশিনবুনা লৈবাকদা তুশিনখ্রে। মহা উবদা সোক্লি-
বা, ভোবা, মালতি অমশুং ঠাধির মেজরগী মনাক্তা চেন
শিনখ্রে। অদুগা নিপা মী ভুলিনদী কয়নবা ঠাধিরনা
মপাবু লৈমাইদা উপশিন্নুনা পাকথরিদৈদা অদোংবা নিপাডু
মাঙ্কে ক্লবগী থুদোংচাবা কংবে। মতমসিদা মেজর উপনা তুখি-
খিবা নিপাডুগী মথক্তা লেপখবে, অহবু। মহাক্কী মখুং চনখ্রে'ঙগী-
মথাং ভাইহাকুদা নিপাডু মথবাক্তা' মপাগী থিবোলভরনা কাপ-
খাইজখবে। মেজরগী মাংমক্তদ মহাক উনা উনা দম লোইখরে।

"অমত্র অমুক" "মেজরনা হাইরকই — নৌজবান অমত্র অমুক কাবা অমনি কাসিগী পগাইদগী কয়নবা অত্যাখ্যত ভোক্তুনা শিক্তখরে। বাকম অমিস্রু কৌহাং অসিগী মাম্না অঙক-পা অমদি নক্লবা বাকমনি। ঠাধির অড়গা ভোয়া নখোয় অনি শিরবা নিপামচাসিগী মপাসি চোকশিন্না পঙউ। ঐন খনবদা মাস বিকোত্তর তৌননবা য়েক্লবশিংনা অমুক কোংনরকথাপনি হাৎবা থাক্তে। অদুনা চেকশিন্নু। ঐহাক বক্তলাদা চংলগা ইন্সপেক্তর খন্দন্দু কোন তোচনা অশিবা মপাসি লৌশিন্নবা হাৎক্লপে। পাখং মচাসিগী অশিবা মপাসিদগী অঙক অঙকপা বাক্তম কয়ামুং কংবা ম্যাচ কায়না ঐনা থজ্জি।

বিমোদকী বক্তলাদা মখোয় অয়াম্বা হজক্লগা মেজরনা ডাইরেক্তরদা ফিস্টর ভুজলেগী কোন লম্বর য়েংলমই। অদুগা টেলিফোনগী ভেবলদা চংলগা নম্বর অদুদা রিং তৌরমই।

[illegible]

থা'না চৌ'খংলক্লবা এতময়দা মহাক অমুক্তা খংলেম লেমথখি। শাকু কয়া চৌ'খংলক্লবা নোংশাক্ত নিপাক্তগী মকোক লায় চৌ-খরগা লেমায়দা মওং থৗনা তারমই। মতৌ অম্সুমনা শাওরবা নোংশাক্ত চৌ'কথহল্লগা তপ তারবা মতমদা মহক্কা ইরায় শাক-না শাংতেকাপা চুমই। মহাক্কী অসিক্তম্বা থাংগৎপা অদি লেমথবা চুমালবস করমননো, করি উপায়না তৌরবনো হায়বা কনামক্তনা খংবা চুমিদ বিদ্যা অক্ত মতম পুম্বগী অইনা মকাক্কী মকে ক্কা নম্শীন্দুন থমখি। অক্তবু শিরমদাই মতমদা মকাকী মচানিপা অমথক্ক দা মইসি লোয়া তম্বিরমই, মচানিপ অক্তাদ সাকসত্তা লোইদোক্কা পুক্কিং চংলন্দে অক্তবু থাকয়সিগী তারানবা থাকয়াস মপাগী এতোপ্তম মহাকপু নশাগী থবাক্তা নমাশন্দুনা থমখি। অক্তম্ভ শিরমদাইগী মতমদা মকাক্কা অমক্তা চুইরব। মচানিপাদি তাকথোক্লমই! লিউটেনান্ট সাগেনাকতনা কনমক্ত সাকসত পুক্কিং শিংখয়রমদে, অক্তন মহাক্কী মহে অক্তাদ জেনেরেলন অদগী জেনেরেলসন অমনা অস্তুম মথং মথ, শমথক্তক্তনা লাকখি।

"অক্তদা অদোমন মস থাগনাংত্র মক্তদি লিউটেনান্ট খাবাগী কনাক্তম্বা মী অমা শক্কম অসদা, থুংলরে হায়রব? বিনোদন, হংক।

"মমগ, ওইথোকপস্তু যাইনা" মেজরনা হাইরকত্ত, নং টৌচ অমুক্তা পুরকঙ। অদুগী মখোয় পুমনমক বক্সাদগী মপান্দা থোক্কাসি। "সোলিংগান তেচ পুরক্তুনা মখোয় পুমনমক বক্সাগী

মপান্দা থোরক্লে। মখোয়না অনিতাগী কাঙ্গী মপানথংবা ফক্লাংতগী মখোংত্তু মুন্না য়েংই। ফক্লাং অদুগী মখোংমক্তদা লৈমায়গী শরুক থরা কুৎশিং কুৎশিন্দুনা মিসিগী খোংউপকী খোংগুল তারি।

"উয়েদনা নখোয়ন," মেজরনা হায়রকই। "অনিতাদা অনিরকহল্লে। নোংমৈবা কাপলকখিবা নিপাদু শিলং কাওবা য়ংখৎপা জমই।

"লিউপোলগী থরাগী কনাগুম্বা মীওই অমা।"——বিনোদনা হায়রকই। মতমসিদা ইন্সপেক্তর থন্দনগী জীপ লাকপগী মখোল তারে। মেজরনা ইন্সপেক্তরগী জীপতু উ পাল অদুগী মনাক্ত, লমজাংলনা পুখ্রে, মতুদি পাখ মচা অমগী অশাংবা মশা ছাংনা লোয়রবা অদুগ। স্থুধির অমদি ডোয়ানা খোঙজেল ক্ষা ন মতু শংলনা লোয়রবদো। পাখং অদুগী অশিবা নশাত জিবত থজ্জংলে। মেজরনা ইন্সপেক্তর থন্দনদা হায়রকই—"অদোম্না আসং, মশাশি থুমমক পুলিস হোংসপীতালদা পুবরে অমসু থুনক্ত পোষ্ট মোর্তেম তৌবিয়না মদুগী রিপোর্টতু শকলাবরকউ মাসদা এন্না য়াম্না কম্না থংজানিংলিবাদ শিংঙব পাখং অসিবু কারঙম্বা লেনা অমা শোয়দনা পত্রবরা হায়না সনি। মসি হায়রগা মেজর ডায়হাক পে থাক্লনবা বঙ্গলাদা চংখ্রে।

হোংচক ...র বেত্ত্রী শজুনা লোর। খংহৌদনা ইন্সপেক্তরগী কোন শারু। "মেজর সাহেব; অদোমবু কনানা

জাহ্নগরনি লায়রা হংকোইদবা যাওবগে।”

“করিগীনোমে কন্সেপক্রয়? শিবিরবা পাখংকুম চা[illegible] থম্বা লায়না অমনা নাবয়ত্রা?

“হোয় মহাগীদমক্তম্ তৌনা অদোমবু থাগৎচরি। পুলিস ডাক্তরগী রিপোর্ট। শিখবা পাথংসি থিবোং শিবিল কামন-গগী লায়না লৈ কায়া। মহাক্কী অসঙ্গুবা লৈগাসি লৈবন মরম ওইদুনা পানং অসি জাইসিঙ্গি। (।৮৪ [illegible]) চাবগী লৈনবী লৈ। মহোন্দা আইসক্রিম কান্দগা, মখা, [illegible] অমত্তু ওইরবই লায়না ডাক্তরগী থায়। [illegible] হোটেল কন্তাক্টর [illegible] ডাক্তরনি, ক্রিমনি হাবনা যাদে। [illegible] ক্রিমমাং [illegible] কেথেন্দা [illegible] ক্লোর্ট পোপান অমত্তু মনা [illegible] থোগী নপনবগী পেট [illegible] ক্লোরিং পোগবন [illegible] সেই [illegible] অনম্বা [illegible] লৌ অত্তুগী মত্তনা [illegible] পোমখৎকী অমনি হায়[illegible] [illegible] ইকচাংদা য়মনা ভোমাংগ, লায়রেন্বা [illegible] পকহল্লী। মতৌ অত্তুম, লৈশিংগী পা[illegible] তমথিরবা লৈনা অসিনা [illegible] অনাবা [illegible]

“উক, য়ানিগ্নবা, আইসক্রিম [illegible] শিমবা আইসক্রিম অগায়বা অত্তাংশিং [illegible]

মুপীমচাশিংবা চানবনি। শেম্পোং পাম্বদা মথরাই মাংবা কিত্রবা কারবাররালাশিংশিনা অঙাংশিং থাওবদা থোজাল পোকত্রে।

হায়রগা মশাক্তা ক্তেলিকোন শমই। মতমসিদা বিনোদনা মথুংতা খবর অমা পায়রগা হায়রকই।

"অনৌবা শেখ চন্দ্রভন শুপ্রশিমক্তি য়ায়া চাওবা দান হৈবা অমদি মীশইবা জাতিগী অরা লুংঙার থোইদোক্লা দয়া মযাগী রাখল্দা মশর য় কংথোক্লবা মীশক মাল্লক্রি। অদোম খবরসি যেংবিয়ু। য়সিদ পৌরিবা নোটিস অসিদা মীওইবা জাতিগী প্রেম পোখাইক্লনা তারিবসে।" অদুগা মশামক্লা খবরগী পরেংশিংদা পাথরকতুনা ময়ামনা তাহল্লকই।

নোটীস

"ঐহাক চহি কয়ামুকসি ইশাগী অধিকারবু কংজদকুনা য়ায়া উপাই লৈজরমদে। হৌজিকসু ঐ করিমতবু শেংনা হায়ব ভমজদ্রি অদুদি ঐগী অধিকারসি ঐঙোন্দা কংখিগদ্রা কংলোর দ্রা হায়বসি। মরমদি দেশকী অকাওবা নিপা অনিগী শাক্ষিগা লোয়ননা ঐগী কেস অসি অদালত্তা লৈরি। করিগুম্বা দা কেস অসি ঐনা ভমকুনা লন থুম ময়াম অসিদা ঐগী মপুংফাবা অধিকার অদু কংজরবদি থাইদগী হায়া ঐহাক্লা য়ু য়োনবা দুকানশিং অসি মুথংনবা হোৎনগনি। অনিস্সুবদা লমদম অসিদা সেনিত্তোরিয়ম অমা হাংদোক্কনি। ঐনা অরাবা ফোংদোকচনিংবদি মসিনি মগুদি ইপা ইপুগী মতমদগী হৌনা

লৈরক্লবা সমপত্তি ময়াম অসিগী অমত্তা ভাররবা, ফংফম খোকপা মীদি ঐহাক্কি হায়বসি হেক, থংনবা সুমিৎ ভুদা নীপা অদুগী পুন্সি লোয়খি মতুদি, চহি কয়ামুক ঐগী লন থুম কয়া-মুকশিগী অশেংবা মপু শাক্লনা লৈবক্তা নিপাত্র। নীপাত্র সুমিৎ-ভুদা কনাগুম্বনা লোম্না হাংখি, মশিমক ঐহাক থম্মোয় শোক্লা সুংভাইজখিদে। ঐনা মঙোন্দা য়াম্না কয়বা সক্কী অমা তৌনাসে হায়জখি। মহাকপু আইনগী মতেংনা ক্ষা-খোংতুনা চৈরাকে পীবা পামজখিদে। মহাকপু মপুন্সি চুপ্পা পেন্সিল পীত্লনা ভাকপিবা পামজখি। অদুবু মহাক্না ঐগী হায়জবা অমত্তা তাখি-খিদে। অদুগা মহাক কৌশিক্কি সংসারসিদা লেত্রে। ঐদি মহাকপু হায়না ভাকপীজবনি। অদুগা মাগী ধর্ম্ম পত্নীবু মপুন্সিচুপ্পা পেন্সন পীত্লনা ঐগী যুমগী সদস্য, [illegible]।

ঐনা বরানসীগী নাগাব্রুকশিংনা [illegible] মখোয়না ঐগী থৌরমাশিংসিদা সহযোগ পীবা[illegible] ঐহাক্না [illegible] পুম্নমকপু ঐনা হেক ভক্কমথৈ মপুংফাবা সহযোগ পীজ[illegible]।

চন্দ্রভান গুপ্ত

---

# হিনুংদা অশীবা হকচাংশিং

সোনিয়াগী হায়বগী মতুংইন্না মেজর, অনিতা বিনোদ অমদি মেজরগী অতৈ মরুপ মপাং পুম্নমক তরানিপানশুবা থাক্কী তোর্বান্দা ইরুজবা চংলমখে। মষ্টব বীনোদনশু থাবদা মকমন্থু তরু তরুই অমদি মী চংই। অকম দা ইকুজ লবদি তশে না লুংজাই।

তরানিপান শুবা ঘটক অওইনমক মী চংই। ঘাটি অদুগী তোবর্ন্দা আমেরিকা লুপী অমনা মশাই হুই অমাংমগী পমজনা শায়রি অদুগা মখোয়গী হেক মমাংমক্তদা নিংখুন অমা লৈ-মায়দা যুংশিনজনা থমই।

ঘাটতূদা মী শরুনা মমিং মথক্তা মথুং পয়গা ইনা তপনা চেন্থরক্লিবা গঙ্গাগী ইচেলদা উথরক্লিবা হি মমগী মাইকৈদা মুম্না মুম্না য়েংলরি মথুদি লুমিংলগী থাম্না যুং যুং লংঙা উরিবদো। মীশায়া হেক ওয়ারেংদি লুমিং মন্তান্দা ফিনা ফুং ফুং লংলিবসু করিগীনো? হায়রি। অদুগদি হিরু অরং রেসমগী চাদর মপান্দা অরংবা হৎপা ফিগী ফিনানা জ্বাম

ঙ্গাধ চাইথব; অদুগা মচুদা অমুক চাওরপ চাওরপ তৌবা কঙ্গবা লৈশিংনা কুনা য়াম্বা; মসি পুম্নমকসিনা হিদু মুমিৎ মচাংদা তথক তথক লংশিবনি। হিদ থোইদোক্লা অমনবনি অমদি মচুগী মকম কয়াদা মচেৎ মচেৎ কাইরবনি।

মমাংথংবা শরুক্কী বারদা য়াম্নুরিবা অরংবা হিঃদা যুবী অনিশ য়াম্নরি অদুগা হিগী হিবান অনিদনা মঙ্গল সূত্র কৌরি। মতমসিদা হিদু মী শরা লৈরিবদুগী মনাক য়ৌশিল্লক্লে! নিপা অমনা উক্লা "অরে! হি অসদি অশিবা মশা হাপলবা "কুবু" মাখিরে। কনাইমনা মাল"; লেমদাগা থদরকপা হিদুনা থোকানা মাথা নইশিল্লকপা মতম মঙ্গদা মেতার বশবাঙ্ক অমদি মাগী খোঙ্গোয় পমনমক খাতং থাগদব ফাগ অমযুক্লা উইরে। মাপুমনমক খোঙদোক চেদোকপা হিগী চমৎকার-শিংনা যেংদুনা মখোন মশেন তত্তকপা কোংদোক্লিদুনা লৈরমই। অদুগা লাপা মাগী মফম থোক্লোক্লগা, অংশী দাকুপথক্লে অদুগা মচুগী হিক চিংথোকপা হৌরকই। মতম অমমক্লগী মঙ্গর মাগী খোঙ্গোয় পুমমক্না লোয়নবা মকমচুদা থুংলরে। অদুগা য়ামনা নুরা মীযামনা তৌরগা য়েংদুনা লৈরে। হিদু কোয়-শৌবা অরংবা হিমশু মথং লোথোরক্লিবা নীপা অমনা ইথং থংকোইদনা "অশীবা হকচাং, মপী অনীগী অশাবা হকচাংশ"।

"খোগা অনীগা অশাবা হকচাংনী। খোগাশীংদি মতৌ অম্নমনা হিদা কু লেমনে। হকচাংদা রাউথাংনবা উৎ তৈবা

অহুৎপা গেকন্না মহুক্কী থোক্তিশিংবা লৈরেৎরব।" অতোপ্পা অমনা

"যোগীনিশিংগী অশিবা হকচাংবু তিত্তাদা হ'ন্নগা থৈ খাবগী মহুৎতা অতৌ অ.ম্ব থিদা হ.ন্নগা তুরেম্বা তাউখৎমবনি চংনবা ?" খাদত্তিনা হ লওই

"ঐদি মথে.মশিংস যোগনি ওইরমোইরা নিংই। নথোয়না লৌথোরকপা ফিশিংসিদা শকপী ক্রেম অমম্বং উন্না পাশিং কম্বা-মুক্বা কি.শন্নগ সেখবা "জাপানি পম্ব" কী থুদং পকলিবনি নখোয়না উত্তিরে।" মেজরনা হ কৈরকই।

"ও.হো: । ফিরনাসমাদ ঐথোয় কান্নগত্তা হেক থনজিন্নুদেদা"

"ডোবা অমদি মালতি। নথোয় অনি ঔশিংদা কুম'রো অদুগা যোগীনিশিংগী মখাইদা তৈরবা চম্বন.স চামথোকজুতো।" ডোবা অমদি মাল'ত্ত ঔশিংদা কুপথরগা যোগীনিশিংগী মমাইদু ঔশিং চাইশিন চাঔশিন্দুনা শেংনা চামথোক্লমই। মমাইদু মথেক শেংনা উবা ফ'লবদা অনিত'না থংহোদনা লাওরকই—"নিবা। হুপী অসিমক অশিবা কিবমদা এনা উখিবহুনি। মহুদি কনাম শুপনা মাগী মত্তকশম থুদেক্তুনা হ'ংঙ্গ্রিবিদো।"

"ডেকেনি!" মেজরগী মচিন্দগী থোকখি। ঐগু বাকমদি ওসাইদগী থন্নমলিবনি মহুদি—নিম্ব' অমদি ডেকেনিবু হাংতোক-পদি হাংতোকলে অহুবু মথোয়গী অশিবা হকচাংশিসি কদাইদা থন্নপহগে হাইবগী মরমদা থন্নরমগনি। অহকপনি; মথোয়না মসিমক থন্নবহগরা থংদে মহুদি অশিবা হকচাংশিংদি হিদা হান্নগা

পক্নাগী ইচেম্মা ভাওথহনখিবা। মহাক্কী অদুক হি অমত্তদ পুম্না। ঐনা ১মুকথ্রু হন্না বা'কমসি হায়বা ধৎই মহাকি হক্কী মাঙাংদি পুম্না পুম্না ছুম্না হাংপা মক্ক কুকপা য়িহাংনি। অশিবা নক-চাংশিংনিদগী ক য়ও্ম্বা খুদম ছুংদম নত্রগম্ব লংনা লাংজিন থম্বদি কংবা য়াই হাইনা নিংই। মরমদি য়েক্লবশিংনা কয়ম্বা মওংদা নানখোক্লবা হোংনম্নিবনো অমদ মখোয়গী হোংনজবন্থ কয়ম্বা য়াই পাকত্রিবনো? মহাক পুম্নমক ওইহ্নম্ব মখোয়না কয়ওম্বা খুদম থম্নদি কাউহনা থমলমদবা নত্তে। অহুগা খুদমশিং অহুমক্কা মখোয়বু কাঁশিগী খোরি কোকেই কাওবা লাইনা চিংখৎপা ছমবা।

পাও অসি মৈরিপীংতৌশুম শাইকৈ য়রিমক্তা শন্নোকখ্রে। মহাকদি তয়াবিপালম্নবা ঘতকী তোঙ্বান্দা অশিবা মশা অনি ওক্নুনা লৈরে। মী পুম্নমক থয়ক হুনগৎনা মাইকৈ মায়ংক্তগী তয়াবিপালম্নবা ঘাত ওম্না চেম্নরকলে !

মেজরম্ব ঈশিংদা কুপশরকলে হৌজিক্তদা। কুপনা পুক্নি য়ক্লবা অহনবা হিত্থু চেকশিন্ন য়েংশিনবা হৌরকই। হিত্থুগী নোংপোক থংবা হিবাদুদা ছুবিনা হক হক্কুনা হিদ্দী মমেক্তঃ ইবা মিং অমা থেংনরে। মিং অমনি থেংনরিবা। মহাক দ —

"এতা দিন"

মেজরনা হাইরকই—"ঐসিগী অমনবা হিসি কনাগুম্বা মতা দিন কোবা হিহোনবা অমগী হিনি।" মসি হায়রগা ঘাত্তা লৈরীবা মীয়ামদগী কয়ওম্বা থবা কং লাকদরা হাইবগী অশাদা

হংলুবদা; মীয় মা অমুক্তদা হাইরকপহু, মক্কমহুদগী মাইল অমরোম ইচেল ওনগংবা চ থংলগা খুজং অমা লৈ। মকম অহুদা মতাদিন কৌবা হিরোনবা নিপা অমবুদি লৈ হাইবা। মেজরনা মাপী খোংলোইশিংগা লোয়নলা মতাদিনগী খোংজিল্লা- লেপ্লরবদা মতাদিয়া হাইরকপহু—"মী অনিথক লাকলগা মহাকসী মাগী অমনবা হিহু মমলগী শরুক অহুম হেনগংলা পিরমহুনা লৈথি। অহুগা হি লৈপ্লিবা মী অনিহুগী মীওই মীতৌ, শককমচিংবা কনাবম্ভদা হাইদোকপা মাদে হাইরমগা মথোম চংথি। অহুনা যৌক্তিক মতাদিন মথা তানা তাকথোকপা প মক্সে। অহুবু ভারত পুম্বগী ওইবা হৈশিংলবা ডি তকতিক অমগী চ ক্রেদা মতাদিনগুম্বা ও কাবা নিপা অমনা করম্বা অরোনববু কয়া কুইনা হাই- খোজবা ওমগদগেনে। অদুনা মমৈখংদা উপায় লৈজরবহুনা হাইরকপহু—

মথোয় মী অনিনি। অমনা কিত ৬ (তরুক) মাংগনি অতগা অমনা কিত মহাগী ওকয় দা মাংগনি। মসিগী মতুংদা মতাদিয়া হাইরকপা অমাংবা অহুগা অনেম্বা খেমব'নবা নিপা অনিগী শককমহু মেজয়না নিংশিংবা ওমবগী মহুংদনি। মহুদি কিত তরুক মাংবা নিপাদু ওমাং অহিং মশা মতোমতা নোংথৈনা কাপথাইজহুনা আত্মাঘাত তৌজগ্রবহুনি অহুগা কিত মহামুক মাংবা নিপাহুনা "হারকিজ" নত্রগা "হৈরোম" হুৎকনি।

মতাদিয়া মাগী মারীহু মথ. চংথরকই "অমাংবা পাখংহুনা হাইববু মথোম অমনবা হি অমা পামই মহুনা থবক অমা

শিজিন্নগনি অমম্বুং থবক অহুনা সংসার অপুম্বী কায়বা ওইগ দৌরীজনি ; ঐমী হিচু শিজিন্নবা ষুংলোইজ্রবনি । অহুনা অনৌবা হি অমা য়াম্না থুনা লৈবা দরকারনি । অদুবু থুম্না কোরি অমা কাওবা শাইদনা করম্নৌ অনৌবা হি অমা লৈগদৌরীবা । অদুবু থংহৌদনা লোংমদি লেপ্লগে ঐমী থোংজিন্না য়াইফবা, খোজাব অংদি ঐমী দাও পুম্নমক্কা অমুক্তদা । পুন্সি তম্বাহ অমা হি হোন্দুনা চম্না লেংজরকপা পুন্সিমী মহৈ ভগবাংম্না পিনবিরে । অচক য়াম্না হয়াওরবস্থ ঐনা মখোয়দা হংবদি হংখি মচুদি মখোয়না ঐমী হিচু করি থবক শিজিন্নবিগদৌরীবনো ? অহুম্বু মতমদুদা ঐখোয় পুম্নমক্কী থাংদা অচকপা খোদোক অমা থোক্লকলে মদুদি কিত-শ্তা থাংবা নিপাদু থংহৌদনা য়েংনা য়েংনা কিত তরা থরা হেন্না থাংথংলে ।"

"নত্তে । মদু করম্না ওইগদৌরীবনো ?" মেজরনা অচকপা হোংদোরকই ।

"ঐখোয় পুম্নমক অমতা থংদে, অদুম ওইনলে অচকপা চমত্কার অদু য়েংদুনা লৈনরমই ।". অতোপ্পা গজ ঘর কোবা হিংহোনবা অমনা হাইরকই ।

"মহাক্কী মফি মরোলশু কিত তরাগী মীগী মফিদৌনা শাংদোরকপ্রা ?"

"নত্তে মাগী মশ্বাংদগী মকোক ফাওবগী শরুক্তুদি কায়ে হায়গুম অহুম লৈ অহগা মাগী থোংগ্রাওহ চাওরাকনা কিত তরেংমুক শাগলকই ।

অথ'দি মশিনি মচুদি মহাক্না বাংখং মেপম তৌরীবশি মাগী মখোংগী থবকনি।

মেজরগী চিনবান্না থুংলবে মচুদি মাগী মোমোন নোকং শিদো। লোয়নবা ছুইষ্টল থোংবা তৌরকলে। হিহোনবগী মাদগী মেজরনা য়াম্না কায়বা বাফম অমদি' থংবা ওমলে মচু'দি— মার্কীজ নত্রগা বৈরোনদগী অবাংবা কিত মঙানি।

"কি লৈশ্রবা মচুংদা হখোয়না হিদ্ অদোমগী নাক্তা থম্লম্ব্ নত্রগা হখে'য়না অদুম পুত্রত্রা?"

"মখোয়না অক্ষম্মক পুত্রবশি সাহেব।"

"মখোয় কদোমদা চংখিবগে?"

"অসোমদা। মোংপোকলোমদা।"

মেজরনা অতৈ বাহং কয়া হংচুনা মথা তাবা তৌরে। মাগী খো'লোইশিংদা ইচেন হনগংনা চংননবা হাইরকই। মখো'য় পুম্নমক গঙ্গাগী তোর্বান্দ তপ্না তপ্না চংখংলেমই। মাইল অমমুক চংখ্লগা মখোইনা থাংপোকপং অমা থেংনরমই। মেজর থাংপোকক্তগী মনাক নকনা চংশিনখ্রে। অদুগা লৈমাইচুদা মুকং থচুনা কম্বিলোমা মুন্না য়েংলমই। লৈমাইচুগী শরুক থরদা য়াম্না মুনা মুনা কুংপা পীকতক পীকতকপা থুদম, নত্রগা খোঙ্ন কয়ামুক তারি। সুখিরন্দ্ খোঙ্লশিংচু মুম্না য়েংলম্বদগী থংহৌ-দনা মচিন্দগী থোকখি। "য়োংকী খোংউপকী খোঙ্ন।" "হোয়" মালতিনহ থুমখি।

মেজরগী থাপ্পোক অশুংবুদা চংলে মখুংগুদা অমংবা মেসম্বী কি কুপা মচুগী খুজি নাচৌ অমদি ফিবান, মিখোন খন্না লৈরবই। জাপানী পন্থাগী খুদম মরি অমগা উঠি পশিং কয়ামুক। মসি মতুনা থাংপোক্কুদা অচৈ থোংইদোকপা পোৎ লৈরমলে। অদুগা পুখম অমদা চন্দোন থন্না থিক্নুনা লৈরমই, ওইবগা য়াই মতুনা নিরা অমদি মিসেজ ডেকেনিগী মমাইদা থানা থৈনিংনুনা থোরিনি শেমথিরম্মা। থাংপোক্কী মফম অমত্তদগী ঈশিং খুদম কদে। মেজরনা হায়রকই—

'য়েক্কুবনা থাপোক অসিবু খুদম চনশিন্দুনা পিজিনরবা মখুংদা মতম পুম্বী ওইনা মসিবু অমুক থাদোকলম্বনি'। য়েক্কুবনা ডেকেনিগী মখোয়গী থেংনাদুনা হাংল্রে। মসিদগী ঐনা অমুকম্তু হাইবা ঙমই মতু দ কম্ক্কী মীহাংসি পুরা পুরা ইমুং অমবু তুম্না হাংপা মিহাংনি অদুগা কথোকপা মীহাং। নিরাবু মাগী মপুরোইবনা হাংখি। অদুবু য়েক্কুবনা মাগী অশিবা হকচাংবু মিনয়াই কোনবগুম কোনশিন্দুনা থমাগ্রবা করিগীনো? অদুগনা নিরা হিংলি হাইবা উহন্নবগীদমক মখোয়না নিরাগী মেককপ তৌখিবনা করিগী? অদুগা অয়োইবদা মিসেজ ডেকেনিবু ফাজিনগ্রগা হাংতোক'প্রবাসিনা করিগী? ডেকেনিগী করি মরালবু লৈবগে? মীহাংপনা মাগা য়ে খিনগ্রিবনা কমদোন্দনো? করি হৌজিক্কী ঐথোয় হল্লসি।

লখোইদা বিনোদনা মেজরদা হংলকই—

অদোম্না তশেংনমক বাকমসি থাজবিগ্রা মদুদি তরাংকক—

মুবা সভাবদিগী লৌউপোলদ জাতিগী কনাগুম্বা অমা মরম অক্সিদা য়েৌরকলে অদুগা মহাকমক মীহাৎ মীসি ময়ামগিগী জিমেদারনী হাইনা ?”

“অদুম হাইনা ভাবনা শারগা থনবদগীমু হেন্দোকপা মরম কয়ামুক লৈরি।” মেজরনা হায়রকই।

